ꯂꯥꯏ ꯍꯔꯥꯎꯕꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ

লাই হরাউবগী কাংলোন

(লাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী)

ꯂꯥꯢ ꯍꯔꯥꯎꯕꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ

ꯃꯔꯤꯁꯨꯕ ꯁꯔꯨꯛ

(ꯂꯥꯢ ꯍꯔꯥꯎꯕꯗ. ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ ꯅꯨꯔꯥꯕꯤ)

লাই হরাউবগী কাঙলোন

মরিশুবা শরুক

(লাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী)

UMANGLAI KANBA APUNBA LUP (UKAL)
Regd No
2890 of 1979
* MANIPUR *

উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)

লাইরিক মমিং ঃ লাই হরাউবগী কাঙলোন
মরিশুবা শরুক
(লাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী)
ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯃꯃꯤꯡ : ꯂꯥꯏ ꯍꯔꯥꯎꯕꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ
ꯃꯔꯤꯁꯨꯕ ꯁꯔꯨꯛ
(ꯂꯥꯏ ꯍꯔꯥꯎꯕꯗ ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ ꯅꯨꯔꯥꯕꯤ)

অফোঙবা ঃ উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)
পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল।
ꯑꯐꯣꯡꯕ : ꯎꯃꯪꯂꯥꯏ ꯀꯟꯕ ꯑꯄꯨꯟꯕ ꯂꯨꯞ (ꯎꯀꯜ)
ꯄꯦꯂꯦꯁ ꯀꯝꯄꯥꯎꯟꯗ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

অহানবা ফোঙবা ঃ মেরাগী ২৩ নি পানবা (নোংমাইজিং)
ওক্তোবর ২৩, ২০১৬
ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯐꯣꯡꯕ : ꯃꯦꯔꯥꯒꯤ ꯲꯳ ꯅꯤ ꯄꯥꯟꯕ (ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯖꯤꯡ)
ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯳, ꯲꯰꯱꯶

মমল ঃ লুপা ২৫০/-
ꯃꯃꯜ : ꯂꯨꯄꯥ ꯲꯵꯰/–

কপি মশীং ঃ ২০০০
ꯀꯣꯄꯤ ꯃꯁꯤꯡ : ꯲꯰꯰꯰

© ফংফম থোকপা অফোঙবগীনি।
© ꯐꯪꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯑꯐꯣꯡꯕꯒꯤꯅꯤ꯫

নম্ফম ঃ ইউ. কে. প্রিন্টরস, কংলা পার্ক, ইম্ফাল - ৭৯৫০০১
ꯅꯝꯐꯝ : ꯌꯨ. ꯀꯦ. ꯄ꯭ꯔꯤꯟꯇꯔꯁ, ꯀꯪꯂꯥ ꯄꯥꯔꯛ, ꯏꯝꯐꯥꯜ – ꯷꯹꯵꯰꯰꯱

কষ্টম অথোরিতিগী অয়াবা চেরোল

নং 02/HHC/US/08/972 চৈচৎ ৯।১০।২০১৬ ইং উকলনা সনা কোনুংদা লানখৎপীরকপা চেরোল নং ০১৯/জি এস সি/ ইয়ু। উকল চৈচৎ ৩১।০৮।২০১৬ ইং অসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী লোইশঙশিংনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা উমংলাই হরাউবগী মনুংদা ''তাংখুল নুরাবীগী'' তাঙ্কক অসিবু মশক থোক্লা লাইরিক অমা ওইনা পুথোক্লবা কন্না হোৎনরিবা উকল অমসুং লাইলূপকী থবকপু থাগৎতবা ঙমদে। লাইরিক অসি লাই হরাউবদা চৎনবা য়ারবা অমদি ওইরে হায়না লৌজরগা উকলনা লাইরিক অসি ফোঙদুনা পুথোকপদা সনা কোনুংগী কষ্টম অথোরিটিনা অয়াবা পীরে লোয়ননা উকলনা মতুংদসু মমল য়াল্লবা লৈবাক্কী কান্নগদবা লাইরিক কয়া অমসু পুথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৌশিং থৌনা তেংবানবা মপুনা থৌজাল লনকুবিসনু।

ইম্ফাল
চৈচৎ ৯।১০।২০১৬ ইং

থোকচোম ইবুংঙোহল
সেক্রেটরি কষ্টম
উত্রা শঙলেন সনা কোনুং, ইম্ফাল।

ৱাহৈ খরদং

উমংলাই কনবা অপূনবা লুপ (উকল)না হৌখিবা চহি খরা অসিদা উমংলাই অমসুং লাই হরাউবগী মরমদা তৌরক্লিবা অফবা থবক থৌরম খরা ঐখোয় পূন্নমক্না ময়েক শেংনা খঙনরে। নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী লৈরক্লবা ইপু-ইপা উমংলাইশিং অমসুং মখোয়গী ঈরাৎ থৌনিগী থৌরমশিং অসিগী মচৎ অসি তাঙ্কক খরদা কাং-খোং চাইরুরবনি। উমংলাই হরাউবগী লৈজরিবা মশাগী চৎনবী লিক্লম পূন্নমক থুগায়রগা তাইবঙমী ওইনা হরাউনরুরবনি। তৌরোইদবা, তৌফম থোক্তবা ঙাক্তা লাই হরাউবদা তৌশিন্দুনা উমংলাই হরাউবগী মশক অসি মাঙলুরবনি। অদুবু উকলনা হৌদুনা মাইবা, পেনা, মাইবী, অখঙ-অহৈ কয়ানা কন্না হোৎনবদগী ঙসিদি লাই হরাউবনা মশাগী অশেংবা লিক্লমদা তপ্না-তপ্না হঞ্জিনবা হৌরকপা অসি অফবা অমনি।

অসিগুম্বা তঞ্জা অসিদা লৈরিবা উমংলাই হরাউবগী থৌরম পরেংশিং হায়বদি জগোই-ঈশৈ, হৈকৎ-লৈকৎ, লাইশোন-তিনশোন, ফিজেৎ-লৈতেংনচিংবশিং অসি মানা-মানা তৌনিং-তৌনিংবা তৌদনবা মশাগী লৈরমলিবা পরিংশিং ইথোক্তুনা লাইরিক ওইনা পুথোক্লগা ময়ামদা খঙহনবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। অদুবু উমংলাই হরাউবগী মরমদা লাইরিক কয়া মাগী-মাগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা পুথোক্লবা থেংনরি। মসি অফবা কয়া লৈরগসু মশাগী লৈজরিবা উমংলাই হরাউবগী চৎনবীশিং অসিদগী নাথৈরগা ৱাখলনা শাগৎতুনা পুথোক্লবা লাইরিকশিংদি তুংদা চয়েৎনবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই। অদুনা উমংলাই হরাউবগী লাইরিক ফোঙদুনা পুথোকপীবা তারবদি লৈরম্লিবা মশাগী লিক্লমশিং অদু কায়হন্দবগা লোয়ননা অখঙ-অহৈশিং কুপ্না তান্নরগা পুথোকপীবনা ফগনি।

উকলনা লাই হরাউবগী মরমদা ইবা লাইরিক কয়া মথং-মথং পুথোক্লিবা অসিগী মখা তারকপদা লাই হরাউবগী কাংলোনগী মরিশুবা শরুক ওইনা উমংলাই হরাউবদা তাঞ্জুল নুরাবী হায়বা লাইরিক অমা হন্দক অমুক পুথোক্ল

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤꯒꯤ ꯌꯥꯏꯕ ꯁꯔꯇꯤ

ꯅꯝ 02/HHC/US/08/972 ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯹/꯱꯰/꯲꯰꯱꯹ ꯗ ꯄꯤꯔꯛꯄ ꯂꯩꯔꯤ ꯃꯨꯂꯤꯡꯒꯤ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯈꯤꯕꯗꯥ ꯁꯔꯇꯤ ꯅꯝ ꯰꯱꯹/ꯗꯤ ꯌꯥꯡ ꯂꯥ/ꯅꯨ꯫ ꯄꯤꯔꯛꯄ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯲꯱/꯰꯹/꯲꯰꯱꯹ ꯗ ꯌꯥꯎꯕ ꯁꯦꯝꯕ ꯂꯩꯃꯨ ꯂꯩ ꯃꯨꯂꯤꯡꯒꯤ ꯆꯦꯀꯁꯤꯡꯂꯤꯕ ꯃꯨꯇꯥꯕ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯁꯥꯏꯇꯦꯕ ꯄꯥꯝꯕꯩꯁꯤꯡꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ “ꯁꯤꯡꯅꯕ ꯂꯥꯏꯁꯤꯡꯒꯤ” ꯁꯤꯡꯃꯥꯡ ꯌꯦꯡꯂꯤꯕ ꯂꯩꯃꯥꯏ ꯑꯣꯏꯕ ꯆꯦꯀꯁꯤꯡ ꯌꯥꯕ ꯌꯥꯅꯕ ꯁꯤꯡꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯄꯨꯔꯛꯄ ꯁꯥꯛꯇꯝ ꯌꯥꯎꯅꯕ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯈꯤꯕ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯅꯤ ꯑꯣꯏꯕꯔꯥ꯫ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯌꯥꯏ ꯆꯦꯀ ꯄꯥꯝꯕꯩꯁꯤꯡ ꯃꯇꯨꯡ ꯌꯥꯎꯕ ꯌꯥꯎꯕꯥ ꯌꯥꯅꯕ ꯄꯥꯅꯕ ꯆꯪꯕ ꯄꯤꯔꯛꯄ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯌꯥꯏ ꯖꯤꯡꯂꯤꯕ ꯁꯤꯡꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯂꯩ ꯃꯨꯂꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ ꯌꯥꯏꯕ ꯁꯤꯡꯕ ꯆꯤꯡꯅꯕ ꯄꯤꯔꯛꯄ ꯁꯦꯝꯕꯃꯛ ꯃꯇꯨꯡ ꯌꯥꯝꯅꯕ ꯆꯠꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯡꯂꯣꯏꯕ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯃꯄꯨ ꯌꯥꯅꯕꯒꯤ ꯁꯤꯡꯑꯣꯏꯕ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯁꯤꯡꯂꯤꯕ ꯆꯠꯅꯕ ꯑꯦꯝ ꯁꯤꯡꯂꯤꯕ ꯃꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯦꯆꯟ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟꯈꯤꯔꯦ꯫

ꯗꯣꯀꯇꯔ ꯅꯕꯌꯨꯞꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯕ꯭ꯔꯦꯔꯤꯌꯟ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
ꯁꯦꯟꯠꯔꯦꯜ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯂꯩ ꯃꯨꯂꯤꯡ, ꯀꯍꯦꯟ

ꯀꯍꯦꯟ
ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯹/꯱꯰/꯲꯰꯱꯹ ꯗ

ꯄꯦꯟꯣ ꯋꯥꯍꯩ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯄꯥꯈꯜꯂꯕ ꯂꯣꯟ (ꯃꯩꯇꯩ) ꯗ ꯏꯁꯩꯒꯤ ꯄꯥꯏ ꯁꯩ ꯋꯥꯡꯃ
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯗꯅ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯈꯩꯅꯖ ꯑꯁꯤꯡꯂꯒꯤ ꯋꯥꯔ ꯊꯔꯡ ꯊꯩꯅ
ꯁꯩ ꯋꯥꯁꯤꯅ ꯄꯨꯅꯁꯤꯡꯗ ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯂꯩꯃꯗ ꯁꯩꯕꯔꯦ꯫ ꯗꯤꯡꯂꯤꯡꯔ ꯊꯤꯡꯉꯦꯔ
ꯈꯣꯝꯖꯤꯡꯒꯤ ꯗꯩꯅꯤꯡꯗꯔ ꯅꯄꯨ-ꯅꯄꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯈꯣꯡꯅꯒꯤ ꯅꯥꯏꯁ
ꯊꯩꯗꯤꯒꯤ ꯊꯩꯅꯒꯤ ꯋꯥꯡꯒꯤ ꯈꯥꯏꯁ ꯋꯥꯏ ꯑꯃꯣꯡ ꯁꯩꯅ ꯃꯤ-ꯁꯤ
ꯄꯅꯥꯔꯔꯗꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯗꯩꯖꯩꯒꯤ ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯄꯁꯗꯔꯤ ꯗꯤꯡꯗꯖ ꯄꯨꯖꯗꯡ
ꯊꯨꯡꯅꯦꯡ ꯑꯅꯔꯈꯤ ꯋꯥꯅꯗ ꯏꯁꯩꯃꯗꯔꯦꯔꯗꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯅꯃꯔ, ꯑꯁꯤꯡꯈ ꯊꯤꯡꯑꯔ
ꯃꯤꯡꯑ ꯗꯅ ꯏꯁꯩꯃꯔꯃ ꯑꯃꯤꯡꯂꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯈꯣꯡ ꯋꯥꯏ
ꯈꯤꯡꯗꯔꯦꯔꯗꯤ꯫ ꯋꯥꯔꯦ ꯃꯩꯇꯩꯗ ꯏꯁꯨꯗ ꯈꯤꯅꯔ, ꯄꯨꯡꯗ, ꯈꯤꯅꯔꯤ, ꯋꯥꯁꯩ-ꯋꯥꯏ
ꯃꯦꯗ ꯃꯩꯇꯩ ꯏꯁꯩꯗꯔꯃꯥꯒꯤ ꯃꯣꯏꯃꯤ ꯗꯅ ꯏꯁꯩꯃꯗ ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯋꯥꯡꯃꯔ
ꯗꯤꯡꯗꯖꯃ ꯑꯄꯨꯗ-ꯑꯄꯨꯗ ꯏꯁꯗꯤꯂ ꯏꯁꯤꯡꯄ ꯋꯥꯏ ꯑꯃꯔ ꯋꯥꯗꯤ꯫

ꯋꯥꯏꯔꯖꯔ ꯑꯃꯗ ꯋꯥꯡꯃ ꯗꯩꯒꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯊꯩꯅ ꯄꯨꯔꯤꯡꯋꯥꯡꯒꯤ
ꯏꯅꯔꯃꯤ ꯗꯥꯅ-ꯅꯥꯡ, ꯏꯁꯩ-ꯗꯩꯁꯩ, ꯗꯅꯥꯗ-ꯑꯥꯗ, ꯈꯤꯗꯁ-
ꯗꯩꯑꯡꯗꯄꯤꯔꯂꯤ ꯋꯥꯏ ꯈꯤꯗ-ꯈꯤꯗ ꯑꯗꯤꯡ-ꯑꯗꯤꯡꯔ ꯑꯃꯗꯔ ꯈꯣꯡꯒꯤ
ꯗꯩꯅꯗꯒꯤ ꯄꯨꯔꯤꯡꯂꯤ ꯅꯊꯡꯑꯗ ꯗꯅꯔꯤꯡ ꯋꯥꯅꯗ ꯄꯨꯊꯡꯗꯥ ꯈꯔꯃ
ꯁꯏꯔ ꯋꯥꯏ ꯔꯃꯗ ꯈꯊ ꯑꯅ꯫ ꯋꯥꯔꯦ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯈꯩꯅꯖ
ꯗꯅꯔꯤꯡ ꯃꯔ ꯈꯤꯡ-ꯈꯤꯡ ꯋꯥꯅꯔ ꯄꯁꯅꯗꯩꯂ ꯄꯨꯊꯡꯗꯔ ꯊꯗꯩꯔꯤ꯫ ꯈꯣꯏ
ꯋꯥꯔ ꯃꯔ ꯗꯩꯔꯤꯡ ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯗꯩꯖꯩꯒꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯄꯁꯗꯔꯤꯂꯤ
ꯋꯥꯏꯃꯥꯒꯤ ꯗꯊꯩꯔꯤ ꯄꯅꯁꯗ ꯂꯣꯁꯔꯗ ꯄꯨꯊꯡꯗꯔ ꯗꯅꯔꯤꯡꯂꯤꯃꯥ ꯑꯡꯃ
ꯄꯔꯗꯁꯗꯔ ꯃꯔ ꯊꯡꯏꯗꯡꯄ ꯔꯅ꯫ ꯋꯥꯔꯦ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯗꯅꯔꯤꯡ
ꯈꯡꯔꯦ ꯄꯨꯊꯡꯄꯒꯤ ꯑꯔꯃꯤ ꯗꯩꯅꯗꯒꯤ ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯗꯤꯡꯗꯖꯂꯤ ꯋꯥꯔ
ꯃꯅꯏꯂꯃꯔꯥ ꯗꯅꯗꯗ ꯋꯥꯁꯩ-ꯋꯥꯏꯂꯤ ꯃꯨꯄꯗ ꯑꯂꯔꯥ ꯄꯨꯊꯡꯄꯒꯤꯗ
ꯈꯤꯗꯤ꯫

ꯃꯩꯇꯩꯗ ꯗꯅ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯈꯩꯅꯖ ꯅꯔ ꯗꯅꯔꯤꯡ ꯃꯔ ꯈꯊ-ꯈꯊ
ꯄꯨꯊꯡꯗꯒꯤ ꯋꯥꯡꯒꯤ ꯈꯁ ꯑꯔꯥꯄꯗꯃ ꯗꯅ ꯏꯁꯩꯃꯔꯥꯒꯤ ꯃꯤꯡꯗꯩꯒꯤ ꯈꯔꯤꯂꯔ

বা হোৎনরিবা অসি য়াম্না ফৈ। লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা সেমিনার, ৱাকসোপনচিংবা কয়া লমদমসিগী অখঙ-অহৈশিংগা তাঙ্কক কয়ারক্তা তান্নদুনা হোৎনখিবশিং অদুনা লাইরিক অসি পুথোকপা ঙম্বনি। লাইরিক অসি পুথোক্ল বা হোৎনবদা উকলগী মরুওইবা থৌমী কয়ানা ঐগী ইফমদসু চহি ২/৩ চঙনা তান্নখিবা অমদি অখঙ-অহৈ কয়াগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইখিবা অসিমক্লা লাইরিক অসি ইচম-চম্বা লাইরিক অমদি ওইগনি নীংদে।

লাইরিক অসিনা মরম ওইরগা উমংলাই হরাউবগী মরুওইনা কংলৈ হরাউবগী শরুক অমা ওইরিবা তাঙ্খুল নুরাবীগী থৌরম অসিদা থেংনরিবা নুংঙাইতবা ফিভম কয়া অসি খরমখৈদি কোকপা ঙম্লগনি খল্লি। থৌরমসিদা লৈরিবা তৌগদবা তৌরোইদবা কয়া অসি খঙমিন্নবদা নত্তনা খুঞ্জাশিংনা খঙজদবগী তঞ্জাদা পঙতৌদা তৌশিন্নবা কয়া অসি খরমখৈদি ফরগনি। পুথোক্লিবা লাইরিক অসিদা অশোয়বা, হেঞ্জিনবা, চিৎথ-নাম্বহৌবা খরা লৈরগসু মপুঙ ওইবা শরুকমখৈদি লৈরবনিনা তাঙ্খুল নুরাবীগী থৌরম অসিগী ওইফম থোকপা 6 মচৎ-মওং, ঙাংন-শক্লগদবা অমদি শীজিন্নগদবা ফিজেৎ-লৈতেং, পোৎলম চৈরম্নচিংবশিংদি খঙবদা লায়রগনি। চহি কয়া চঙনা য়াম্না কন্না থিজিন হুমজিন্দুনা লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনরিবা উকলগী ইচা-ইনাওশিংবু থাগৎচবগা লোয়ননা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংনা মতম চুপ্পদা থৌজানবীবা ওইসনু।

(লুৱাংচা মাইস্নাম অপাবী)
মাইচৌ পুরেল, সনা কোনুং

অফোঙবগী ৱারোল

উমংলাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল)না উমংলাই হরাউববু মশাগী লিক্লম কায়হন্দনা লেপ্পা কাংবা নাইদনা চৎহন্নবা মীয়ামগা লোয়ননা চহি লিশাং শিৎনা হোৎনদুনা লাক্লি। লৈরিবা উমংলাই হরাউবগী থৌরম পরেংশিং অসি তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক কয়ানা পুনশিন্দুনা শেম্লনি। তাঙ্ককশিং অসিগী খেৎনবা কয়া লৈরগসু পরেং অমত্তা ওইনা লেংশিন্দুনা ফজরবা লাই হরাউবগী থৌরম পরেং অসি ওইরি। লাই হরাউবগী তাঙ্ককশিং অসি থুগায়দুনা নৈনরবদি পাক চাউখ্রবা সমুদ্রগী ঈপাক্লুম্লনি ইরোননুংগুম্লনী। মীওই অমগী পুন্সিনা ৱাখল তারকপদগী শিবা ফাওবদা ফনা কন্না হোৎনদুনসু লাই হরাউবগী মরমদা লোয়না খঙবা ঙম্লদি ওইথোক্লোই। লাই হরাউববু খঙনিংবা, থিজিনলিবশিংনা অহানবদা নিংশিংবীগদবদি ''চাওরবা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা লৈরিবশিং অসি কনানসু লোয়না খঙবা ঙমখিদ্রি'' হায়বসিনি। মালেমসিদা হিংখিবা অমদি হিংলিবা মীওই অমত্তনা উমংলাই হরাউবগী মরমদা লোয়না খঙবা লৈখিদরি।

ঐখোয়না খঙজবা মওং খরদি উমংলাই হরাউবগী থৌরম অসি নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু পাঙথোক্লিবা মওংশিং অসিগী মমল, মতিক ময়াইনচিংবা পুম্নমক্তি ঐখোয় অয়াম্লনা কাউথোক্লখ্রে। পাঙন-পাঙনবা নৎত্রগা ঙহাক নুংঙাইথোক্লবা লাঙথোক্লবা মওংলোমদা হেন্না পাঙথোক্লবগুম তৌনরে। মসিমক্তি ফুরুপ অসিগীদা নত্তনা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী মাঙজবা থৌওংনি। লাই হরাউরিবা অসি মীওই ফুরুপ অমগী লৈকাই খুল অমগী হরাউবা নত্তে। মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা অচৎ-চত্তা পূম্নমক্কী য়াইফনবা পাঙথোকপা থৌনি থৌরম্নি। মরু ওইনা মৈতৈশিংনা চৎনবী অমা ওইনা লাইথৌ থৌরম অসি পাঙথোক্লবগী ৱানি। লাইথৌ থৌরম অসি মরু ওইনা পাঙথোক্লিবা ঐখোয়না মশাগী চৎনবী লিক্লম থুগাইদুনা ইশা-ইশাগী অনিংবা অপাম্বা কয়া পংতৌ তৌশিনলবদি নোংমা শোয়দনা মালেম মীয়ামগী অথিবা ৱাহৈ মৈতৈনা মায়য়োক্লরক্কনি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ৱাতাবু ওইরো তিল্লিবা মীয়াম অদু নুংঙাইনবা মওংশিং য়েংলগা তৌনরি। মশাগী অশেংবা তৌগদবা তৌরোইদবা পূম্নমক খঙনরবা ফাওবদা লাংবা, নোকপা খেবা মীয়াম্না পান্বা অদুনা হেন্না লূম্না লৌখিবদগী খজিক-খজিক থৈদোক্লরকপদগী ঙসিদি থৌরম অসি মশাগী ওইফম থোকপা থৌরম পুম্নমক কাওথোক্লবগুমলে। মসিনা মরম ওইদুনা লাইনা তাইবঙ মীনা চাননবা চিঙ্গাক পুথোক্তুনা শুবা নোম্বগী শিনলোন কয়া থন্নীরম্বা অসি অচোপ অরেংগী, ফি শেৎতবগী থৌরম অমগুম লৌনরকপনি।

উমংলাই হরাউবগী অসুক ফজখ্রবা, তাংখ্রবা থৌরম অসি মশাগী অশেংবা লিক্লমদা লাকহনদবা য়াদে হায়বসি ফুরুপচা কয়াগী নুংদা খন্দুনা লাকখি। তাঙ্কক অসিবু মশাগী অশেংবা মওংশিং অদু থিজিন্দুনা, তাশিন-খোমজিন্দুনা মীয়ামদা খঙহন উহনবগী তঙাইফদবশিং মথৌ তারকখি। মরম অসিদগী তাঙ্খুল নুরাবীগী থৌরম অসিগী মশাগী লৈজরিবা মশক পূম্নমক পুথোক্লবা অচৌবা খন্ন-নৈনবগী মীফম (সেমিনার) অমা খৃ: ২০১৫ কী ডিসেম্বর চৈশিং ১৪ দা লময়ানবা শঙলেন কোনুং মমাঙ ইম্ফালদা পাঙথোকখি। উকলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা লাইবুঙ কয়াগী লাই থৌগল লুপকী মীহুৎশিং, হিরম অসিগী অখঙ-অহৈশিং, মাইবা, পেনা মাইবীশিং অমসুং মীয়াম্না মপুঙ ফানা শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা খঙ-হৈরবা শক্লাইরবশিংনা থৌরমসিগী তোঙান-তোঙানবা হিরম কয়াদা অইবা চেরোল পুথোকখি। মরু ওইনা উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল অমসুং নুরাবীগী থৌরম পরিং হায়বসিদা শমচেৎশাবম কোন্দুম্বা, মাইবহনবা, সনা কোনুং, উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী থৌরমগী ফিজেৎ লৈতেংগী মশক হায়বসিদা মুতুৱা বহাদুর, ডাইরেক্তর মুতুৱা ম্যুজিয়ম, উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী থৌরমগী ঈশৈ পরিং হায়বসিদা চোংথাম ইবোয়াইমা, শক্লাইরবা তাঙ্খুল শাবা অমসুং উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী থৌরমগী নুংগী ওইবা মশক হায়বসিদা লুৱাংচা মাইস্নাম অপাবী, মাইচৌ পুরেল, সনা কোনুংনা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। অসিদসু নত্তনা শক্লাইরবা মীওই কয়া মীফমদুদা শরুক য়াদুনা খন্ন-নৈনবা অদু হেন্না মপুঙ ফাহনখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা পুথোরক্লিবা ৱাফমশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ওইফম থোকপা থৌরম অসিগী ফিজেৎ-লৈতেং পোৎলম-চৈরম অমসুং ঙাংন-শক্লগদবা পুম্নমক পুথোক্তুনা উৎনবা উকলদা মীফমদুনা শিন্নরমখি। মীফম্না

মশাগী ওইনা লৈরিবা উমংলাই হরাউবগী চৎনবীশিং অদুগা হৌজিক চত্থনরিবা মওংশিং অসিগী খেৎনবা, চুশিন্নদবা কয়া অসি করম্না মশাগী অশেংবা মচত্তা চুশিন্নহনগদগে হায়বসি মীরোলসিনা নৈনদবা খক য়ারোই। থৱায় য়াওবা, পামজবা, অখঙবা হায়বসিনসু য়ারক্তে, হেন্না হেন্নদুম ফিভম শোকচিল্লকপা কয়া লৈরে। লাইথৌ থৌরম অসি কাংলোন চুম্না মশাগী লিক্লম কায়হন্দনা চৎহনবা হায়বসি থৌনি থৌরম অসিবু চৎনবী অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা ঐখোয়গী মীয়ামগী খুত্তা লৈরে। খ্বাইদগী মথৌ তারিবা অসি মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা, থৌরমসিগী মতিক-ময়াই খঙহন উহনবনি। মীয়াম্বু খঙহন্নবা হোৎনবদা মথৌ তারিবশিংগী মনুংদা মসিগী মরমদা ইবা, নৈনবা লাইরিক অসিসু অমা ওইবা মরম্না উকলনা হিরম অসিদা খঙ-হৈরবা কয়াগা ৱা তান্নবগা লোয়নননা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফমশিং পাঙথোক্লগা ফংলকপা ৱাফমশিং লাইরিক ওইনা মথং-মথং পুথোক্কুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগীদমক ''লাই হরাউবগী কাঙলোন'', মরিশুবা শরুক্কী লাইরিক অসি পুথোকচবনি।

লাই হরাউবগী কাঙলোন মরিশুবা শরুক অসিদা মরুওইনা নৈনরিবা অসি তাঙ্খুল নুরাবীগী থৌরমগী শরুক অসিনি। উমংলাই হরাউবগী তাঙ্ককশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৌতারোল নৎত্রগা তাঙ্খুল-নুরাবীগী থৌরম অসি ঙসিদি খ্বাইদগী নুংঙাইতবা ফিভম অমদা লৈরি। থৌরম অসিগী তৌগদবা মশক মওং কয়া মশাগী ওইনা তোঙান্না লৈজবনি অদুবু ঐখোয়না থৌশাদবদগী থৌরম অসি অচোপ্পা মওংগী থৌরম অমা ওইনা লৌনখরে। লাইরেম্বী পাম্হোইবীনা লৌউ-শিংউ হৌদোকপগী থৌদৌ কুম্মৈশিংদু তাইবঙ চাদা-নাওদা ঐখোয়না ঙসি ফাওবা কাওদরি হায়বদু তাকপনি। অসিগুম্বা থৌরম অসিবু নাতৈ চাদবা মওং অমদা ওহোক্কুনা ইপা-ইচা, ইচন-ইচে, ইমুং-মনুং পূন্না য়েংমিন্নবা য়াদবা মওং কয়াদা পাঙথোকপা হায়বসি ফুরুপ অসিনা মালেমগী মীয়ামদা লংজবনি।

থৌরম অসিদা তাঙ্খুল, নুরাবী, কংলৈ লৈপাক মপু লম্বু, খুল্লং ৭, কোনসাবী অমদি নরাইকোকপীনচিংবশিং অসিনা শীজিন্নগদবা ফিজেৎ লৈতেংশিং, পোৎলম-চৈরমশিং অমদি ঙাংন-শক্লগদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং পূম্ন মক শক্তম লাংলিবশিংনা মশা মশাগী অপাম্বা মওংশিংদা পংতৌদা তৌনবনা অয়াম্বা ওইরি। শীজিন্নগদবা ফিজেৎ লৈতেংবু ওইরো ঙাংনশক্লগদবা ৱাহৈ

৮। কাংজম বিধু খুমন - শক্লাইরবা স্কোলার

৯। ওইনাম মেনজোর খুমন - প্রসিডেন্ট লাইয়িংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলুপ

১০।পদ্মশ্রী আর কে অচৌবীসনা - হান্নগী প্রিন্সিপাল জে এন এম দি এ, ইম্ফাল।

১১। চোংথাম ইবোয়াইমা (ৱাংজিং ইবোয়াইমা) - শক্লাইরবা হান্নগী তাঙ্খুল শাবা

হায়বশিং অসি থোইদোক্লা পনবা য়াই। লোয়ননা ওঝা মাইবশিংগী মরক্তগী চোংথাম মঙলেম, থোকচোম রাধামোহোন, থৌনাওজম রতন্নচিংবশিং অমদি পেনা অশৈবা তাঙ্খুল শাবা ওঝাশিংগী মরক্তগী তাউরেম মনিখোম্বা, সাপম নাওবা, ক্ষেত্রিময়ুম সুভাসচন্দ্র, লোইতোংবম সুরজ, তাওরেম তোমচৌ পনবা য়াই। অসিদসু নত্তনা ইমা মাইবীশিংগী মরক্তগী লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবীখিবশিংদি ওইনাম ধোনি, নামৈরাকপম হেমোলাতা, এলাংবম ঈশৈহনবী, নিংথৌজম সুমতী, থিঙুজম রুপোবতী, পোৎশঙবম সুমাতী, ওইনাম অঞ্জলি, সৌগ্রাকপম ইবেমনুংসী, লোংজম তেম্বী, তাউরেম সরমিলা, ৱাহেংবম প্রিয়া, ৱাহেংবম প্রেমা, সনসম তামু, লাইশ্রম অনীতা, লোইতোংবম থম্বালসং, সেরাম অপাবী, নিংথৌজম থাজা, লাইশ্রম লোইদাংনচিংবশিং পনবা য়াই। থোইদোক হেন্দোক্লা কবুই মাদরস এসোসিয়েসন (কামা)নসু লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা মরুওইবা মতেং পাংবীখি।

লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা অৱা-অনা থিদনা থৱায় হকচাং য়াওনা অরৈবা ৱাখল লৌশিং পাঙ্গল থৌনা পুথোক্তুনা হোৎনখিবা উকলগী মরুওইবা থৌমীশিংগী মনুংদা

১। হিজম ইপুমচা (বাবুমচা) - ভাইস প্রসিডেন্ট, উকল।

২। এ কে, ইবোমচা সিংহ - ভাইস প্রসিডেন্ট, উকল।

৩। মোইরাংথেম জিল্লাঙম্বা মৈতৈ - জেনরেল সেক্রেটরি, উকল।

৪। মুতুম মনিতোন (ঙানবা) মৈতৈ - কনভেনর লাইলুপ, উকল।

৫। ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ সিংহ - এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, উকল।

শিন্নরম্বা অদুগী মতুংইন্না তাঙ্খুল-নুরাবী, কংলৈ লৈপাক মপু, লম্বু, কোনসাবী, নারাইকোকপী অমসুং খুল্লং ৭ না শীজিন্নগদবা ফিজেৎ লৈতেং, পোৎলম চৈরম, ঙাংন শক্লগদবা মওংশিংগী চপ চাবা মশকশিং অদু হিরম অসিগী মরমদা খঙলবা মীওই (এক্সপার্ট) ১৩ না শাবা মীফম অমদা উৎলবা মতুংদা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা য়ান্নরবা মশকশিংদু উকলনা লাইরিক ওইনা পুথোকচবনি। পুথোক্লিবা লাইরিক অসিনা পুমলোই লোইরে হায়বমক্তি নৎত্রি। লাইরিক অসিবু নৈনবীবশিংনা হেন্না চুম্বা, ফজবা ৱাফমশিং থেংনবীরবদি উকলদা থিহ্নদনা তাকপিরকউ। মীয়াম্না তাকপিরকপা অচুম্বা ফজবা ৱাফমশিং লাইরিক অসিদা হাপচিন্দুনা হেন্না ফজবা অফবা লাইরিক অমা ওইনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক লৈহৌনবা হোৎনবদা খুদিংমক্লা শরুক য়াবিয়ু। অসিতসু নত্তনা লাইরিক অসিদা অশোয়বা অরানবা য়াওবা থেংনবীরবসু উকলদা তাকপিদুনা চুমথোক্লবগী তাঞ্জা পীবিরকপদা হরাউনা লৌজগনি।

উমংলাই হরাউবগী লৈরিবা ৱারীরোল, লাইশোল, তিনশোন, হৈথা-লৈথা, জগোই-ঈশৈ, ফিজেৎ লৈতেংনচিংবশিংদা নত্তনা মসিগী মরমদা ঐখোয়গী মীয়াম্না পুন্না খঙমিন্ননবা পান্দমদা লাই হরাউবগী কাঙলোন হায়বা লাইরিক অসিগী মথং মথং তাঙ্কক নাইবা লাইরিক উকলনা পুথোকচরি। লাই হরাউবগী কাঙলোন অসিগী ৩ শুবা শরুক মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা হন দক অমুক ৪ শুবা শরুক অসি পুথোকচবনি। ৪ শুবা শরুক অসিদি "উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী" হায়বা তাঙ্কক অসিগী মতাংদা নৈনবা লাইরিক্লি। লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবিখিবা অখঙ-অহৈশিং, মিং ওইনা পঞ্জরবদা-

১। এন জি, কাংজিআ মঙাং	-	হান্নগী সনা কোনুংগী মাইচৌ পুরেল, চিয়ারমেন লাই লূপ
২। লুৱাংচা মৈস্নাম অপাবী	-	মাইচৌ পুরেল সনা কোনুং
৩। সমজেৎশাবম কোন্দুম্বা	-	মাইবা হনবা সনা কোনুং
৪। মুতুৱা বহাদুর	-	ডাইরেক্টর মুতুৱা ম্যুজিয়ম
৫। নাউরোইবম ইন্দ্রমনি	-	শক্লাইরবা স্কোলার
৬। খুলেম চন্দ্রশেখর	-	শক্লাইরবা স্কোলার
৭। ডা. ৱাইখোম রোমেস	-	এসোসিয়েট প্রোফেসার

[illegible]

[illegible]

[illegible]

৬। লোংজম অরুন (সোমোরেন্দ্রো)- সেক্রেটরি পব্লিসিটি, উকল।
৭। ইরেংবম সনাখোম্বা মৈতৈ - এগজিকুট্যটিভ মেম্বর, উকল।
৮। মাইবম সুর্জবোরো - এগজিকুট্যটিভ মেম্বর, উকল।

অসিনচিংবা লুপকী লুচিংবশিং অসি থোইদোক্লা পনবা য়াই। লাইরিক অসি মতম চানা পুথোক্লবা হোৎনবদা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবীখিবা ইউ কে প্রিন্টরস, কংলা পার্ক ইম্ফালগী ইচিল ইনাওশিং অমদি মিং ওইনা পঞ্জদ্রবা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগী মতেংদগী লাইরিক অসি মতাং মতম চানা পুথোকপা ঙমজবনি। মসিগীদমক পুন্নমকপু থাগৎচবগা লোয়ননা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বীশিংগী থৌজাল ফংমিন্নবা ওইরসি।

চৈচৎ ৩।১০।২০১৬
ইম্ফাল

চনম পারিহল (নবচন্দ্রা) মৈতৈ
প্রসিডেন্ট, উকল।

14

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

꯱॥ ꯑꯪꯒ ꯆꯤ, ꯃꯩꯇꯩꯑꯦ ꯍꯤꯡꯃ — ꯂꯩꯁꯥꯡ ꯂꯩꯆꯩ ꯃꯇꯨꯃꯥꯡ ꯍꯤꯔꯝ
ꯄꯨꯕꯪꯅ, ꯁꯤꯔꯩꯕꯍꯪꯒ ꯆꯔ ꯆꯨꯄ

꯲॥ ꯆꯨꯁꯩꯃꯁ ꯍꯤꯂꯆꯩꯍ ꯑꯄꯥꯍꯤ — ꯍꯤꯔꯝ ꯄꯨꯕꯪꯅ ꯂꯩꯆꯩ ꯃꯇꯨꯃ

꯳॥ ꯂꯍꯆꯪꯌꯂꯩꯍ ꯃꯒꯨꯍꯍ — ꯍꯤꯔꯍ ꯂꯒꯍ ꯂꯩꯆꯩ ꯃꯇꯨꯃ

꯴॥ ꯍꯨꯁꯨꯁꯩ ꯍꯂꯨꯕ — ꯃꯔꯕꯪꯃꯁꯕ ꯍꯨꯁꯨꯁꯩ ꯍꯨꯁꯨꯆꯤꯔꯍ

꯵॥ ꯆꯩꯁꯕꯔꯍꯍ ꯔꯒꯨꯕꯍꯆꯤ — ꯂꯃꯆꯩꯔꯕꯍ ꯂꯨꯃꯆꯕ

꯶॥ ꯔꯨꯆꯪꯍ ꯁꯒꯨꯕꯂꯪꯔꯕ — ꯂꯃꯆꯩꯔꯕꯍ ꯂꯨꯃꯆꯕ

꯷॥ ꯃꯩ. ꯁꯩꯔꯔꯍ ꯕꯍꯪꯅ — ꯑꯪꯂꯂꯤꯔꯪꯌ ꯄꯨꯕꯏꯪꯂꯕ

꯸॥ ꯃꯩꯃꯆꯍ ꯍꯤꯆꯨ ꯔꯨꯍꯒ — ꯂꯃꯆꯩꯔꯕꯍ ꯂꯨꯃꯆꯕ

꯹॥ ꯑꯔꯆꯩꯍ ꯍꯪꯒꯆꯕ ꯔꯨꯍꯒ — ꯄꯨꯕꯂꯤꯃꯪꯒꯌ ꯆꯔꯔꯤꯃꯈ
ꯂꯆꯩꯍꯂꯤ ꯈꯤꯄꯅ ꯃꯩꯃꯆꯨꯄ

꯱꯰॥ ꯄꯍꯍꯂꯨꯕꯤ ꯑꯩꯕ ꯃꯪ ꯑꯁꯍꯤꯂꯆꯩ—ꯂꯒꯆꯥꯡ ꯄꯨꯕꯤꯒꯂꯤꯄꯅ ꯑꯪ ꯑꯪꯒ
ꯑꯪꯍ ꯃꯤ ꯑꯪ, ꯔꯍꯏꯅ

꯱꯱॥ ꯁꯃꯈꯩꯍ ꯔꯍꯔꯩꯔꯍ — ꯂꯃꯆꯩꯔꯕꯍ ꯂꯒꯆꯥꯡ ꯁꯃꯔꯨꯅ ꯂꯍ
(ꯑꯩꯃꯆꯤꯃ ꯔꯍꯔꯩꯔꯍ)

ꯂꯔꯍꯂꯤꯃ ꯑꯂꯤ ꯈꯔꯃꯃꯄ ꯄꯒꯍ ꯔꯩꯔ॥ ꯆꯔꯆꯆ ꯑꯆ ꯍꯤꯔꯍꯂꯤꯃꯥꯡ ꯍꯕꯃꯁꯥꯡ ꯁꯃꯈꯩꯍ ꯍꯤꯆꯪꯍ, ꯈꯃꯁꯍ ꯕꯩꯍꯂꯒ, ꯈꯩꯆꯁꯍ ꯕꯁꯒꯆꯁꯤꯃꯍꯂꯤꯃ ꯑꯍꯃꯤ ꯄꯪꯆ ꯑꯂꯍ ꯁꯃꯔꯨꯅ ꯂꯍ ꯑꯆꯂꯤꯃꯥꯡ ꯍꯕꯃꯁꯥꯡ ꯁꯕꯪꯍ ꯍꯤꯆꯤꯔꯍꯍ, ꯂꯄꯍ ꯆꯁꯍ, ꯔꯪꯁꯨꯕꯤꯍꯨꯍ ꯂꯨꯒꯂꯁꯒꯨꯕ, ꯆꯔꯁꯃꯍꯍ ꯂꯨꯕꯆ, ꯁꯕꯪꯍ ꯁꯍꯁ ꯄꯒꯍ ꯔꯩꯔ॥ ꯑꯂꯤꯃꯨ ꯆꯌꯁꯆ ꯔꯍ ꯍꯤꯔꯍꯤꯂꯤꯃꯥꯡ ꯍꯕꯃꯁꯥꯡ ꯆꯔꯕꯤꯃ ꯑꯂꯤ ꯄꯨꯈꯃꯆꯍ ꯂꯌꯆꯍꯔ ꯍꯨꯕ ꯑꯔꯍ ꯈꯃꯩꯃ ꯆꯍꯤꯔꯤꯍꯂꯤꯃꯤ ꯑꯔꯆꯩꯍ ꯖꯆꯤ, ꯆꯍꯕꯃꯄꯍ ꯂꯍꯆꯁ, ꯑꯪꯆꯃꯍꯍ ꯔꯂꯂꯒꯍꯤ, ꯆꯤꯃꯈꯆꯍ ꯂꯨꯍꯁꯤ, ꯈꯤꯃꯨꯆꯍ ꯕꯨꯄꯍꯁꯤ, ꯄꯌꯂꯍꯍ ꯂꯨꯍꯁꯤ, ꯑꯔꯆꯩꯍ ꯑꯒꯆꯆꯤ, ꯂꯄꯨꯕꯃꯄꯍ ꯔꯍꯪꯍꯨꯃꯂꯤ, ꯆꯃꯆꯍ ꯁꯪꯍꯍꯤ, ꯁꯕꯪꯍ ꯂꯕꯍꯤꯆ, ꯁꯂꯪꯃꯍꯍ ꯄꯨꯕꯤꯔꯩ, ꯁꯂꯪꯃꯍꯍ ꯄꯨꯕꯪꯍ,ꯂꯆꯆꯍ ꯁꯍꯨ, ꯆꯔꯂꯨꯕꯍ ꯑꯆꯤꯁ, ꯆꯔꯁꯃꯍꯍ ꯈꯍꯍꯅꯂ, ꯂꯪꯕꯍ ꯑꯄꯥꯍꯤ, ꯆꯤꯃꯈꯆꯍ ꯈꯆ, ꯆꯔꯂꯨꯕꯍ ꯆꯔꯃꯃꯆꯁꯤꯃꯍꯂꯤꯃ ꯄꯒꯍ ꯔꯩꯔ॥ ꯈꯔꯃꯃ ꯂꯪꯒꯃꯃꯆ ꯃꯍꯨꯔ ꯍꯤꯃꯕꯂ ꯑꯪꯂꯂꯤꯔꯪꯂꯒ (ꯃꯩꯍꯤ) ꯆꯂꯨ ꯆꯔꯕꯤꯃ ꯑꯂꯤ ꯄꯨꯈꯃꯆꯍ ꯂꯌꯆꯍꯔ ꯍꯕꯨꯑꯔꯍ ꯍꯁꯪꯃ ꯄꯩꯃꯍꯤꯔꯤ॥

[illegible]

[illegible]

[illegible]

কাঙলোন চুম্না লাই হরাউসি

কাঙলোন চুম্না লাই হরাউনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা ঙাকমিন্নগদবা ৱারম খরা ঃ-

১। লাই হরাউবা শীনবগী লাঙবীরিবশিংনা লাই হরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অমদি খুন্নাইসিগা লৈনরিবা মরী অসি খরমখৈ খঙনবা হোৎনবিয়ু।

২। লাই হরাউবগা মরী লৈনদবা জগোই-ঈশৈ, ফিজেৎ-লৈতেং, থবক থৌরম অমত্তা লাই হরাউফমদা তৌহন্দনবা হোৎনবিয়ু।

৩। লাই হরাউফম অমদি মসিগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা অমসুং য়োনবা য়াহল্লোইদবনি।

৪। লাই হরাউবদা থিল্লি খোংলিবশিংনা থিন্নিংবা থিনবা খোংনিংবা খোংবা তৌবীরোইদবনি অমসুং লাই হরাউবগী লৈরিবা হরাউপুঙশিংতমক থিনবীয়ু।

৫। লাই হরাউবগী নুমিৎ মশীং শাংদনবা অমদি নুমিদাং থেংলবফাওবা থৌরম পাঙথোক্তনবা হোৎনবিয়ু।

৬। লাই হরাউবা মতমদা কা হেন্না হৌবা মাইক শীজিন্নবীগনু। য়ারিবমখৈ লাইবুঙ অদুতমক তাগদবা মওংদা শীজিন্নবীয়ু। তঙাই ফদ্রবা মতমদতা অহৌবা মাইক হোরোলশিং শীজিন্নবীয়ু।

৭। লাই হরাউববু লিশাং শীৎনা হকথেংননা পুথদুনা লাক্লিবা মাইবা, পেনা মাইবীশিংনা খুঞ্জা মীয়াম্বু অচুম্বা মায়গৈদা লমজিংবীবগা লোয়ননা মাইবা, পেনা, মাইবীগী লিচৎ চেৎনা ঙাকপিয়ু।

৮। তাম্বুল নুরাবীগী থৌরম পাঙবীরিবশিংনা কা হেনবা মওং মতৌ, ৱাঙাং-শঙাং অমদি ফিজেৎ লৈতেং শীজিন্নবীরোইদবনি। তাম্বুল নুরাবীগী লৈরিবা থৌরম পরেংশিং অদুতমক শীজিন্নফম থোকপা ফিজেৎ লৈতেংশিং শীজিন্নদুনা পাংবিয়ু।

৯। লাইথৌ তৌবীরিবা তৌবীরিবীশিংনা লাই হরাউবদা শেৎ চাগদবা ফিজেৎ লৈতেং, কৎকদবা হৈ-লৈ, পোৎলমনচিংবশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনবিয়ু।

ꯇꯧꯕꯤꯔꯤꯕ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯁꯦꯝꯕꯤꯕ ꯄꯥꯝ—ꯄꯥꯝꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯃꯁꯤꯡ ꯁꯥꯔꯤꯕ ꯍꯩꯕ ꯄꯥꯡꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯇꯧꯔꯕ ꯑꯣꯏꯕꯅ ꯃꯇꯦ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯁꯦꯝꯕꯤꯕ ꯏꯝꯐꯥꯂꯒꯤ ꯈꯨꯟꯅꯥ ꯃꯈꯣꯏꯕꯒꯤ ꯈꯨꯟꯕ

꯱꯫ ꯁꯤꯡꯖꯝ ꯁꯥꯡꯈꯔꯦ (ꯀꯀꯈꯔꯦ) — ꯒꯁꯂ ꯑꯋꯥꯡꯂꯩꯀꯥꯏ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯲꯫ ꯄ.ꯗ. ꯁꯀꯃꯔꯦ ꯂꯤꯕ — ꯒꯁꯂ ꯑꯋꯥꯡꯂꯩꯀꯥꯏ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯳꯫ ꯈꯨꯁꯦꯏꯕꯃꯝ ꯇꯤꯅꯇꯧꯖꯃꯀ ꯈꯣꯝꯗꯣꯡ — ꯇꯪꯕꯦꯡ ꯂꯝꯐꯦꯜꯄꯥꯠ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯴꯫ ꯈꯣꯡꯃ ꯈꯕꯤꯗꯣꯡ (ꯖꯣꯡꯀ) ꯈꯣꯝꯗꯣꯡ — ꯐꯨꯒꯥꯀꯦ ꯇꯧꯕꯥꯟ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯵꯫ ꯗꯣ. ꯃꯇꯦꯡꯇꯝ ꯕꯨꯁꯤꯔꯦꯐꯝ ꯂꯤꯕꯁ — ꯄꯂꯤꯂꯗꯣꯡꯄꯨ ꯂꯝꯐꯦꯜꯄꯥꯠ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯶꯫ ꯇꯥꯕꯇꯝ ꯄꯦꯕꯨ (ꯂꯥꯈꯥꯦꯡꯕꯝꯦ) — ꯂꯝꯐꯦꯜꯄꯥꯠ ꯑꯀꯇꯤꯂꯤꯁꯤ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯷꯫ ꯁꯦꯡꯕꯀꯝ ꯂꯦꯈꯥꯃꯀ ꯈꯣꯝꯗꯣꯡ — ꯄꯥꯡꯇꯥꯏꯅꯣꯡꯒꯤ ꯈꯨꯃꯀꯦ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

꯸꯫ ꯈꯤꯁꯀꯝ ꯂꯦꯇꯀꯥꯦ — ꯄꯥꯡꯇꯥꯏꯅꯣꯡꯒꯤ ꯈꯨꯃꯀꯦ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

ꯄꯂꯤꯕꯔꯤꯕꯀ ꯇꯥꯔꯕꯤ ꯇꯁꯤꯕꯀꯂꯤꯕ ꯄꯂꯤ ꯃꯁꯃꯥꯕ ꯑꯦꯀ ꯍꯦꯁ꯫ ꯇꯧꯕꯤꯕ ꯄꯂꯤ ꯈꯣꯝ ꯁꯦꯕ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯁꯦꯝꯕꯤꯕ ꯃꯁꯤꯡ ꯁꯥꯔꯤꯕ ꯍꯩꯕ ꯁꯦꯝꯕꯤꯕꯤꯀ ꯁꯁ ꯗꯥ ꯑꯋꯥꯡꯕꯦꯕꯂ, ꯗꯥꯇꯦ ꯑꯕꯥ ꯁꯈꯦꯅꯒꯤ ꯁꯔꯤ ꯁꯕꯁꯂꯤꯕ ꯄꯈꯝ ꯈꯤꯕ ꯄꯁꯕ ꯑꯦꯇꯝꯕꯀ ꯁꯖꯦ ꯁꯖꯦꯀ ꯈꯤꯄꯁ ꯗꯍꯦꯒꯤ ꯈꯣꯝꯕꯃꯒꯤ ꯇꯧꯕꯤꯕ ꯄꯂꯤ ꯈꯣꯕ ꯈꯣꯝ ꯁꯦꯕ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯖꯃꯇꯀꯦꯡ꯫ ꯈꯂꯤꯒꯤꯈꯄ ꯑꯈꯇꯈꯄꯑ ꯃꯒꯤꯄꯁꯀꯒ ꯇꯁꯦꯦ ꯇꯧꯕꯤꯃ—ꯇꯧꯕꯦꯝꯀꯂꯤꯕꯒꯤ ꯃꯇꯅ ꯍꯥꯈꯤꯕꯦꯀ ꯄꯁꯕꯂꯤ꯫

ꯌꯨꯝꯌꯛ ꯳/꯱꯰/꯲꯰꯱꯶
ꯁꯈꯦꯟ

ꯌꯦꯝ ꯑꯕꯤꯁꯟ (ꯇꯀꯌꯦꯕꯦꯡꯕ)ꯈꯣꯝꯗꯣꯡ
ꯑꯋꯥꯡꯂꯩꯀꯥꯏ, ꯏꯝꯐꯥꯜ꯫

[illegible]

[illegible]		[illegible]
꯱॥ [illegible]	—	꯱
꯲॥ [illegible] ([illegible])	—	꯵
꯳॥ [illegible]	—	꯷
꯴॥ [illegible]	—	꯱꯰
꯵॥ [illegible]	—	꯴꯰
꯶॥ [illegible]	—	꯴꯰
꯷॥ [illegible]	—	꯴꯲
꯸॥ [illegible]	—	꯴꯲
꯹॥ [illegible]	—	꯴꯴
꯱꯰॥ [illegible]	—	꯴꯵
꯱꯱॥ [illegible]	—	꯵꯲
꯱꯲॥ [illegible]	—	꯶꯵
꯱꯳॥ [illegible]	—	꯷꯴
꯱꯴॥ [illegible]	—	꯷꯷

ꯑꯣꯏꯇꯧꯖ ꯃꯨꯍꯗ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯂꯤ

ꯑꯣꯏꯇꯧꯖ ꯃꯨꯍꯗ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯗꯕ ꯀꯧꯒꯗꯕꯔ ꯁꯥꯌꯅꯈꯔꯗ ꯌꯣꯏꯐꯤꯖꯗꯥꯔꯕ ꯌꯦꯕꯍ ꯄꯕꯦ :

꯱॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕ ꯂꯤꯖꯕꯤ ꯇꯏꯕꯤꯕꯤꯕꯂꯤꯏꯗ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯥꯤ ꯎꯏꯥꯤ ꯋꯧꯅꯕ ꯌꯦꯀꯖꯊꯧꯏ ꯋꯐꯔꯤ ꯄꯨꯖꯗꯦꯅꯂꯤꯥ ꯇꯧꯗꯕꯤꯕ ꯐꯕꯤ ꯋꯂꯤ ꯄꯕꯐꯄꯧ ꯄꯦꯗꯕ ꯀꯧꯒꯗꯕꯅꯤ॥

꯲॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯥ ꯐꯕꯤ ꯇꯧꯗꯔꯕ ꯇꯥꯅ–ꯅꯂꯧ, ꯈꯤꯇꯒ–ꯇꯧꯁꯏ ꯊꯕꯏ ꯊꯧꯕꯍ ꯋꯐꯒꯁ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯈꯍꯔ ꯁꯧꯀꯖꯔꯗꯕ ꯀꯧꯒꯗꯕꯅꯤ॥

꯳॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯈꯍ ꯋꯐꯔꯤ ꯐꯂꯤꯥꯤ ꯋꯑꯦꯅꯕꯔ ꯐꯄꯦꯅ ꯑꯦꯕ ꯌꯤꯖꯇꯏ ꯂꯤꯇꯤꯖꯗꯕ ꯋꯐꯂꯏ ꯄꯦꯖꯕ ꯄꯦꯀꯖꯇꯦꯅꯔꯕꯗꯤ॥

꯴॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯔ ꯊꯤꯖꯗꯤ ꯄꯦꯏꯗꯤꯕꯂꯤꯏꯗ ꯊꯤꯖꯗꯤꯏꯕ ꯊꯤꯖꯕ, ꯄꯦꯏꯗꯤꯏꯕ ꯄꯦꯏꯕ ꯁꯧꯕꯤꯕꯦꯅꯔꯕꯗꯤ ꯋꯐꯂꯏ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯥꯤ ꯇꯧꯕꯤꯕ ꯀꯕꯦꯁꯥꯏꯂꯤꯏꯁꯐꯥ ꯊꯤꯖꯕꯤꯅꯤ॥

꯵॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯥꯤ ꯎꯐꯤꯒ ꯐꯂꯤꯏ ꯂꯏꯔꯗꯕ ꯋꯐꯔꯤ ꯎꯐꯤꯔꯏ ꯊꯁꯏꯗꯈꯁꯕ ꯊꯧꯕꯍ ꯥꯇꯏꯊꯧꯥꯁꯗꯕ ꯀꯧꯒꯗꯕꯅꯤ॥

꯶॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕ ꯐꯁꯍꯔ ꯑꯦ ꯀꯁꯖꯗ ꯀꯧꯕ ꯐꯅꯥ ꯂꯤꯇꯤꯖꯗꯕꯤꯥꯨ॥ ꯅꯕꯤꯕꯐꯄꯧ ꯇꯅꯕꯨꯏ ꯋꯃꯔꯐꯥ ꯁꯥꯔꯕ ꯐꯋꯧꯏꯔ ꯂꯤꯇꯤꯖꯗꯕꯤꯅꯤ॥ ꯁꯌꯅ ꯈꯃꯕꯕ ꯐꯁꯍꯔꯁ ꯋꯀꯧꯕ ꯐꯅꯥ ꯀꯕꯦꯂꯤꯏ ꯂꯤꯇꯤꯖꯗꯕꯤꯅꯤ॥

꯷॥ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯕ ꯇꯤꯂꯤꯏ ꯂꯤꯒꯗ ꯀꯥꯊꯏꯗꯗ ꯁꯥꯨꯊꯃꯗ ꯇꯏꯥꯇꯤꯕ ꯐꯅꯕ, ꯁꯥꯗ, ꯐꯅꯕꯤꯂꯤꯏꯗ ꯄꯨꯖꯇ ꯐꯤꯅꯦꯍꯕ ꯋꯃꯍꯕ ꯐꯅꯑꯦꯔ ꯇꯍꯇꯤꯏꯕꯤꯥ ꯇꯅꯗꯗ ꯐꯅꯕ, ꯁꯥꯗ, ꯐꯅꯕꯤꯥꯤ ꯇꯤꯃꯒ ꯃꯒꯗ ꯌꯣꯏꯁꯥꯤꯅꯤ॥

꯸॥ ꯁꯏꯄꯨ ꯎꯕꯦꯕꯤꯥꯤ ꯊꯧꯕꯍ ꯁꯥꯏꯕꯤꯕꯤꯂꯤꯏꯗ ꯑꯦ ꯀꯖꯕ ꯐꯋꯧꯏ–ꯐꯁꯧ, ꯌꯌꯏ–ꯂꯌꯏ ꯋꯐꯔꯤ ꯈꯤꯇꯒ–ꯇꯧꯁꯏ ꯂꯤꯇꯤꯖꯗꯕꯤꯕꯦꯅꯔꯕꯗꯤ॥ ꯁꯏꯄꯨ ꯎꯕꯦꯕꯤꯥꯤ ꯇꯧꯕꯤꯕ ꯊꯧꯕꯍ ꯁꯥꯕꯏꯂꯤꯏ ꯋꯃꯁꯐꯥ ꯂꯤꯇꯤꯖꯗꯈꯍ ꯊꯧꯏꯁꯥ ꯈꯤꯇꯒ ꯇꯧꯁꯏꯂꯤꯏ ꯂꯤꯇꯤꯖꯃꯗ ꯁꯥꯏꯕꯤꯅꯤ॥

꯹॥ ꯇꯅꯊꯧ ꯁꯧꯕꯤꯕꯤꯕ ꯁꯧꯕꯤꯕꯤꯕꯤꯂꯤꯏꯗ ꯇꯅ ꯀꯕꯦꯁꯕꯔ ꯂꯒ ꯌꯥꯔꯕ ꯈꯤꯇꯒ ꯇꯧꯁꯏ, ꯑꯒꯑꯔꯕ ꯀꯧ–ꯇꯧ, ꯁꯥꯒꯇꯍꯗꯌꯤꯏꯕꯂꯤꯏ ꯐꯤꯅꯦꯍꯔ ꯐꯅꯏꯥ ꯂꯏꯗ ꯄꯥꯀꯖꯗꯕ ꯀꯧꯒꯗꯕꯅꯤ॥

মনুংগী লামায়দা

	তাঙ্কক		লামায়
১।	উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী	-	১
২।	লৌতারোল (লংমাই লৌতারোল)	-	৫
৩।	লৌতারোল ঈশৈ	-	৭
৪।	লৌয়ান ঈশৈ	-	১০
৫।	খোই লোকপগী লাইরোল	-	৪০
৬।	খোইরা কৎপগী লাইরোল ঈশৈ	-	৪০
৭।	ফৌ মরু হুনবগী লাইরোল ঈশৈ	-	৪২
৮।	লৌ কাবগী লাইরোল ঈশৈ	-	৪২
৯।	লৌতারোলগী মরুওইবা মফমশিং তাকপা	-	৪৪
১০।	লৌতারোলদা শীজিন্নগদবা ফিশেৎ লৈতেং অমসুং পোৎলমশিং	-	৪৫
১১।	লাই হরাউবগী পাউশা ঈশৈ	-	৫২
১২।	লাই হরাউবদা শক্লবা ঈশৈ খরা	-	৬৫
১৩।	কোম্বারোল	-	৭৪
১৪।	শরোই খাঙবগী কাঙলোন	-	৭৭

উমংলাই হরাউবদা তাঙ্খুল নুরাবী

মালেমদা খুন্দারীবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা উমংলাইশিংবু ঈরাৎ-থৌনিবগী থৌরম অসি অঙনবা মতমদগী চৎনবী অমা ওইনা তৌনরকই। মৈতৈশিংনা উমংলাইবু লাইথৌ থৌরমশিংগা লোয়নন্না হরাউ শকশেম তৌদুনা থৌদু কুম্মৈ শান্নবগী থৌওং অসি নাৎকী চৎনবী অমা ওইনা মৈহৌরোলদগী ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লৈরি। মতমগী অওনবা কয়া লাক্কুনসু ঐখোয়না ইপা-ইপু উমংলাইশিংবু হরাউদুনা লাইথৌ থৌরম পাঙথোকপগী চৎনবী অসিমদি তোকহনবা নৎত্রগা হোংহনবা লৈত্রি। উমংলাই অমসুং লাই হরাউবগা মৈতৈ ফুরুপকা লৈনরিবা থাদোক্কুবা য়াদ্রবা মরী অসিবুদি লাপথোক্কুহনবা ঙক ঙমদ্রি। উমংলাই হরাউবনা ফুরুপ অসিগী চৎনবী ঙাকপদা মরু ওইবা থৌরম অমা ওইরি।

অসিগুম্বা উমংলাই হরাউবগী লাইথৌ থৌরম অসি তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক কয়া থোক্লা খায়দোক্লগা মথং-মনাও নাইনা পরিং অমদা পাঙথোক্লি। পরিং নাইন পাঙথোক্লিবা তাঙ্ককশিংদুগী মনুংদা তাঙ্খুল নুরাবী নৎত্রগা লৌতারোল হায়বা তাঙ্কক অসিসু অমনি। মপুঙ ওইনা কংলৈ হরাউবগী থৌরমদদি তাঙ্খুল নুরাবীগী থৌরম অসি মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইনা লৌনরক্লে। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা তাঙ্খুল-নুরাবী নৎত্রগা লৌতারোলগী থৌরম অসি উমংলাই হরাউবদা য়াওনরমদ্রবসু হৌজিক্কী মতমদদি থৌরম অসি য়াওদবা য়াদ্রবা থৌরম অমা ওইরে। লাই হরাউবা মখল খরদা থৌরম অসি য়াওদবসু লৈতবদি নত্তে। লাই হরাউবদা য়াওরিবা তাঙ্খুল নুরাবী অসি লাইনিংথৌ নোংপোক নিংথৌ অমদি লাইরেম্বী পান্থোইবী অনীগী তাঙ্কক অমগী ৱারীনি। থৌরম অসিদা য়াওরিবা তাঙ্খুল অসি নোংপোক নিংথৌনা মশক লোৎলগা তাঙ্খুল হুইটোক পাখঙ ওইনা লৈবনি। অদুগা নুরাবী অসিনা লাইরেম্বী পান্থোইবীনা মশক লোত্তুনা লংমাই নুরাবী ওইনা লৈবনি। অদুনা তাঙ্খুল নুরাবী অনী অসি লাইনিংথৌ নোংপোক অমসুং লাইরেম্বী পান্থোইবী অনীগী লাংওন অমগী ৱারী মতেক

অমগা লোয়ননা পাম্থোইবীনা তাইবঙ চাদা-নাওদাশিংদা লৌউ শিংউ তম্বীরম্বা মওং কয়াদু তাকপনি।

তাঙ্খুল নুরাবীগী থৌরম অসি লৈকাই-খুল অমগী লাই হরাউবগী লাইরোই নুমিৎকী ৱাকোল থাবা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকই। অহানবদা লৌতারোলদা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং অদু লাইমাঙদা মরাক তাইবা ফি অমদা থমদুনা মাইবনা অনম-অথৌ কোক্কনি। মদুগী মতুংদা মায়কৈ মরীদা মৈ হৌদুনা থাং কৎতুনা তিনমু লাইমু তানথোক্কনি। থাং কৎপা, মৈ হৌবা লোইরবা মতুংদা নুরাবীনা লাইমাঙদা খুল্লং ৭ কা লোয়ননা থোক্লুনা লৌতারোল শক্কনি। লৌতারোল শক্লিঙৈগী মাঙওইননা মফম অদুদা হরাউরিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনী অদুবু শৈথাদুনা থৌনিরোল মতেক অমা শক্লবা তুংদা লাইদুগী লাইচৎকী মতুং ইন্না লৌতারোল শক্কনি। লৌতারোল লান্না শকপা য়াদে, ফত্তে, তৌহৈদে।

লৌতারোল অমদি লৌয়ান ঈশৈ অসি লাইগী মতমদা পাম্থোইবীবু তুংলমচৎতা তাইবঙ মীওইবনা খঙহৌনবা চৎহৌনবা লৌউ-শিংউবা হৌদোক্লনবা থারক্লুনা লৌউ শিংউবা হৌদোরকপগী ৱারী পরিং অদু লাই হরাউবদা উৎপনি। শম্না হায়রবদা পাম্থোইবীনা লৌউ-শিংউবা হৌদোকখি হায়বদু উৎপনি। ইবেম্মনা লোইবী চীংমায় কয়াদা মখল-মখা কয়াগী চানবা মনা-মশীং থাদুনা ঐখোয় মীওইবনা করম্না তাইবঙ চিঞ্জাক তাল্লকপগে হায়বদু থৌরম অসিনা তাক্লি। লাইনা লৌতারম্বগী থৌওংবু নীংশিংদুনা লৈকাই খুঙ্গং অদুগী মহৈ-মরোং চুম্নবগীদমক লৌতাবা অমদি লৌয়ান ঈশৈগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিগী মপুঙ ওইবা নুংগী মশক্তি নোংপোক পাম্থোইবী ইবুংঙো ইবেম্মা অনীনা চক অমদা কায়নখিবদু চক অমদা উন্নবগা লোয়ননা পাম্থোইবীবু তাইবঙ চিঞ্জাক পুথোক্লবা থারক্লুনা তাইবঙ চিঞ্জাক পুথোক্লম্বগী ৱারী পরিং অদু লাই হরাউবগী লাইমাঙদা মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়না নীংশিংজবনি। ইপা-ইপু লাইনা তৌরম্বশিং অদু মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না কাউদ্রি ঙসিসু নীংশিংলি হায়না লাইদা উৎচরগা লাইনা পেনবীদুনা য়াইফ থৌজাল পীনবীনবা থৌরমসি পাঙথোকপনি। মসিদা লাইনা তৌরমদবা কয়া তৌশিনবদি ফত্তে-তৌহৈদে।

অমরোমদা খাবনা তান্নবদগী নোংপোক পাম্থোইবীনা অরোইবদা নোংচুপ খেবা চীংদা লোৎতুনা পাম য়ান্দুনা লৈরিবা অদু খাবনা খঙলকপদগী খাবগী

শাগৈ অপুন্বনা খুৎশম্নদুনা পল্লোন কোয়রগা মৈ থারকপদগী নাম্বোকফম লৈত্রবদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীমক-লাইগী মশক লৌদুনা তোঙান-তোঙান্না চৎনখি। তোঙান-তোঙান্না চৎনরমদাইদা ইবেম্মা নংবু মতম খরা তাইবঙ মীরক্তা তিন্দুনা লংমাই খুল্লাকপগী মচানুপী ওইনা লৈরুও, ঐনা তাঞ্জুল হন্দুং লান্থবগী মচা ওইনা লৈরুগে। অদুগা চক অদু য়ৌরক্লুবদা ঐনা পাম খূদিং নংবু থিরক্কে। মতমদুদা ইবেম্মা নংনা ঐঙোন্দা লৈহৌলা অউপ্পা ৯ অরোংবা ৭ না য়োন্বা উতং মতাং অনীগী কনম পয়া ৯ অমসুং ৭ না পুনবা মৈ চংবা পোৎ য়াওদবা উহৈ ৱাহৈতনা য়োন্বা চাকয়োম পীরবদি নংবু ঐগী ইবেম্মনি খঙগে তাকপিরে। অদুগা ইবেম্মনা ঐবু খঙনবা খুদম ওইনা করি লৈবগে হংলবদা ইবেম্মনা মখুৎতা শীরিবা খুদোপ অদু পুথোক্তুনা খুদোপ অসি ইবুংঙোনা অমুক ঐঙোন্দা পীবীরবদি ইবুংঙোনি খঙজগে হায়রে। মদুদি য়াররোই লাইগী শক্তম লৌদুনা থৱায় ওইনা পাইখ্রগদবনি। মদু নত্তবা অমত্তা লৈত্রে হায়না ইবেম্মনা মরৈরবদা ইবুংঙোনা কৌব্রু মায়কৈ ওন্দুনা ইমা লৈমরেল কৌদুনা কপলক্লুবদা ইমা লৈমরেলনা কৌব্রু ফিশাং হায়রক্লুবদা ইবুংঙোনা খুদোপ্পু লংখৎতুনা ইমা লৈমরেলগী মফমদা খুদোপ শিন্নজখি। নচানা কুমওন শুদুনা ইমাগী নাক্তা লৌবা লাকচদ্রিফাওবা খুদোপ অসি কনাদসু পীথোকপিগনু হায়না পাউমেন্নখি। খুদোপসি নপারি নমোম শক খঙনগদবা খুদোপনি। খুদোপসিনা মাঙখ্রবদি নপারী নমোম অমুক হন্না শক খঙনররোই হায়না শিন্নখিবা খুদোপনি। ইবেম্মা হৌজিক্তি মতম লোয়রে চাকমাঙ য়ুমাঙ চারক্নু, পোলাংদা ফিনা কুপ্পগুম শরুদা উনশা খক্তনা কুপ্লাবা ফাওবা লৈয়ু। চাকমাঙ ফিমাঙ হেক নংবদা লাইরমলেন দা হঞ্জিনবা য়াদবা হায়না শরি ৱাশক্লরে। ঐখোয়না হিংগদবদি উহৈ-ৱাহৈ চাদুনা, চীংজুম থক্তুনা হিংগদবনি। থানরিবা মতমদু য়ৌরবদা ঐনা নংবু পাম খুদিংদা থিরক্কে হায়নদুনা কায়নখি।

অদুনা লাক্লিবা তাঞ্জুল নুরাবী অসি চাকমাঙ ফিমাঙ নংবা য়াবা নত্তে। চক খুদোপ অমসুং চাকয়োম অসিসু অচম্বা নত্তে। চক খুদোপ পীবা অমসুং চাকয়োম অসিনা চক খরা লাপ্পরুরবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনী শক খঙনগদৌরিবনি। নুরাবীনা লৌ য়ানবসু তাঞ্জুলনা য়ানগনু হায়না থিংলবসু নুরাবীনা য়ানগনি। অনীমক্না ইপা-ইপুগী খৌ মরৌচানি হায়না য়েৎনগনি। য়েৎনরিবা অসি লম মুন্নবনি। মুন্নরিবা অসি ইবুংঙো ইবেম্মা অনী অসি লমদম অমমমদা শায়োন তৌদুনা লৈনরুরবা মতুংদা থানখিবা চক অদু য়ৌরে হায়না ইবুংঙোনা ইবেম্মাবু

পাম খুদিং চৎতুনা থিরকপনি। ইবুংঙো ইবেম্মা অনী থেংনরবসু চুন্নব্রা শেংলব্রা অশেংবা খঙননবা মরৈ তৌনবনি। ওইগদ্রা খল্লগসু কনাগুম্বা লাই ফত্তবনা শায়োন তৌদুনা লৌনম তৌগদ্রা খনবদগী কায়নরমদাইদা শিন্নখিবা পোৎপু খুদোল পোৎ পোৎতপ ওইনা তাংখুলবু থেমদুনা তপলকপনি। নুরাবীনা তাঙ্খুল থেম্নবা হোৎনবদা ইবুঙনা লাকপা লম্বীদা থেংনরকপশিং হংলকপনি। চেক্লা অনীনা পামেল ফৈরাদা য়াম্না নুংশিননা চিল্লোক্লবা থেংনরিবা অসি চক খরা কায়নখ্রবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনী শোয়দনা থেংনরনি তাকপনি। মসিদা অচোপ অরেং ওইনা পুথোকপা ফত্তে।

তাঙ্খুল নুরাবী অনীনা মরৈ য়েৎনরিবা খুদিংমক মখোয় অনী অমত্তনি হায়বা তাকপনি। মদুদা নাতে চাদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবা তৌফদে। লম তাকপগী খুদমদা লৈতোংপুঙ লমখৈ অমা থল্লিবা অসি ঐগী লমখৈনি হায়বদগী হেন্না মখোয় অনীমক্কী ওইবা নুংগী ৱাহৈশিং পুথোকপা চুমদে। নুরাবীদা লৈরিবা মরুম ৭ অসিমক লাইপি লাইপানি। মতাংসিদা পল্লিবা পুখম, শেঞ্জা, ঈরোই মচিনাচিংবশিং অসি লমখৈ খঙনবা শীজিন্নরম্বা মওংশিংনি। থৌরম অসিদা য়াওরিবা য়ু অসি পুকয়ুনি, লাইগী য়ুনি। য়ু অসি ঐখোয়না পংশি শীজিন্নরিবা য়ু অসি নত্তে। মসি শেমগে হায়রবদি ফৌ অদু নুমিৎ ২/৩ তিংলগা লৌখৎতুনা মতোল নীংথিনা থোক্লিফাওবা ওমগনি। মতোল থোক্লবা ফৌদু কংনা অমুক ফৌদোক্কনি, অকংবা ফৌদু য়াম শানা শুরবা মতুংদা য়ুকোন অমদা হাপ্লগা মদুগা চান্নবা ঈশিং হৈজিন্দুনা ওৎপা য়াবা ওৎলগা নোংমা থমগনি। নোংমা থম্লবা মতুংদা পয়ানা শাবা য়ুচুম খরাইদা চুমথোক্লুনা লৌবা অদুবু লাইগী য়ু ওইনা কৎনৈ, লাইয়ু কৌনৈ। লাইয়ু শেম্বা মতমদা অমাঙ অশেঙ চোকশিন্না ঙাক্কনি।

থৌগল ঈশৈ অসি শকপা লোয়রগা লৌতারোল ঈশৈ অমুক শক্কনি। লাইচৎকী মতুং ইন্না লৌতারোল ঈশৈ শক্কদবনি। লৌতারোল ঈশৈ লান্না শকপা য়াদে। লাইদুগী অমদি লমদুগী লাইচৎ য়েংদুনা লৌতারোল শক্কনি। লৌতারোল ঈশৈ অসি মখল অহুম থোক্লা লৈ, মদুদি ঃ-

১। ফৌওইবী অকোংজাম্বগী লৌতারোল।

২। শৌবোল লাইরেম্বী লৌতারোল/নুমিৎ লৌতারোল।

৩। পোইরৈতোনগী লৌতারোল অসিনি।

লৌতারোল অসি খঙদ্রবদি লাইগী মতিক ময়াইতনা খুৎলাই ওইনা লৌ খোইবা তমখিবগী মখাগী লৌতারোল অসিদি লাইফম খূদিংদা শকপা য়াই হায়না **খুনুং লিচৎ শাজৎ** অরিবা পুয়া লাইরিক্তা পীরি। মদুদি ঃ-

লৌতারোল ঈশৈ (শিঙকপলোন শহেক্তা শক্কনি)

''হোয়রৌ হয়া, হোয়রৌ হয়া, হোয়রৌ হয়া
হৈয়াসে, হৈয়াসে, হৈয়াসে, ইংসো, ইংসো, ইংসো,
হে-হে-হে, হে হুপ - হে হুপ - হে হুপ,
লমলেন মদাইমদা, কংলৈ য়োন্দা পুংময়োন্দা
য়োইম-য়াইবু তাওদনববু তাওরোইনাইবু অঙানববু
মালেম-খৈবু লাংজ-খৈবু সনা তোনববু খোম্মতোনববু
থবিরেংবু শেঙ্গোইরেংবু অপানবদি লৈজহৌখিসনো।''

হয়ি-চকঙৈগী চীংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ
য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা
চীংঙু ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী
লোইদাম কুমদমলৌ অসিবু
খালৈ লৌতা হৌরকঙৈ
শারেল নোংশা খ্বাঙনৌবনা অরৎ ফাইত্র
পাম্বা কৈরেল লাবনা তিতি ঙমগা ফানা
খরৌনা পোৎপু ওই
লিন্দুনা কাংজৈ ওই
নারিন্না লুমলি ওই

লীক্লাং কোন্দেং ফেংনা
ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী কংলৈ নশুমাঙ অসিদা
ঙসিগা থানা নুমিৎ (মশীং হায়দুনা) নি
হরাউ শকশেম তম্ববু চীংঙু ইবুংঙো
ঙসি লাইরেল কোরৌ নুমিত্তা
তীনচা লাইচা ফত্তববু খোইয়ুম নঙাকথোক্কী ঙাকপিরম্মু ইবুংঙো।
চীংঙু ইবুংঙো নদাইরেম ঈপা ঈচা শঙ অহুমমকপু কুমলদুনা
নশূ ইবুংঙো লাইরেল ননোংয়ায়গী
য়াৰা পুন্সি চরৈ নুংশাংববু পীনবিরম্মু ইবুংঙো।
চীংঙু ইবুংঙো নদাইরেম খুঙ্গং অচৌবগী
লোইমোম ফৌবান চাওননবা
মহৈ-মরোংবু চূম্নবা
কাওরেল শঙ্গোলবু থন্নবা
তয়ুম নাইকোন থন্ননববু
চীংঙু য়াৰা নপুন্সিবু
হা খোইয়ুম চরৈ ফিগাউ শানা
নদাইরেম পূম্নমক্লা য়ার্জরকলে।
চীংঙু ইবুংঙো হা খোইয়ুম ইবেম্মা,
ইবুংঙো ইবেম্মা অনীমক্লা
নদাইরেম খুঙ্গং অচৌববু
থৰায় হামচৎনহনবীগনু মীরেন হামফোইনহনবীগনু হায়রদুনা
চীংঙুবা নঙগী ঙাংলৌ খাদা খুরুমজরি।
চীংঙু লাইরোই তানগে হায়রকলে।
চীংঙু ইবুংঙো, নহালনোং লংমাই নুরাবী ৭ না
তরাগী চাকঙন চারদুনা
খ্বাঙচেৎ মচি নাইনা য়োৎলৈ খূত্তা পায়দুনা
তেম্পাক লাল্লু শোই হারু তেংমায় ফুক
মালেম লৈকল তৌ শেল্লোই লৈথোঙ হাংববু
চীংঙু ইবুংঙো লোইদাম নকুম কুমদম লৌ
নথা থাজ লৌদা নদাইরেম খুঙ্গং অচৌবগী
মহৈ চুম্নবা খালৈ লৌতাজরুরগে লাইনিংথৌ।

পিরেন মচি ইখোম্মা খালৈ ঙমথুংলে, হৈ হয়া।
খোইয়ুম লাইনিংথৌও য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বী
চীংঙ্গু ইবুংঙো ইবেম্মা অনীনা
খালৈ লৌরেনবা চাইচি লৌরেন পাক্তা পাকপা অসিবু
কেগে মোইরাংচাদি শিদফৌ
নোংয়াই খুমনচাদি নাদফৌ
নোংবান লোইজ য়াংবা
লোইমোম ফৌরম তরামরিমক্লা
থাংই চেহি নালং য়ামচেং লৈকুপ শিরসে।
চীংঙ্গু নরনকু খোইয়ুম নথৌজান্না
পোইরৈ মীপুম মাবু শেন্দনা
ব্রাংঙম তেৎনৌ চিদাই নাই
থাংই মপান ফাবা
লোইমোম মহৈ চুম্ববু লনকুবীরমমো ...ও।
চীংঙ্গু খোইয়ুম লাইনিংথৌ
য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা
চীংঙ্গু ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী
লোইদম কুমদম লৌ অসিবু
খালৈ ঙমথুং তাল্লে হৈ হয়া।
নয়ু লৈবু হোংনেম লৈবু লৈপুসিবু
শিংঙেন তোংদম পুন লৈরাং লৈয়োম শানা
খোইয়ুম সনা খুয়া খাদা
শিংঙেল লৈরাংনা শিল্লমগে হৈ-হয়া।

মথক্কী লৌতারোল অসি নৎত্রগা মখাগী অসিসু শকপা য়াই মদুদি ঃ

ঈশৈ

হা মালেম সনপোৎলোই ও
মালেম থিনকাই হৌরো
তিংগোই পূমথাং লোললেদা লৌতারসে
হে-হৌ- হৈ হৌ হয়ানগেদা
হে-হে-য়িয়ো, হে-হে-হে য়িয়ো,

লিনখাক্লা ৱাইখুমিৎ ওই
তুমবুন নাওপুন্না য়োৎথাংলি ওই
তাংলৈনা য়োৎচৈ ওই
খৌনাইবন লাংগোল ওই
ঙৌনাইবন য়োৎথোন ওই
থেঙ্গুনা লোংখুম ওই
লিলহানা চৈবুল ওই
তরেৎ হাকাশোন তিতি ঙমগা চিংনা
খালৈ লৌখোই হৌরকঙৈগীবু
চীংঙু নকুম কুমগাওদা
খোইয়ুম লাইবুংথৌ মাপনমক্কা
য়োইবু খোইমোম লাইনুরা তরেৎমক্কা
লাৎলোল কোংয়াং ৱারুকোন অকোনবদা
থৌরৈ নিংদুম্বা তেৎলৌ য়াফাকপানা
য়োৎলৈ লোংনা ফান্না
খালৈ লৌতা হৌরকঙৈগীবু
থাজ ৱাকাওদনা খোইয়ুম ইবুংঙো ইবেম্মনা
নকুম কুমদমবু ফংলক্লবনি,
চীংঙু নংগী লোইদাম কুমদম লৌ অসিদা
চীংঙু নরমবু খোইয়ুম নমাইবা
অশৈ লৌতা য়োইরেল লৌদা অনীমক্লা
হাওশী ঙমগা চিংনা
খাবীয়োম লোইহৌ অশৈ খোংফাংলেং
পোইরৈ খুঞ্জা তয়ুম লাইজ হৌনা
য়োৎলৈ নোংথাং কুপ্পা
তেংপাক লাল্লু শা
হারু নোংগা ফৌ
পোরোম মচা শম কাইথেৎ মরু তুপ্পা য়ুবা খুমন তান
য়াংদৌ মমৈ শম্না, ৱাহি কোক্তাই তুপ
লৌরি শুংদাই য়ান্না

পানফুক পানফোই লৌনিদা য়াল্লো হে - হো য়ানসে
শৌগ্রী ময়াংবা লৌনিদা য়াল্লো হে - হো য়ানসে
লোম্বা তেকতা লৌনিদা য়াল্লো হে - হো য়ানসে
ফৌরেল ফৌজাউ লৌনিদা য়াল্লো হে - হো য়ানসে
ফদিগোম পাখোল লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
শিংখা শিংথুম লৌনিদা য়াল্লো হে - হো য়ানসে

নুরাবীগী লৌয়ান ঈশৈনা মতাং অসি য়ৌরকপদা তাঙ্খুলনা নোংপোক চীংখৈ পাংবদগী লিরুং, তেন, তেনদোং নমদা পো, খুত্তা তাপাক পায়দুনা নাকন্দা পাই য়ান্দুনা থোরক্লগা লাইগী হোই লাউফম ফাওবা লাক্কনি। তাপাক অদু লাইবৌলা থাফম মনাক্তা থল্লগা মায়কৈ মরী, লৈথক-লৈখা (কোরৌ মালেম)দা তেন্দমগনি। অহানবদা থংজিং চিথেকলোমদা চঙশিন্দুনা থংজিং মায়কৈদা তেনজৈ অমা তেন্দমগনি। মথংদা মার্জিং চিথেক্তা তেন অমা অমুক তেন্দমগনি। মথংদা ৱাংব্রেল চিথেক্তা লাক্কুনা তেন অমা অমুক তেন্দমগনি। মথংদা কৌব্রু চিথেকলোমদা লাক্কুনা কৌব্রু মায়কৈদা তেন অমা অমুক তেন্দমগনি। অরোইবদা লাইবৌলা থাফম ময়ায়দা লাক্কুনা তেন অমনা কোরৌদা অমুক মালেমদা অমুক তেন্দমগনি।

মতাংসিদা তাঙ্খুলনা তেন্দমলিবা অসি মশাগী মরানয়াইদগী খোংশান্দ্রিঙৈদা মায়গৈ পুম্নমক্তা লৈরিবা তিনমু-লাইমু ফত্তবা পূম্নমক ঙাকথোক্লবা তেন্দমবনি। মায়কৈ ঙাকথোকপগী তেন্নি। তেন অসি লোংঙানা লিরুং ওইরগা তেনৱানা তেনজৈ ওইগনি। লাইগী মতমদদি লাইমতোনগী লাইৱানা তেন ওইরগা কৌব্রুগী তেনৱানা তেঞ্জৈ ওই হায়না লৈ। হৌজিক্তি পুম্নমক শুপচিল্লগা মীগীসু লাইগীসু য়ানবা উতং ৱাগী লিরুং তেন ওইনা শীজিন্নবদা অকায়বা লৈতে।

ঈশৈ (খুল্লং শৈহেক্তা)

তাঙ্খুল ঃ চীংশোং খুনু লমলৈমা
লমগী খুনুদি থাবিরকপী
চেক্লা নঙনা পামেল উফৈথক্তা তোংলগা
চেক্লা নখৌ ইপোঙ পোঙ
পোম্বী নথিক ইনোয় নোয়

হায়নবু শৈহৌ শৈশক্লদুনা
চীংঙু খোইয়ুম য়োমলোই হৌনা লৌতাখিববু
নখুন খুনবীলেপ অচৌবা নমু মীয়াম হৌ,
অমাই কাঙলুপ হৌ অশৈ খোঙলোই লেংগা তিন
খাবী কাঙলুপ য়োমলোই হৌনা
নহালনোংগী লৌতারোলবু শৈশক শৈথাদুনা
লৌতারোলবু শৈশক্লা কৎচরি
অয়োন-অরান খিবিকপু চীংঙু নঙাকথোক্কী ঙাকপিয়ো,
খোইয়ুম নকনথোক্কী কনবীয়ু
চীংঙু খোইয়ুম অনীগী লৌতাজরগে
নদাইরেম খুঙ্গং অচৌবগী লোইমোম ফৌপান চাউবা
মহৈ মরোং চুম্ববু পীনবীয়ুনে লাইনিংথৌ
য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বী।

লৌতারোল ঈশৈ শকপা লোয়রগা নুরাবী অদুনা লাইবৌলা থাফম ময়াদা মমায় ওন্দুনা লাক্লগা শম অদু থাদুনা থল্লগা য়োৎ পায়দুনা খুল্লং ৭ কা লোয়ননা লৌ য়ানবগী মওং উৎপগা লোয়ননা লৌয়ান ঈশৈ শক্কনি। খুল্লং ৭ মকসু খুমদুনা ঈশৈ শক্কনি।

লৌয়ান ঈশৈ

লাইনিংথৌগী খালৈ মরৌচানে য়াল্লো হে - হো য়ানসে
লাইরেম্বীগী খালৈ মরৌচানে য়াল্লো হে - হো য়ানসে
ঈপা লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
ঈপু লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
লৈপাক মরা তপ্পা লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
নিংথৌ পুন্সিনবা লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
খুঞ্জাও লৈচাউ লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
মহৈ মরোং চুম্না লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
পুন্সি নুংশাং লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে
চাক চয়িল লৌনি য়াল্লো হে - হো য়ানসে

খোমজিন অপুনবতমক হায়গনি। অদুনা ''চেক্লা নখৌ ইপোং পোং, পোম্বী নথিক ইথন থন'' হায়গদবনি।

তাম্বুল ঃ চীংশোংনিদি অশূপ্পী, নরালনিদি অৱাংবী, খোয়নৌনা নতা ময়ামদা পাউদম শাববু চীংঙমলোন্দ অরেম্বী, চেক্লা নঙবু কনা ওইরবনো ?

নুরাবী ঃ চীংশোংনিদি অসুপ্পা নরালনিদিবু অৱাংবা, শারাউ লাল্লাউ শাখোন্না, কোরৌনা খোকতুম খেক ৱাংবলনা লাউবগুম থরাউখোলনা, মালং পাউহংলকপদি চীং ঙমলোন্দা অরেম্বা,
তম্বা নঙবু কনা ওইরবনো?

তাম্বুল ঃ হা... ইবেম্মা, নিংঙোল ওইবীগী নপাউদি তারে
লমগী লমলোংনদি য়াম্বনিনা
অৱাং পাংনা কাসিসু কাঙমদরে
মখা পাংনা চৎসি চৎঙমদরে
নোংপোক পাংনসু কাঙমদরে
নোংচুপ পাংনা কুমসিসু কুমঙমদরে
ময়ায় শুপতোংপাল কোয়রেলদি লৈকোয়পুং
পাখংনা ইদোম লেপ্তনা লৈরেদো
নিংঙোলনা লমজিংবীবা মতম ওইদ্রিবরনে নহাকপু।

নুরাবী ঃ হা ইবুঙো সহ্নোঙ লীকলম পাংনসু কুমলুগনুও,
থাংজিং মাগী মরমখৈ তাগনিয়ে,
চীংখৈলম পাংনসু চৎলুগনুও
মার্জিং মাগী মরমখৈবু তাগনিয়ে,
খালম পাংনসু চৎলুগনুও,
ৱাংব্রেল মাগী চীংঙু মরমখৈ তাগনিয়ে
অৱাং লীক্লমখৈসু চৎলুগনুও,
কৌব্রু মাগী মরমখৈ তাগনিয়ে
ময়ায় শুপতোংপাল কোয়রেলগীদি লৈকোয় পুং
ময়াই লম্বী চুম্না কূম্বীরকও
চেংলৌ নশক ইশক উনরগা
তাউজিং হৈরাং চামিন্নবা য়ারগনা
তাউজিং হৈরাং চামিন্নসি,

চেকলানা কু ক্রু, কু ক্রু, কু ক্রু হায়নমক্তবু,
খোম্থাংঅহুম্মক্তবু খোংবদি
লাংহৈ কুমশিং কুমগাউখ্রবী
লোইদাম থাশিংসু থাগাউখ্রবী
নিংঙোল মাগী মপাউমক্তবু পুরকপরনে চেক্লাও,
চেক্লা নঙনা নিংঙোল মাগী মপাউ পুরকপা ওইরবদি
চেক্লা-ওদা নঙনা পাখঙ ওইবা ঐঙোন্দা
চেক্লা নপাউ শেংনমক্তবু তম্মুগবা পোম্বী।

অহানবদা তাঞ্জুলনা হেক শকলকপদা নুরাবীনা খুমলোই। অহানবদা তাগনি অদুদগী ঙাইখো ইতারোইশা তারিবা অসিবু তাইবঙ মীগী খোঞ্জেল্লা খোইয়ুম লাইগী মপাউরা তাখিসি হায়না খুল্লংশিংদা হায়গনি। তাঞ্জুলনা মথং মথং ২রক শক্লক্লবা মতুংদা নুরাবীনসু খুন্নগনি।

নুরাবী ঃ চীংশোংগী খুনুদি লমলৈমা
লমগী খুনুদি মৈপুংবী,
চেক্লা নঙনা শহিগী থেনজাউথক্তবু তোংলগা
চেক্লা নখৌ ইপোঙ পোঙ,
পোম্বী নথিক ইনোয় নোয়
চেক্লানা খোম্থাং নাইনা মক্তবু অরাক-অরাক্লা খোংবদি
লাংহৈ কুমশিং কুমগাউখ্রবা
লোইদামনা থাশিং থাকাউখ্রবা
লাইবক থিবী নিংঙোলগী
ইশাবী ইবুংঙো খোয়ুমগী মপোক লাংওনখিবা
তম্বগী মপোক লাংওল্লকপা মক্তবু ঙাইবদি
লোইদাম থাশিঙ য়ামশিল্লক্লে
লাংহৈগী কুমশিঙসু কুমগাওরকলেনে
তম্বা ওইবা মাগী পাম্মু মপাউমক্তবু পুরকপরা
চেক্লা নঙনা ঐঙোন্দা
পোম্বী নপাউ শেংনা তম্মু-তম্মুগবা ইতারোই।

মতাংসিদা লমগী খুনু শৈথারকপা মতমদা "পোম্বী নথিক ইচোই চোই" হায়বগুম্বা অসি লাইরোইনিনা কায়বা, চোইবা, চাইবা হায়বা য়াদে। তাশিনবা

হৌনা পান্দোংমক্তবু ফুকপ
খালৈ লৌয়াল তম্ববু
নিংঙোল ... য়োৎলৈও মশীং কয়া শুরবগে ইবেম্মা...!
নিংঙোল নপাউমক্তবু শেংঙো শেংঙো ইবেম্মা।

নুরাবী ঃ- হা ইবুংঙো ... তাঙ্খুল হাওবা পাখং,
নিঙোল ওইবী ঐহাক্কী য়োৎলৈ মশিংদি থম্নু থম্বীখো,
নপল মণ্ডল তরং চীংদি অৱাংবা
মঙাল তরং হৈয়াই ৱাংবা চীংদগী
তৌজনা পোপতেক লোনবা,
শিংঙুৎনা নাচোম য়ৈবা নরমখৈদগী
অয়ুক্কী য়েন্দাদি অঙনবা,
তরাগী চাকঙলমক্তবু চারগা
খুবোম য়াইশিমক্তবু লোলশিনলে
খূদাং হায়জৌ শিজিল্লে,
ননাদা ৱাকতং নাশিমক্তবু চিনশিল্লে
নাকলদা পাইবু য়ান
তেনদোং নমদা পোরদনা
তিমেল তাপাক নখুৎনা পায়
হাওদৈ অয়াকপবু ৱাংলৈ অতিংববু থক্লগা
য়াংদৌ খোংদোইরকপবু,
নিংঙোলগী ইনাক য়ৌরকপদবু
খোঙকাপতসু মশীং কয়া শুরবগে য়ে... য়ে... ইবুংঙো।

তাঙ্খুল ঃ- আ... ইবেম্মা তারো তারোকো নুরাবী
ইপলনা মণ্ডল তরংনিবু চীংদগী
তরা চাকঙলমক্তবু চারগা
খোঙকাপ নাহৈমক্তবু থাংলকপা
খুদোলনা লাম্ববু লোংলৌ কান
পাখংনা থাংলকপা খোঙথাং মশীংগা
নিংঙোল ওইবীনা তুমু লৈকল তৌবা
য়োৎলৈ মশীংগা লাইমা মান্নরুরমাননে

শিংঙেল লৈরাং চিনমিন্নবা য়ারগনা
শিংঙেল লৈরাং লৈচা শেৎনা চিনমিন্নসি
ময়াই থংবা লম্বীদা,
য়াংদৌবু খোঙদোই
হুনবীরকলো, নুংগী পরৈ কিশি হন্নসি।

তাম্বুল ঃ আ.... ইবেম্মা,
তাম্না নাইল খোংগুম্বী,
নিংঙোলনা তাকপসু লম্বী মতুংইন্না,
পাখং য়াংদৌ খোঙদোই হুল্লকলগে
চেংলৌনা নশক ইশকপু উনরগা
হৈরাং চামিন্নবা য়াবা মতাং থোক্লগা হৈরাং চামিন্নসি,
শিংঙেল লৈরাং চিনমিন্নবা য়ারগা
শিংঙেল লৈরাং লৈচা শেৎনা চিনমিন্নসি,
নুংগী পরৈ কিশি হন্নরসিদা
পাখংসু খোঙদোই হুনলক্লগে,
এ ... এ... ইবেম্মা।

মতাং অসিদগীদি তাম্বুলগা লংমাই নুরাবীগা শক্কা-শক্কা উন্নরগনি। শক উন্নরবদসু তাম্বুলনা ঈশৈ মখা তারক্কনি।

তাম্বুল ঃ হা ইবেম্মা লংমাই শরমদি নুরাবী
নপলনা লংমাই লৌদি লৌচিল তুম,
শেল্লোই লৌদিসু লৌকা ফাক
অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবা
তরা চাকঙলমক্তবু চারদনা,
লংমাই খুল্লং ৭ মক্তবু পুরদুনা,
য়োৎলৈনা লেংদবু থোংঙগা
হাওশম্না তুংদা য়ান্দুনা
মালেম লৈথিন শোয়
তোমপাক লালু তোই
তুমু লৈকলমক্তবু তৌবদি

নুরাবী - হো য়াল্লো - হো য়ানসে
হো য়াল্লো - হো য়ানসে
হো য়াল্লো - হো য়ানসে

তাঙ্খুল ঃ- ইয়া - ! য়ানকনো হায়রকা কিরিকী উনপী থোইচৎনপনো, তানা-থিনকে, তেনসিনা কাপ্পীকে, ইয়া ... ইয়া....।

অসি হায়রগা তাঙ্খুলনা তান্নগনি নুরাবীসু খুল্লং ৭ কা কায়দুনা চেনগনি। তাঙ্খুলনা নুরাবী তান্নবদা কুম্মৈ শান্নরিবা লাইবুঙদুগী ৱাংমা লান্না চেনবা তান্নবদি য়াদে। কুম্মৈ য়েংলিবা মীরক্তা চেনশিন চোংশিনবা তান্নবসু য়াদে। কুম্মৈ শান্নরিবা লাইমাঙদুদা চেনবা তান্নবা তৌগনি। য়ারিখৈ অশোক অপন য়াওহনলোইদ্দবনি। অশোক অপন য়াওরবদি ফত্তে।

নুরাবী - হো ইপুঙ কিরিকী ঐখোয়পু কোয়তান তান্নপ্রা? শাউকনুনে, নুংঙাইপা ৱারী শাসিনে, উনপী মনুং হৌকনো, ইপুংপু কতায়তা চৎকে হায়তুনা লাকপরা, নচলকী নাক্তা চঙলকপিদুনা নুংশি ৱারী শাপা ওইশিনে।

তাঙ্খুল - হাইস! লৈশাকী য়াৱা নপাও তাপতি নপুংনা ইচলপু নুংশি শাপা ওইখ্রেতা। ইচলনা নুংশি ৱারী শাসি হায়পতি ঐকী মপুকসু শাওপীতপনে।

নুরাবী - হো, ইপুং- ইপুংপু কিরি লমদকিরা, কিদায়দা চৎকে লাকপরা, কিরি-কিরি পুপরা?

তাঙ্খুল - ও: ইচল ঐতিকো অৱাংবা লোইপী চীংতা পানপনে, ঐকী নুপীসু নাতুনা লৈপীপা, ঐকী থপকসু শূনিংঙাই লৈতপা, ঐকী পামতা শিঙেল হৱায় খরা থাপসু উচিনা লোইনা চাথোকখ্রে। অতুনা কো তমতা কুমতুনা লৈরক লাংখোং খরা শূপীকে অদুকা তরেৎ শেঙ্গা খরা তানপিকে হায়তুনা হাকুমকী পামমলদগী পানতুম হাতুম থপী, মাইরেল খরাসু পুপনে। চাফু অমনবা খরাসু থিকে, হুইপী-হুইনাও খরাসু লৌকে।

নুরাবী - হো ইপুং, ইপুংকী য়াৱা নপাউ অতুতি নিংঙোলনা তাপতা ইপুংপু য়াম্মা নুংশি শাপা ওইয়েদো। অদো ইপুং, ইপুংনা লোইপী অৱাংপতকী অসুম কুমলকপতা কিরি-কিরি থেংনপীপরা, নচল ওইপীতা খরা তমপীয়ুনে ইপুং!

নুরা-ও নিংঙোল পাখং অনীনা
হৈগুম হৈশুং নাইনরগুমসি
লৈরাংগুম লৈচা শেৎনরনুসি হায়ববু
নিংঙোলগী পায়মা পুক্লিং করি লৈবগে
নিংঙোল য়াৱা ফিগৈ শেংবীরকউনে ইবেম্মা।

মতাং অসিদা নুরাবীনা মতা খুল্লং ৭ কা লোয়ননা লৌয়ান ঈশৈ শক্তুনা লৌ য়ানগনি -

ইপা লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
ইপু লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
ফৌঙাঙ লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
তরা লৌনি য়ানসিদা - হো য়ানসে

তাঞ্জুল - ওয় লংমাই নুরাপী,
ওয় ইচল নুরাপী,
ওয় নুরাপী,
কিরিকী ঐকি মরৌ য়ানপ্রনে
ঐকী ইপা ইপুকী মরৌচানি
য়ানপা য়াতে য়ানকনো

ঈশৈ মখা চৎথদুনা লৌদি অদুম য়ানগনি -

য়াইফৌ লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
চুজাক লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
চহাও লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে

নুরাবীনা খুলং তরেৎকা লেপ্তনা লৌ য়ানগনি তাঞ্জুলনা শাউনিংনা হঙ্গৎ-হন্দ চৎলম্বদগী শাউনা লৌ য়ানফমদা চংলক্তুনা

তাঞ্জুল - ওয় ... য়ানকনু হায়রগা কিরিকী য়ানপরনে, য়ানকনো য়ানলপদি তাসিনা নপুক্তা থিনথোককে খঙকনি।

নুরাবী - ওয় ... তাঞ্জুল শকথিপা ঐগী ইরৌচা পামলৌ য়ানপপু য়ানকনো- য়ানকনো হায়পা শাপতি কিরি ওইপ্রা ?

তাঞ্জুল - ওয় ইচল ঐকি মরৌচানে য়ানকনো।

নুরাবী - হো ইপুং, ঐসু কিরিনো অমা থেংনপা ওইপনিনে, ইপুং।

তাঙ্খুল - অতুতি কিরিরা ইচলনা উপতু নপুং ইঙোনতা পাউতম শাওনে।

নুরাবী - হো ইপুং ঐনা লাইচা ঈশিং শোকপিকে হায়তুনা পুনলাং কোক্তা থোংনা ঈশিং খোংতা কুমথপতা ফুগ্রি ফুগ্রাং থুংপা মখোয় অনী লৈরমপনিনে। অমনা খরা চাওপা অমনা খরা পিকপনে। খরা চাউপতুনা খরা পীকপা অতুতা চোংশিনতুনা ফুপিপানিনে। অতুতা ঐনা অপীকপা অসিতা ফুপিরে হায়তুনা লৈতুমনা থোমপিপনে। মতুতা মখোয় অনী ফল-ফল চোংথোকখিপনিনে। অতুকা কোংকোল অসুক চাউপা (মখুৎ অনীনা তম্বা) অমা তাহৌপনিনে ইপুং। মতুতা কিরিনো হায়না মুন্না য়েংপনিনে, ইপুং।

তাঙ্খুল - হো ইচল মতুতা কিরি কিরি য়াওপা উপকে তম্মুতো ইচল।

নুরাবী - হো ইপুং তমপিকেকো, অসুক চাউপা মতুম অতুতা মরি অমসু শাংনা উপনিনে, ইপুং।

তাঙ্খুল - এ! ইচল মতুতা কিরি কিরি পকপা উপকে নপুংতা শেংনা তমপিপা ওইয়ুনে, ইচল।

নুরাবী - হো ইপুং মরুমলা কিরিরা খঙতপা মুশুক-মুশুক মুপা য়াম্না পকপনে।

তাঙ্খুল - ও: য়াম্না পকপা, এ ইচল অতুতি মরিতু শাংপরা তেনপরা তম্মুনে, ইচল।

নুরাবী- ইপুং ঐনা সুম উপতা মরিতু য়াম্না শাংপা মানপনিনে ইপুং।

তাঙ্খুল - এ! ইচল অতুতি ঐনা হংপিকেকো, ইচলনা উপা মরুম মানপতু কুংপ্রা লনপ্রা শেংনা পাউতম শাখ্রো।

নুরাবী - হো ইপুং নচলনা উপতি মরুমতু য়াম্না কুংপা ওইপনিনে।

তাঙ্খুল - আস! ইচল অতুতি য়াম্না ফপা ওইপনে, ইচলকী খুল অসিতি য়াম্না ফৈয়েনে, মতুকী মরীতু য়াম্না শাংপতি নখোয়গী খুনকী অহল লমনকী পুন্সি য়াম্না শাংই হায়পনিনে। মরুমতু কুংনা নপ্লপতি কো ইচল নখুন অসিগী মহে-মরোং চুম্মী হায়পনিনে ইচল। অতুতি ইচল নখোয়সু লৈহৌপা ওইয়ো ঐসু তমতা কুমলকা থবক শূফম থিপিকে, তরেৎ শেনচা তানপিকেকো ইচল।

তাঙ্খুল - হো ইচল, নপুংনা ইপলকী মঙান তরং চীংতকী অসুম কুমপিরকপতা য়াম্না ৱাপীপা ওইয়ে। অতুতা মনা য়াম্না পূংপা পামেল অমকী মখাদা ঙহাক পোত্থাপিপা ওইপনে। অস! ইচল চেক্লা অনীখক পামেল অতুকী ফৈরা থক্তা তোংতুনা নুংশিনা চিনলোক্লবা উপিপনে।

চেক্লা অনী নুংশিনা চিনলোক্লবা থেংনবা অসি চক খরা কায়নখ্রবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনী শোয়দনা থেংনরনি তাকপনি। মসি কুম্মৈ শান্নরিবশিংনা অচোপ অরেং ওইনা পুথোকপা ফত্তে।

নুরাবী - ও! ইপুং অতুদি করম-করম তৌপরা শেংনা তমপীয়ুনে নচল ওইপী ঐঙোন্দা।

তাঙ্খুল - ওয়! ইচল মাকী নুপীতু ঈশৈ শকপী ওইপা মানপনে অতুকা মাকী নুপাতুনা পুং য়ৈপা ওইপা মানপা, নুপীতুনা মাকী নুপাতুতা কৎ... কৎ... কৎ হায়পনিনে,অতুকা মাকী নুপাতুনা ধো... ধো... ধো হায়য়েনে, অতুকা মাকী নুপীতুনা লৈতুনা-লৈতুনা চকোই শাইয়েনে, ঈশৈসু শকপা ওইয়েনে ইচল।

নুরাবী - কিরি হায়পা ইপুং, মাকী নুপীতুনা চকোইসু শাপা অতুকা ঈশৈসু শকপা? ও! ইপুং মানা শকপা ঈশৈতো ইপুংনা অমুক্তা শকউনে, নচলনা য়াম্না তানিংপা ওইয়েনে।

তাঙ্খুল - ও! ইচলনা তানিংপা ওইপতি নপুংনা শকপিকে। অস! মাকী নুপীতুনা শকপা ঈশৈতুপু...। ও: অসুম্না ওইপনে- তিং-ফ্লাং, তিং-ফ্লাং, তিং ফ্লাং, মাকী নুপাতুনা মখোঙতু থোংখোঙ শানা লেপ্লাকা ধো... ধো... ধো ফ্লাং - ধো-ধো-ধো। অতুতগী কিরি ওইপ্রা খঙতপা, চকোইসু শোইপরা, ঈশৈ শোয়প্রা মাকী নুপীতুতা চোংশিনতুনা ফুপিপনিনে। অতুতকীদি ঐকী মপুকসু শাউপিতুনা তেনতোংতগী তেনচৈ শৎলকা করিকীনো মীনা ৱানা চকোইসু শাপা ঈশৈসু শকলকা অমুকসু নঙনা ফুপিপা লাউরগা তেনসি কাপকে তৌপদা মখোয় অনীমক পাইখরে। অতুতগী ঐগী মপুকসে য়াম্না নুংঙাইতনা লৈরিঙৈদা অহল অমা লাকএ। অহলতুতা ঐনা হৌজিক পাইখ্রিপা উচেক অসি কিরি কৌপগে হংপতা চোংঙা কৌয়ে হায়পনে। অতো ইচল নংনা পাম য়ানপা লাকপততি কিরি কিরিগুমপা অমত্তা থেংনতপরা, ঐঙোনতা পাউতম শাপা ওইয়োনে।

চনুরা কয়াগা
শিংঙেলগী লৈরাং চিনলুনু
তাউজিংনা হৈরাং চারুনু,
নচলনা ওইবী ঐহাকনা
ইবুংবু লাকপা ঙাইদুনা
হো লৈরমগে, হো লৈরমগে লৈরমগে ... দা.

তাঙ্খুল - হাদা ইচল নুরাবী,
হাদা-ও ইচলনা নুরাবী
নবুং ওইবদি ঐহাক্না
তমদবু কুমখ্রিঙৈ
লৈকাইনা পনবালবু লানগনু
হিদেলনা অনীবু শুদুনা
চিংহিনা শন্বালবু লাংগনু
নবুংনা ওইবনা ঐহাকসু
নিংঙোল কনাগী
শিংঙেলনা লৈবুসু লৌরকলোই
হো লৌরকলোই হো লৌরকলোই, লৌরকলোইদা।

নুরাবী- উরিবমখৈ য়েংনসি তারিবমখৈ কৌনসি
নিংঙোলনা ওইবী ঐহাকসু
লোইবীনা চীংগীনা চীংমায়দা
ইবুংনা লাকপা মায়গৈ য়েংদুনা
হো লৈরমগে হো লৈরমগে লৈরমগেদা।

তাঙ্খুল - উরিবমখৈ য়েংনসি, তারিবমখৈ কৌনসি,
নবুংনা ওইবা ঐহাক্তি
তমদবু কুমলদুনা
পাখংগী শিঙ্খাবু পাংলগে
ইচলনা ওইবীনা নহাক্লা
নপলগী লংমাইদি লৌচিন তুম
লোইবীনা চীংগী চীংমায়থক্তা

নুরাবী - হো ইপুং নঙনা তরেৎকী শেনচা তানলুরকা নচলকী খুদোলপোৎ লৈপীপা ওইয়ুনে।

তাঙ্খুল - এ! ইচল কিরি কিরি পামপ্রা, ইচলনা পামপতি নপুংনা লৈপিপা ওইকনিনে, ইচলনা পামপতু নপুং ওইপা ঐঙোন্তা হায়পা শাওনে।

নুরাবী - এ! ইপুং নুচা ওইপী হৌনশা ইকাই শাপনিনে ইপুং, অতুপু ইপুং নচল ওইপীনা পামপা খুতোল লৈপিকনি হায়পা ওইপনিনা ইপুং 'চক খুদোপ' অমা, ফনেক ফিপালতা হাপ্পপা 'কুহি কুমলাং' নে কো ইপুং, অতুকা শিন্নাই কাপতা তুমনিংলকা চাননপা 'ৰামেন হৈ' কা লৈপিপা ওইয়ো ইপুং।

মরৈ য়েৎনবা অদু তোক্তুনা নুরাবীনা তাঙ্খুলবু অশেংবা খঙনবা হোৎনবদা ওইগদ্রা খল্লগসু কনাগুম্বা লাই ফত্তবনা শায়োন তৌদুনা লৌনম তৌগদ্রা খনবদগী কায়নরমদাইদা শিন্নখিবা পোৎপু খুদোল পোৎ পোৎতপ ওইনা তাঙ্খুলদা তপ্পকপনি।

মতাং অসিদা তাঙ্খুল নুরাবী অনী অৰাই অখুম তৌনদুনা ঈশৈ মতেক অমা শকপসু য়াই নৎত্রগা শক্রবসু য়াই তঞ্জাগী মতুং ইন্না লেপকনি। শকপা তারগদি,

নুরাবী - হাদা ইবুং হাওবও, হাদা ইবুং হাওবও
তমদা কুমলগা,
লৈরকনা লাংখোঙবু তৌদুনা
তরেৎ শেঞ্জা তাল্লগা
নচলগী খুদোল লৈবীও লৈবীওদা

তাঙ্খুল - হাদা ইচল নুরাবী, হাদা ইচল নুরাবী
নবুংনা ওইবা ঐহাক্তি মৈতৈনা তমদবু কুম্লগা
লৈরক্লা লাংখোংবু তৌরগা
ফংলকপা তরেৎকী শেনজানা
নিঙোলগী খুদোলবু লৈরক্কে ও লৈরক্কে
ও-লৈরক্কে লৈরক্কেদা।

নুরাবী - হাদা ইবুং হাওবও, হাদা ইবুঙ হাওবও
তমদা কুমলগা

ফুল্লে। নাদয়াই শিদয়াই পূং ময়েং তারে, অচঙথোঙ অশিথোঙ অসিসু অশিথোঙ লাউনা উরে, অচঙথোঙনা খুনা উরে, পাখ্রাখোং লুখ্রাখোংসু কূৎনা উরেদো ইচানুপা। পুম্নমক অসি তুদেংবা খোদেংবা ঐনা হায়রিবা ময়াম অসি ইচানুপা নঙনা শূবা ঙমগদ্রা ?

তাঙ্খুল - এ: ইপানপু তাকপিরপতি নচানা শূচপ ঙমপা ওইকেনে ইপা, অতুকা ইপা নচাসু ৱা অমত্তংদি হায়কেনে।

কংলৈ লৈপাক মপু - ইচানুপা নঙনা হায়নিংবদু ইপাদা চিৎথদনা শেংনা হায়য়ুনে, চিংনদনা হায়য়ু - হায়য়ু।

তাঙ্খুল - অতুতি ইপা তাপিপা ওইপিয়ো। আ: ইপা খুৎ অনীসিনা শাংনা তিংপিপতো নখোয়কী লম অমা ওইয়ে। ঐখোয়কীনা খোঙকী মতোল অমতগীনা খুৎ মতোল অমা ফাওপনা লম অমা ওইপনে। অতো হয়েং ইপাকী থপক লোইপতা ঐনা নখোয়কী নরমতা খুনচাউ লৈচাউনপা লম তরেৎ অমসু হাপ্লিকে। এ: ইপা ঐতি লোইপী চীংতকী কূমপিপতা নখোয়গী লৈপাকখোৎসু য়াওতপনিনে, ইপাকী লৈরপতি অমত্তা পীপা ওইসিনে।

কংলৈ লৈপাক মপু - এ: করিনোনে ইচানুপা নঙনা হায়রিবদুবো ইপাদি ৱাখলনা লান্বা ফংদরে, লৈপাকখোৎ হায়বদু ঐদি খঙদেনে ময়েকশেংনা হায়য়ুনে।

তাঙ্খুল - আইস! ইপাসু অসুপ পঙপরনে, নখোয়না লৈপাক তৌপতা অসুম-অসুম (খুৎনা য়োৎপাক তৌবগী মওং তৌবা) তৌপতো কিরি হায়পরনে, অতু পীপা ওইয়ুনে ইপা।

কংলৈ লৈপাক মপু - হোয় হোয় য়োৎপাক কৌইনে, অঙাওবা নঙবো, পীগে পীগে (য়োৎপাক পীগনি)।

তাঙ্খুল - আইস! মৈতৈ ইপা অসি লৈরপতি ঐ ইপাকী থপকসে ফচনা সূপিরকে, ইপা।

মতাং অসিদা তৌগদৌরিবা, তেংগদৌরিবা, থোনগদৌরিবা পুম্নমক অসি নৌনা তৌগদবা, তেংগদবা, থোনগদবা অমত্তা নত্তে, হান্না লৈজরম্বা মফমশিং শেংদোক্কুনা শেমজিল্লম্বনি।

নবুং ঐনা হল্লকপা
হো ঙাইরম্মো হো ঙাইরম্মো ঙাইরম্মু দে।

মখা তারকপদদি তাঙ্খুলনা কংলৈ লৈপাক মপু কৌরগনি। কৌবা মতমদা অহুমলক কৌগনি।

তাঙ্খুল - হো ইপা কংলৈ লৈপাক মপু
হো ইপা কংলৈ লৈপাক মপু
হো ইপা কংলৈ লৈপাক মপু

কংলৈ লৈপাক মপু - হো কনানো, ঐবু কৌরিবা তম্বা নঙবু কনানো ? করি হায়নিংবা হায়য়ু।

তাঙ্খুল - হো ইপা ঐতি হুনতুং লমতগী হাওপনি, ঐনা ইপাবু কৌপতি অতৈ অমগী নত্তে, ঐনা অসুম লাকপতা ইপাকী অসিনা য়াম্না ইংনা নুংঙাইনা পানপা উপিপা, নচানা কৌচপতি ইপাকী থবক ইনখাং লৈরপতি খরা শুচকে কৌপিপনি।

কংলৈ লৈপাক মপু - ও: পারি মানবা নঙবু করি করি থবক হৈবগনে, ইপাগীদা করি শূগনি।

তাঙ্খুল - হো ইপা কংলৈ লৈপাক মপু, ঐনা হৈপতি লৈরক লাংখোং শূপা, লৈপল নপ্পা অসি হৈপনে। ইপাকী শূকতপা লৈরপতি মতুসু সূপিকে। অতু ইপাকী চফু অমন অকায় লৈরকসু খরা পীপিয়ো অতুকা ঐনা চৎলমতাইতা হুইপী হুইনাও মচা-মশূ খরাসু থিপিয়ো হায়না ইপাকী নাক্তা চংচরকপনি ইপা।

কংলৈ লৈপাক মপু - ইচানুপা নঙনা লাকপসি য়াম্না ফরে, ইপানা সুম য়েংবদা নহাক থবক শূবা হৈরমগদবসু মানলি। ইপাগী লম অসে নঙ য়েংঙু ইপানা তাক্কে। ইচানুপা অৱাংলোমদনা লম্বী অমা লৈরিবসে অসিগী মখা থংবসিখৈ ইপাগী লমনি। মখারোমদনা তুরেল অচৌবা অমা চাউনা চেনলিবসিদগী অৱাং থংবমখৈ ইপাগী লমনি। মমাঙ থঙবদা লৈরক অচৌবা অমা লৈরিবসিদগী মনীং থংবমখৈ ইপাগীনি। মনীং থংবদনা লোইবী চীংজাউ লৈরিবসিদগী মমাঙ থংবমখৈ ইপাগী লমনি। অদো ইপাগী ইংখোলসে খোংলম ফুল্লে, ঈরমসু

মফম অদুদগী লাইরোমদা খরা চঙশিল্লক্লগা পাখ্রাখোং লুখ্রাখোং থোনগনি। খোং অনি অসি লৈপলগী মপান্দগী লৈপাক লৌরগা লৈপল মনুংদা থোনগনি।

মথংদা ব্রাংব্রেলগী চিথেক্তা লাক্তুনা অচঙথোঙ অশিথোঙ ফাৎকনি। অচঙথোঙনা লাউরপ ফাৎলগা অশিথোঙনা খুরপ্পা ফাৎকনি। মসিগী মথংদা নাদয়াই শিদয়াই পূং থোনলিবা অদু নীংথিনা শেমজিল্লগনি। মখা পীরিবা অয়েকপা অসিদা লৈতৌগদবা লৈথোনগদবা মফম পূম্নমক ময়েক শেংনা তাক্লি। পুম্নমক অসি লোইরবদা হাওবনা লেপ্তুনা চেপথদুনা য়েংগনি অমদি য়োৎপাক লেংথোং লাক্লগা কংলৈ লৈপাক মপুবু ৩ লক কৌগনি।

তাঙ্খুল - হো ইপা - হো ইপা - হো ইপা
ঐনা থপক শূপতি লোইপনে
ইপানা চুমপরা, লানপরা হায়পকী
ঐনা কৌপিপনে ইপা।

কংলৈ লৈপাক মপু - এ: থবক লোইরে হায়বা, কদাই-কদাই
ইচানা শূবা থবক্তো ইপা য়েংগেনে।
(কংলৈ লৈপাক মপুনা চেপথা-চেপথা খুৎ খন্দুনা য়েংলগা)
ও: অসিদা ইচানা থোনলিবা পূং অসি ইপানা য়েংবদা
ওম্থোক্লা ফজনা উরে। অদুগা ইচানুপা আদা
মৈরম পাংবদা অমনা লাওনা অমনা খুনা উবা
অসিনা করি-করিনো ইপাদা অদুক হায়য়ুদনা।

তাঙ্খুল - ওইস! ইপানা অসি খঙপিতপা ওইয়ে, অদু ওইপতি নচানা হায়পিকে, এ: খরা লাওনা ফাৎপিপা অসিনা ঐখোয় মীওইপকী অচঙথোঙ হাপতুনিনে ইপা, এ: খরা খূনা ফাৎপা অসিনা অশি থোঙ কৌপনে। হো ইপা অসোমতা অমুক য়েংপিয়োনে, অসিতা অমসু লৈপা অসে খরা চাউনা ফাৎপা অসিনা খোংলম কৌপনে, অতুকা অশোমতা লৈপা খরা পীকপা অসিনকো ঈরম কৌপনিনে।

অতো ইপাকী ইংখোলনুং অসিততি মখোয় অনী অসে লোইনা ফুনতুনা লৈরমপনিনে। এ: মৈতৈ ইপা নুপা-নুপীনা নাপসে নুপানা নুংশিৎতগী হৌপা ওইপনে, নুপীনা নাপনা ঈতকী হৌপা ওইপনে। অতুনা নুংশিৎনা পুপা খোংলম অসে ফুনপনা নুপাশিংতা অনা

তাঙ্খুলনা য়োৎপাক লৌদুনা থবক শূবা হৌগনি। অহানবদা নাদয়াই শিদয়াই পূং থোনগনি। পূং অসি হোয়রৌ হয়া লাউফমদগী লাইরোমদা খরা চঙশিল্লক্লগা ফমদেংলিবা লাইগী মপাদা থোনগনি। পূং অসি থোনগদবা লৈপাক অদু লৌবদা অহানবদা থাংজিং মখৈদগী লৈতৌদুনা কোক্তা পুরক্তুনা পূং থোনফমদা থমগনি। মথংদা মার্জিং মখৈদগী লৈতৌদুনা লৈপাক অদু লেংবান্দা পুরক্তুনা পূং থোনফমদা থমগনি। মসিগী মথংদা ৱাংব্রেল মখৈদা লৈতৌদুনা লৈপাক অদু থবাক মপাদা কোন্দুনা পুরক্লগা পূং থোনফমদা থমগনি। অরোইবদা কৌব্রু মখৈদা লৈতৌদুনা লৈপাক অদু খোয়দৌদা কোন্দুনা পুরক্লগা পূং থোনলিবা মফমদুদা থমদুনা লৈথোনগনি। অসুম্না নাদয়াই শিদয়াই পূং অদু থোনগনি। তাঙ্খুলনা লৈতৌবা লৈথোনবদা মি ননবা য়াদে, মি নল্লবদি তাঙ্খুল শি, খুল অৱাবা তাই।

নাদয়াই শিদয়াই পূং অসি থোনবা লোইরগা ইংখোলগী অকোইবদু লৈপল তাখৎকনি। লৈপল তাখৎলমদাইদা হান্না লম ওনগনি। লম ওনবগী মওংদি খোঙ য়েৎনা লাওনা কাম্বোল্লগা মাঙলোমদা য়েৎওইননা চেপথদুনা খূৎ য়েৎনা শাংনা খূৎতোল তিংনা তিংথোক্কনি। খূৎ ওয়না য়েৎকী খূবোম ময়া ফাওবা তিংথোক্কনি। খোঙ ওয়গী খূনিংদগী খূ য়েৎকী খূতোন অদু ফাওবা লম অমনি হায়না লৌগনি। মসি লমখৈ অদু থুংনবা ওনদ্রবসু চিথেক মরিদুগী অহৌ-অহৌবা, অরোই-অরোইবা অদুদং ওনলবসু কায়দে।

লম ওনবা অমসুং লৈপল তাখৎপগী থবক অসি কৌব্রু চিথেক্তগী হান্না হৌরগা কৌব্রু চিথেক্তা পরে কিশি কিদুনা লোইশিনগনি। লৈপল তাখৎপা মতমদা লৈপাক অদু মপান্দগী লৌরগা তাখৎকনি মনুংদগী লৌরগা তাখৎপা য়াদে। লৈপল অদু কৌব্রু চিথেক্তগী লম ওন-ওন্দুনা তাখৎপা হৌরক্লগা থাংজিং চিথেক য়ৌগনি, থাংজিং চিথেক্তগী ৱাংব্রেল চিথেক, ৱাংব্রেল চিথেক্তগী মার্জিং চিথেক, মার্জিং চিথেক্তগী কৌব্রু চিথেক্তা কিশি কিদুনা লোইশিনগনি।

অকোয়বা অসি লম ওন্দুনা লৈপল তাখৎপা লোইরদুনা অহানবদা খোংলম, ঈরম ফাৎকনি। খোংলম ঈরম অসি ৱাংব্রেল চিথেক্তগী লাইরোমদা খরা চংশিল্লক্লগা মখা থংবা মায়কৈদা লৈপল থোনলিবা অদু ৱাংমা লান্না খোংলম ফাৎকনি। খোংলম ফাৎলিবা অদুগী ময়াদা ঈরমসু খোংলমগুম ফাৎকনি। খোংলম ঈরম ফাৎপা অসি লোয়রগা মখা থংবা মায়কৈদুমক্তদা খোংলম ঈরম ফাৎলিবা

২7

তাম্বুল - (ঈশৈ ওইনা) হা- পন্থৌ, পন্থৌ-কৌগেনে অপোকপা, নপারি ওইবগী কোলোয়দি অপোকপা, নহাননোং, পন্থৌ পলেম অনীনা নম্বদা চরুরেল তাংখুল হুইতোক পাখং, তাইবঙনা খঙলসনুদনা থোনবীরম্মী। ইপা ইবুংঙো ... আ-পন্থৌ, নপারিবু পোকপা পন্থৌদি, লমলেননা হুনদুংদা পালম্মী হায়বগী, হুনদুংনা লানথাবা কৌই হায়না তাকপিয়ে, হা ... পন্থৌ ... নপারী ওইববু পোকপী পলেম ইমানা, হুনদুংনা লানথাবী কৌই হায়নৈয়ে... য়ে... য়ে... পন্থৌ।

কংলৈ লৈপাক মপু -(ঈশৈ ওইনা) ইতাওনদি চানবদি মরুপলোই, ঙসিদি ইচাদৈ ইতাওগী কোলোয় মিংলেনতবু তাবদি, ইচনদি হুনদুংগিদি লানথাবী, নখোয় অনীনা ঐগী খূজেঙ পালোইননা পায়দুনা, পারি ওইবা মপূং ফাননবা, নহাকনা হেক পোকপা নচানি খন্না নাউকোনবিরম্মু হায়দনা, ঐগী খূজেঙ পায়দুনা শিন্নরম্বদায়নে ইতাও-ও। ঙসি ঐনদি তমদা লৈবনিনা, অহলনদি মতম ওই, কমলাক্লদি কূরু কা, খুবোম্নদি শিংলি পাবল তোয়না হৌরক্লবনিনা, লোইবী চীংদবু কাদুনা ইচাবু থিরুবদি ঙমদবনা, শামুনা ঙাই খঙদে, নিংথৌনা ঙাই থিদে হায়বদো কংলৈ লৈপাক মপু ঐঙোন্দা থোক্লরে। পারি ইচানা নঙগী ননাক্তা চৎখিবদা, লুন-চান্না কৌশিনবীদেনা ইতাওগা ইচলগনা পায়মা নুংঙোলগনো, তিল্লাং খোয়দাদবা তৌগনুকো। পারি ইচানেবা খঙলুদবনা তৌবনে। পারি ইবুংঙো, ইপাগী নাক্তবু চঙলকও, শামুনা ঙাইখঙদে, নিংথৌনা ঙাই থিদে হায়বদো ইপাদা থোক্লরে, পারি ইচাবু হূইগুম শীৎকে, য়েনগোয় নানবগুম ইপানা নাল্লগে চঙশিল্লকউনে ইপাদা।

কংলৈ লৈপাক মপু -(ঈশৈ নত্তনা) ইপাগী ইবুংঙো, ইপানা নঙবু নশক খঙলুদবনা তুদেং খোংদেংহল্লুরে ইপাবু ৱারৌগনুকো। পারি নঙনা পীক্লা নৱা ওইরিঙৈদা নপাগা নমাগা নখোয় অহুম্মক লাক্তুনা ইপাগীদা লৈরল্লিবনি। ঙসি নঙনা চাউবা লেপতম ফারগা ইপাগী নাক্তা লাকপদা করিগী মীনমবনো, ইপাদি অহল ওইরে, নঙবু খঙলুদরে, ইপানা নঙবু খঙলবদি করিগী তুদেং খোংদোংহল্লুগনি ইচাবু। ইপাগী লৈরিবা পুন্নমকসে ইচাগী ঙাক্তনিনেহৈ পারি।

অয়েক লৈপনে। ঈরম অসে ফুনপনসু নুপীশিংতা ঈতকী হৌপা অনা অয়েক লৈপনে। খোংলমসু ঈরমসু নচানা তুতেংলপনা নুপানা নুংশিৎতগী হৌপা অনা অয়েক লৈপতো লৈররোই। এ: অতুকা নুপীনা ঈতকী হৌতুনা অনা-অয়েক লৈরমপতো ঈরম তেংলপনিনা লৈররোই। মনীং মমাঙ ওন্নপতুসু অমত্তা লৈররোই।

হো কংলৈ লৈপাক মপু অসি অমসু লৈপনে, অসি লোইপতা কিরি-কিরি ৱাৎপরা হায়তুনা ঐনা অসুম য়েংপতা অকূৎপা অমা অমত্তা অমুক চোংথপিপনে। মতুতা পখ্রা খোং লুখ্রা খোং কূৎপা ওইয়ে হায়তুনা ইপানা হায়পিপা অতু ঐনা নীংশিং শাপা ওইখ্রেতা। অতুতকী অনী অসে ঐনা তোংনা থোনপিপনে, ইপানা য়েংপিয়োনে।

কংলৈ লৈপাক মপু - পারী ইবুংঙো, ইচানা শেন্নী শাবিবসে ইপানা ঙসাইদগী কোয়না য়েংবদা ইপানা য়াম্না পেল্লে। অদো পারি মানবা, ইপানা নঙোন্দা করিগুম্বা অমত্তা হংগেনে। ইচানুপা নঙবু করি লমদগীনো কোলোয় মিংলেন্না করি কৌবগে, নঙবু পোকপা পম্বৌ নপাগী কোলোয় মমিংবু করি কৌবগে, নঙবু পোকপী পলেম নমাগী কোলোয় মমিংনা করি কৌবগে ইবুংঙো। পলেম-পম্বৌ অনীগী কোলোয়বু অমুক্তা শেংনা তম্মুগবা ইপাদা।

মতাং অসিদদি তাঙ্খুলনা শিংকপলোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা শক্তুনা পাউখুম পীগনি।

তাঙ্খুল - (ঈশৈ ওইনা) ইপা ইবুংঙো -। হা পম্বৌ, পম্বৌগীদি অপোকপা, হা-পলেম -পলেমদি ইমানিদি অপোকপী, নপারী ওইবনা তমগী খুল্লক্তা চঙলগা, লৈতা লায়রবু থিজরুবদা, তমগী
কংলৈ লৈপাক মপু ইপাগী মনাক্তা চঙলুরেনে
হা - পম্বৌ, পম্বৌগী কোলোয়বু হংলক্লেনে,
পলেম ইমাগী কোলোয়বু হংলকলেনে।
নপারি ওইবা ঐহাক্না পম্বৌনা পলেমগী
কোলোয়বু য়োনবদা তারবরনে এ... এ... এ... পম্বৌ।

কংলৈ লৈপাক মপু - পারি ইবুংঙো করিগীদমক্তা চিংনরি? ইপানা নঙবু পোকপা পলেম-পম্বৌগী কোলোয় মিংলেন খঙনিংদুনা হংবনি, ইপাদা শেংনা অমুক্তা তম্মুনে পারি।

উমংলাই মাপলনা কাপা কৈথেলতকী লৈপিরকউ হায়নে, মতুকী কৈথেলতু খঙলপতি নচাতা খরা তাকপিয়ুনে ইপা।

কংলৈ লৈপাক মপু - আ! ইপাগী ইবুংঙো কৈথেল অদুদি অচম্বা কৈথেল নত্তেদো। লৈগে হায়বসু ফংদবা য়োনগে হায়রসু শিৎতবা কৈথেলনি। ইচানা লৈনিংবা অপাম্বা পোৎশক অদু থিবা ফংদ্রবদি য়াওদ্রবদি ইবেল কোনসাবী, ইবেল কোনসাবী হায়না কৌকো ইপাগী ইবুংঙো। ইচানা কৌবদুদা ইবেল কোনসাবী থোরক্লবদি কনাদসু য়াওদবা পোৎশিংদো ইবেন কোনসাবীদগী ফংগনিনে ইপাগী ইবুংঙো। য়েংঙু তু আ কৌব্রু পাংনা চৎলু অদুগা কৈথেল অদু ফংগনিনে ইপাগী ইবুংঙো।

মতাংসিদা কোনসাবীসু খুত্তা মৈরা পায়রগা থরাইকোকপী হায়রিবা লাইপী অসিগা থোরক্তুনা লাইশুমাঙ অদুগী অৱাং কৌব্রু পাংবদা কৈথেল ফমগনি।

কৈথেল অসি অয়ুক নুংথিন্না নমু তাইবংনা কাবা নুমিদাংনা লাইনা কাবা মরম অসিনা অহিং নুংথিল নাইদনা খোইবী খোইরেন্না খোইরাদা ঙংবগুমনা ঙরং-ঙরং ঙংদুনতা লৈ হায়দুনা মফমদুবু খোইরেল তম্পাক, কৌব্রু লাই কৈথেল হায়না খঙনৈ। মফম অসি শাইতু তম্পাক হায়না কৌব্রুদা লৈরিবা চীংমীনা তারিবা খুল অসিদা লৈরিবা লমপাক অসিনি হায়না লৌনৈ। মসিদগী খরা চৎলগা লাই কাংজৈবুঙনচিংবা অতৈ পরিং কয়াসু লৈরি। কৈথেল অসি ইমা লৈমরেল সিদবীনা কোনসাবী কৌদুনা হৌদোকখিবা মী লাইগী অহানবা কৈথেলনি। কৈথেল অসিদা ইমানা থরাইকোকপী কৌবী লাইপী অসিগা লোয়ননা কাগনি।

কৈথেল অসিবু কোনসাবী কৌব্রু লাই কৈথেল হায়নসু খঙনখি। তাঙ্খুলনা চক খুদোপ্লচিংবা পোৎশকশিং অসি লৈখিবদগীদি ইমা লৈমরেলদি মখা পাংনা লাক্তুনা চিংদোং অমদা খুল তাদুনা লৈখি। মফমদুবু কোনসাখুল থোনখি। খুল অসি সেনজম চিরাং খুলগী মনিং লৈরোই ৱাইফৈ খুলগী মখাদা হৌজিকসু লৈরি। কোনসা খুলগী নোংপোক চিংখৈ পাংবদা ইমানা কৌব্রু লাই কৈথেলদগী লাক্লগা পোৎফম ওইনা কৈথেল মচা অমসু লিংলম্মী। মদু হৌজিকসু কোনসাবীগী শিংচা পোকপী কৈথেল হায়না লৈরি।

মরম অসিনা লাইগী খুদম চাংদম লেঙদনা লৈরীবা কৌব্রু লাই কৈথেলদা কৈথেল কাবীবনা লাইগী লিক্লম চুমগনি নিংজৈ। পুকনিংনা লমজিংদুনা লিক্লম

তাঙ্খুল - ইপা নচানা মীনমপতি অতে অমকী নত্তেতো, পন্থৌকী শান্মা পাংকল ময়েং তারল্লকনি তুতেং-খোংতেংপা ঙমলল্লরোই খনপনিনে। ইপানা লৈরিঙৈতদি ইপানা তুতেং খোংতেংলমপা ঙাক্তনিতো। নচা ওইপা ঐনা তুতেং-খোংতেংপা য়ানপকীতমক্তা নচানা ইপাতা মীনমচপনে, নচাপু ঙাকপিয়ুকো।

কংলৈ লৈপাক মপু - ফরে, ফরে। অদুদি ইচানা ইপাগীদা লাক্লবনিনা ইপাসু শামুনা ঙাই থিদে, নিংথৌনা ঙাই খঙদে হায়বদো তারে। লাউনে পারি ইপাগী নাক্তা ইপা কোনগে। (তাঙ্খুলবু চেৎনা কোনবীগনি)। শে-শে ইচানা শূ-নোম্লম্বগী তরেৎকী শেনজা ইপানা পীরগে। সে চঙ তাবা শেলকোক অসি লৌরোকো, মসি পুরগা ৱাৎত-পাদবা, নুংঙাই য়াইফবা ওইরুরোকো ইপাগী ইবুংঙো।

কংলৈ লৈপাক মপুনা শেল পীবা মতমদা খ্বাঙদা কিরিবা শেখাওদগী লৌথোক্তুনা পীগনি।

তাঙ্খুলনা ফিগাউ শানা য়াদুনা তরেৎ শেঞ্জাদু লৌগনি।

তাঙ্খুল - হো, ইপা। ঙসি ইপানা পীবিরিপা তরেৎ শেনচা অসিনা নচা ওইপা ঐকিসু ৱাৎত-পাতপা ওইচরুরকে, ইপাসু পুন্সি নুংশাংনা লৈপিপা ওইপিয়ো, নচানা নোংমৈ কুমচা ওল্লকপতা ঙসি নুমিৎ অসিতা ইপাকী নাক্তা অমুক লাকচপা ঙমচকে। ইপাসু ইশা কনতুনা লৈপিরমও।

কংলৈ লৈপাক মপু - ইপাগী ইবুংঙো, মথং কুমজাগী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ইপা ইচা তেক্তা কায়দনা উন্নরসিকো, পারি নঙসু শোয়দনা ইপাগী নাক্তা লাকউকো, ইপানা ইচাবু ঙাইদুনা লৈরমগে।

তাঙ্খুল - এ! ইপা নচানা খঙতপা অমা লৈয়েনে, ইপানা খরা তাকপিয়ুনে।

কংলৈ লৈপাক মপু - ইচানা খঙদবা করি লৈরবগেনে, নপানা খঙবা ওইরবদি ইচাদা করিগী তাক্তনি, হায়য়ুনে ইচানা খঙদবদো করিনো?

তাঙ্খুল - এ! কংলৈ লৈপাক মপু ইপাকী লমতা কৈথেলতি য়াম্না লৈয়েকো, ময়াম্না হায়পতা উমংলাই মাপলনা কাপা কৈথেল হায়য়েনে। নিংঙোলশিংনা খুতোল পোৎ তপলকপতা লাইয়াম্না খুন্দিন্নবা

তাঙ্খুল - (সিকপ্লোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা) ইমা ইবেম্মা ... হা পলেম, পলেমনা ইমা ইবেম্মা! কুমজা অমনবু ইমাদি কৈথেল ময়ায়মক্তবু কারম্মী। কুমজা অমনবু লুমাং শম্বু ঙৌরদনা, হা-ইমা, ইমা নঙনা লৈরম্মীনে ইমা-ও,

কুমজা অমনা কৈথেল মচিদা ফমলেরগা,
খুবাক্কা লাইখলমক্তবু শাদুনা,
মায়কৈনা ওন্না-ওন্নমক্তবু য়েংবদি
পলেম ওইবী নহাকপু কনা ওইরবনো ...,
নপারি ওইববু ঐঙোন্দা
ইমাগী নপাউ শেংনা অমুক্তা তম্মু... তম্মুনেএ...এ... এ নচাদা।

কোনসাবী -(সিকপ্লোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা)
পারি ইবুংঙো ... পলেম নমা ওইবী ঐগী কোলোয় মিংলেনদি
য়ুমজাও লাইরেম্বী হায়না কৌই,
পারি নঙগী য়াব্রা খোঞ্জেল তারুরগা
পলেম নমা ওইবীদি ঐহাক্কী
খোঙদগীনা তোন ফাওবা তুজুংলকইদো ...
পারী ইবুংঙো ...,
পলেম নমা ওইবী ঐহাক্কী
শিংলিনা পাবল ঈহৌরকলেনে পারিও,
পারি ইবুংঙো
নঙবু পোকপা পম্থৌ নপাগী কোলোয় করি কৌবগে,
নঙবু পোকপী পলেম নমাগী মিংনা করি কৌবগে,
কোলোয় নপাউ শেংনা তম্মু ও.... ও... ইমাদা।

তাঙ্খুল - (সিকপ্লোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা)-
ইমা ইবেম্মা ... হা... পলেম
পলেম হায়নবু কৌগেনে অপোকপী,
নপারিবু পোকপা পম্থৌ ইপাগী মমিং,
হুনদুং লানথবা হায়না কৌনৈয়ে।
নপারিবু পোকপী পলেম ইমাগী মমিংনা,

থুগায়দুনা তৌবদি অফবা মহৈ ফংবগী মহুত্তা অয়োল অরান ফংগদ্রা নিংজৈ। মসি য়েংনা লাইথৌ থৌরম তৌবীয়ু।

তাঙ্খুল - অতুতি নচা অমুক চৎচকে ইপা।
(তাঙ্খুলনা খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ কোয়চৎ চৎকনি।)
হায়স! ঐনা পামপা পোৎতি অমত্তসু য়াওতপনি কিরিরা,
ইপেল কোনসাপী কৌপা ওইকেতা।

তাঙ্খুল - হো ... ইপেন কোনসাপী
হো ... ইপেন কোনসাপী, তাতপা ওইয়েনে।
হো ... ইপেন কোনসাপী !

কোনসাবী - হো কনানো ঐবু কৌরিবা নহাকপু ?

তাঙ্খুল - ইপেন ঐনা কৌপিপনে, নশূনা ইপেলতকী পোৎ খরা লৈপিকে হায়তুনা ইপেলকী নাক্তা লাকপিপনে ইপেন।

কোনসাবী - ইশুনা নবেনগী নাক্তা লৈগে লাক্লিববু করি-করি পোৎনোনে।

তাঙ্খুল- এ: ইপেন ঐনা লৈকে খনপা পোৎ অতুতি কো, নুপী ওইপীকী ফনেক ফিপালতা হাপ্পা কুহি কুমলাং লংকা, এ... অমনা চক খুতোপ হায়পতো অমকা, য়াওপ্রনে ইপেন।

কোনসাবী - ইশূ ইবুংঙো হাওবা, ইশূনা পান্থা পোৎশিংদো য়াওরি, য়াওরি ইবেননা লোয়না পীগেকো। সে সে সিদা লৈরে।

তাঙ্খুল - এ! ইপেন অমসু ৱাৎপনিনে, ঐতি কাউপসু ওইপীপনিনে, এ! ইপেন নিংঙোলশিংনা নুমিতাং শিন্নাইশঙতা থপক শুপতা তুমনিংলপা কানতা চাননপা ৱামেন হৈ হায়য়েনে, অতুসু ইপেনতা য়াওরপতি খরা পিয়োনে।

কোনসাবী - চৎলো হে! অদুবু পুথোক্তুনা থেনবা, য়োনবা য়াবা পোৎলা, মদুদি নঙবু পোকপা পষ্টৌদা হংলুচো, ফুদুম ফুগেদো।

- ঙাইখোনে নঙবো ইবেন ৱা অমা হংগেনে। নঙবু উরগা নবেনগী খোঙদগী তোন ফাওবা তু চুংবা পোকইনে, নঙবু করি লমদগীনো, নমিংনা করি কৌবগে, নঙবু পোকপা পষ্টৌগী মমিংনা করি কৌবগে, পলেম নমাগী মমিংনা করি কৌবগে, নবেনদা শেংনা অমুক্তা তম্মু।

কোনসাবী - (সিকপ্লোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা)
পারি ইবুংঙো ... হা পারি,
পারি কৌগেনে এ... এ... এ... ইমানা
লাংহৈ কুমশিং শুরকলে,
থাজসু মশীংসু শুরকলে,
শিংলিনা পাবল ঈহৌরকলেনে,
পলেম ইমাগী নাক্তা লাকও,
লাকও ... ও... ও... পারিও।

মতাংসিদা ঈশৈনা পাউহংনবদি লোয়রে, ঈশৈ নত্তবদা।

কোনসাবী - নবেন্না নঙবু হংগেনা হংবনি। নঙগা কায়নরমদাইদা থন্নম্বা চক খুদোপ নবেন্না শিন্নবসে মীনা লাইনা খঙখিনি হায়দনা কোনসাবী মিংথোল লৌদুনা কৈথেল অসিদা ফম্বনি। নঙবু পোকপা পলেম নমা লৈমরেল শিদবীবু কাউরবরা?

তাম্বুল - ইমা নচানা খঙঙুদদুনা ইবেল হায়না মিংগৌরুরে, নচানা লানখিবা পুন্নমক ইমানা ঙাকপিয়ুকো। নচানা ইমা নঙগী খুয়াখাদা পুনেমজরি (খুকউ কুন্দুনা খুরুম্লগা)। পম্বৌ ইপাগা শকখঙনগদবা কুমলাং কয়া ৱাৎলিবগে ইমা?

কোনসাবী -(চিংখৎপিরগা) হৌগৎলো পারি -ইমাগা ইচাগা খঙনরবনিনা নপল পম্বৌ অপোকপসু ইচাবু ঙাইরম্লগনি, হল্লো ইমাগী পারি ইচাবু ঙাইরম্লগনি, ইমাসু কূমলগেকো।

অসুম্না কোনসাবীগা হাওবগা কায়নরকপদা নুরাবীনা খুল্লং ৭ কা লোয়ননা লৌ য়ানগনি।

হো য়াল্লো - হো য়ানসে
ইপা লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
ফৌরেল ফৌজাও লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
লোম্বা তেক্তা লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে

তাঙ্গুল - হাইস! কিরিকী ঐকী ইপা-ইপুগী খালৈ মরৌচা য়ানপরা? ওয়! য়ানকনো, তানা থিনপীকে।

লৌ য়ানবদু তানখাইদুনা নুরাবীবু তান্নগনি, খুল্লং ৭ মকসু তানখাইগনি। তান্নবদগী ৱারদুনা নুরাবীনা থেমদুনা-

তাইবঙ ওইবা কয়ানা হুনদুং লানথবী হায়না মিংগৌনৈ,
নপারি কোলোয় মিংলেন্না
নম্বা চারুরেল হায়নবু মিংগৌনৈ,
হা- ইমা নপারি ঐহাকপু কাওরবরনে ইমাও,
হা ... পলেম নপারিবু কনা মানবগে হায়নবু
অমুক্তদি মীৎয়েং শানখৈবিয়ুনে অপোকপী,
হন্না-হন্না কৌজরিয়ে... য়ে... য়ে... ইমা।

কোনসাবী-(সিকপ্লোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা)
পারি ইবুংঙো... ঙো...ঙো
নহান নোংগী য়াৰাবু ইমানা খঙনিংদুনা
পারি নঙঙোন্দা পাউহংবনি পারিও,
চহী কুমজা অমত্তা কায়দনা
লাংহৈ কুমশিং কুমজা অমত্তা কাওদনা
ইমাগা ইচাগা উনসি হায়নদুনা
পারি ইবুংঙো পলেম নমা ওইবী ঐহাক্না
লাইবুংথৌ মাপলনা কাবা কৈথেলসিদা
ইমানা ইচাবু লোইদাম কুমশিং কুইনা
ঙাইরকলিয়ে পারিও।

তাম্বুল - (সিকপ্লোন শৈহেক্তা ঈশৈ ওইনা)
ইমা ইবেম্মা ... হা পলেম,
পলেম কৌগেনে ইমাও,
নপারি ওইবনা পলেম ইমাগা,
উনবা য়ারগনি হায়না
তাক্লকলেনে
নপারিবু লাংহৈ কুমশিং শুরবরা অপোকপী,
হা পলেম - নপারিনা পলেম তোয়না কৌজগে
নপারী ওইবা ঐহাক্কী মফমদা
পলেম্মা লাংহৈ কুমশিং শুরে অমুক্তদি তাকপিয়ু
হন্না-হন্না কৌজরিয়ে ইমাও!

তাঙ্খুল - এস! মপূকসে থনখ্রেতা, হো ইচল ঐকী চরমসে য়াম্না ফুনখরে, ঈশিং য়াম্না খৌরাং শাপা ওইয়ে, নখোয়কী পুকয়ু ৱায়য়ু য়াওরপতি খরা থকপিকে পীয়োনে, ইচল।

নুরাবী - হো ইপুং, নঙকীতি য়াওতপনে, ঐকী নুপানা থক্লপতি য়াওপনে।

তাঙ্খুল - এ! ইচল কিরিরা, নঙকী নুপানা থকপসু থকপিপা ঐনা থকপসু থকপিপা, ঐ খরা হান্না থকপিকে, পীয়োনে ইচল।

নুরাবী - এ! য়াতে, য়াতে, পিপা য়াতে ইপুং।

অসি হায়দুনা নুরাবীনা পুকয়ু ৱাইয়ু পায়দুনা চেনগনি, তাঙ্খুলনা তান্নদুনা য়ু মুল্লগা থক্কনি। নুরাবীনা চেনবা মতমদা লাইরোমদা অদুম চেনশিনগনি। নুরাবীনা পুরক্কদৌরিবা য়ু অসি য়ুমাঙ নত্তে, লাইগীদমক শেংনা শেন্বা পুকয়ু ৱাইয়ুনি। মসি শেন্বদা শীজিন্নগদৌরিবা ফৌ অদু নুমিৎ ২/৩ ঈশিংদা তিংলগা লৌখৎতুনা মতোল থোক্লিফাওবা ওমগনি। মতোন্দু নীংথিনা থোকহল্লবা মতমদা কংনা অমুক ফৌদোক্কনি। অকংবা অদু য়াম শানা শুরবা মতুংদা য়ুকোন অচৌবদা হাপ্পগা য়ামদুগা চান্নবা ঈশিং হৈজিন্দুনা ওৎপা য়াবা ওৎলগা নীংথিনা ফমথহন্দুনা নোংমা থল্লগা মদু পায়ানা শাবা য়ুচুম খরাইদা চুমথোক্নুনা লৌবা অদুবু লাইগী য়ু ওইনা কৎনৈ, লাইয়ু কৌনৈ।

হো য়াল্লোহে - হো য়ানসে
ইপা লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে
ইপু লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে

নুরাবীনা লৌ য়ানগনি। পুকয়ু থকপদগী ঙাওরবা তাঙ্খুলনা নুরাবীবু তানা থিনগনি, তেন্না কাপকনি হায়না তান্নগনি।

তাঙ্খুলনা খুল্লং ৭ মকপু তানখাইরে, নুরাবীনা চেন্না-চেন্না লৌ য়ানলগা লম্বুবা কৌগনি।

নুরাবী - হো ... ইপা লমপু, হো ইপা লমপু, হো ইপা লমপু -! হো ইপা নচা ওইপী ঐখোয়না ইপা ইপুকী খালে মরৌচা য়ানপতা হাওপনা তানা থিনকে, তেন্না কাপকে হায়তুনা তান্নরে, হো ইপা লমপু, নচানা কৌচপসে তারপতি অমুক্তা খামপিয়ো।

লম্বু - হো -কনা-কনানো খাম্বীয়ু হায়দুনা ঐবু কৌরিবা?

নুরাবী - হো ইপুং কিরি ওইপ্রানে, কিরিকি অতুম্না শাউপরনে, শাউখিনুনে ইপুং। ইপুং নঙনা তমতা কুমপতা নচলনা ইপুংতা তপখিবা খুতোলপোৎপু লৈপিরকপরনে ইপুং?

তাঙ্খুল - আইস! ইচল নপুংনা ইচলকী খুতোলপোৎ লৈপিপনিনে, এঃ তু অসিনা কুহি কুমলাং ওইপনে, এঃ কো অসিনা চক খুতোপ হায়পতুনে, চুম্প্রা য়েংঙোনে ইচল।

নুরাবীনা খুদোপ অদু চাব্রা, চুম্ব্রা য়েংগনি।

নুরাবী - হো ইপুং নঙনা লৈপিপা খুতোপ অসিতি চপ চাপা ওইখ্রেনে।

তাঙ্খুল - চাপিপা ওইপা! আইস! ইচল অদু ওইরপতি য়াম্না ফপা ওইপনে, খুঙ্গং অসিসু ৱাৎত-পাতপা নুংঙাই য়াইফপাসু ওইপনে।

নুরাবী - হো ইপুং অনী অসিপুতি চুমপা ওইখ্রেকো অতো ৱামেন হৈতি ৱাৎপনে, লৈপিতপরানে ইপুং?

তাঙ্খুল - হাইস! নপুং ওইপা ঐসু কাউপা ওইপনে, নঙকী ৱামেল হৈতু হংপতা পোৎয়োনপী ইপেনতু শাউতুনা ফুকেতুম তৌপিপনে, অতু পোৎপু থেনপা শাপা য়াপ্রা হায়তুনা শাউপীপা ইচল। অতুতা নপুঙ ঐসু য়াম্না ইকায় শাপা ওইখ্রেতা ইচল। অতো ইচল লমশাং লাকপকী য়াম্না ৱাপিপা ওইখ্রেতা নপুংতি। ঐকী মপুক অসিসু য়াম্না লামপিপনে। অতো ইচল নখোয়কী তরা চাকয়োম য়াওরপতি ঐ খরা চাপিকে পিয়ুনে ইচল।

নুরাবী - হো ইপুং! নঙকী চাকয়োমতি য়াওতপনে, ঐখোয় ময়ামকীতি য়াওপিপনে।

তাঙ্খুল - ওয়, ইচল নখোয় ময়ামকীতকী ওইরপসু ঐ খরা চাপিকে, ঐকী মপুকসে য়াম্না লামপনিনে ইচল।

মতাংসিদা তাঙ্খুল নুরাবী চাকয়োম মুন্নগনি। তাঙ্খুলনা চাকয়োম মুন্দুনা চাগনি। নুরাবীনা পুরকলিবা চাকয়োম অসিদা মৈ চংবা পোৎ অমত্তা য়াওবা য়াদে। উহৈ-ৱাহৈ, লফোইতনা শেমগনি। চাকয়োম অসি লৈহৌলা অউপ্পা ৯ অরোংবা ৭ না য়োম্বা, উতং মতাং ২ গী কনম পয়া ৯ অমসুং ৭ না পুনবা ওইগদবনি। চাকয়োম অসিদা মৈ চংবা পোৎ য়াওরবদি হোৎনজরিবা পুম্নমক অরেম্বনি।

ফুমখিপনে, তাপিয়োনে ইপা (লৈপাক্তা কোক কোক থিনগনি) অসিতসু নত্তেনে ইপা, ঐনা য়েনপী অমা লোইচপসু মাকীতা চৎলকা মরুম অতুম কোকপনে, মানা অতুম লৌতুনা চাথোকপনে ইপা।

মতাংসিদা পল্লিবা পুখম থেনজা অমদি ইরোই মচিনচিংবা অসি লমখৈ খঙনবা শীজিন্নরম্বা মওংশিংনি।

তাঙ্খুল - ওয়! ইপা মানা মচীল পঙথি থীতুনা ইপা লমপু নংঙোনতা পাঙহায় হায়পা শাপনে। এ! লমপু ইপা অমসু হায়পিকে, ঐকী ওক লাপা অমা লৈপসু মঙোনতা অতুম লৈপনে, অতুকা ঐনা শেপোৎ থাপসু মাকীতা মরী চৎলকা পানপিপা, অতু ইপা মানা অতুম চাথোকপিপনে।

নুরাবী - এ! ইপা মানা অসুম হায়পা শাপতি ঐসু অমা হায়পিকে, ঐকীসু মাইরেল থাপনে মাকীতা মরী চৎলকা চৎলকা ফচনা পানবা ওইপনে ইপা। অতুসু মানা য়োনতুনা-য়োনতুনা চাথোকপনিনে।

তাঙ্খুল - আইস! অমসু হায়পিকে ইপা, ঐকী মরুম তরেৎ অমসু মঙোনতা লৈপনে, থাচত্রকা হংপিয়োনে ইপা।

নুরাবী - হো ইপুং অতু কিরি হায়পরা, কতাইতগী মরুমলা, লৈতে। ইপা মাকী মরুম তরেৎ ঐঙোনতা লৈতপনে, মানা মচীন থীতুনা পঙহায় হায়পা শাপনে ইপা।

তাঙ্খুল - এ! অতু য়ারোই, মচীন থীপা নত্তপনে, ঐকী মরুম তরেৎ মঙোনতা লৈপনে, হংপিয়োনে ইপা, হংপিয়ো।

লম্বু - ঙাইখোনে নুরাবী, মীগী মরুম তরেৎ নঙোন্দা লৈ হায়রিনে, লৈরবদি পীথোকখ্রোদনা নঙসু।

নুরাবী - ও: ইপা মাকী মরুম তরেৎ অতুদি অমনা থাংচিং লৈঙাক্কনি হায়তুনা থাংচিং মরমখৈতা চৎখরেতো, অমনা মার্জিংতা চৎখরে অমনা ৱাংপরেলতা চৎখরে, অমনা কৌপ্রুতা চৎখরে, অমনা কোরৌতা অমনা মালেমতা চৎখ্রে, ইতোন তোনপা অতোনপা অতুতি ইপা-ইপুকী খোঙকুল লীতুনা তাইপঙকী চাতা-নাওতা সনতোক্কনি হায়তুনা খোইপীনা খোইরা ওইনা ওনতুনা পাইখরে ইপা।

নুরাবী - হো ইপা, হাওপা অসিনা ঐখোয়না ইপা-ইপুকী খালৈ মরৌচা য়ানপতা মখোয়কী মপাকী মপুকী খালৈ মরৌচানি য়ানপা য়ারোই হায়তুনা তানা থিনকে, তেন্না কাপকে হায়তুনা অতুম তান্নপিয়ে, অতুনা ইপা লমপুনা খরা ৱায়েনপিয়ো।

লম্বু - করিগী মীবু তানা থিনগে, তেন্না কাপকে তানবরা, হাওবদি কদায়দা লৈ।

নুরাবী - তু ইপা, আতা তুরোই ঙমলোই ফমদুনা লৈরিপা অসিনি ইপা।

লম্বু - মখুৎ পায়দুনা চিংলকও।

নুরাবী - হে ইপুং, লাউ ইপা লমপুকী মনাক্তা চৎসি লাউনে। নুরাবীনা তাঙ্খুলবু লম্বুগী মনাক্তা চিংদুনা পুরকই।

লম্বু - হে! হাওবা মীগী খালৈ মরৌচা য়ানজববু নঙনা য়ানবা য়াদে হায়দুনা থিংলিবদি করিগীনো ?

তাঙ্খুল- এস! ইপা, লমপুপা ঐকী ইপা-ইপুগী খালৈ মরৌচা ওইপনে, অতুনা য়ানকনু হায়না থিংপনে।

লম্বু - ফরে হাওবা, হায়য়ু নঙগী নপাগী নপুগী খালৈ নরৌচানি হায়বগী করি ৱা লৈ, করম্না হায়গনি।

তাঙ্খুল - এ! ইপা ঐকী ইপা-ইপুগী খালৈ ইরৌচানি হায়পতু চপ চানা তাকপিকে।

লম্বু - তাকউ, তাকউ, চপ চানা ঐঙোন্দা তাকউ, হাওবা।

তাঙ্খুল - এ! ইপা লমপুপা কিরিকী খঙতপরা, অসিতা য়েংপিয়োনে, তু অসিতা লৈরিবা কূৎতক তৌরকা চোৎ-চোৎ লাউনা লৈরিবা অসিনি ইপাকী ইপুকী মরৌচানি।

(তা মনিংনা লৈপাক্তা তোক-তোক য়ৈগনি/থিনগনি)

লম্বু - ফরে হাওবা নঙগীদি নঙগী নপা-নপুগী খালৈ নরৌচানি হায়বা তারে, নঙগীদি খঙলে। নুরাবী নঙগী খালৈ নরৌচানি হায়বদি করম্না ওইবনো হায়বদু ইপাদা তাকলোদনা।

নুরাবী - ও! লমপু ইপা ঐকীসু তাকচকে, তু ইপা কূৎতক তৌনা লৈরিবা অসে, অসিতা পুখম থেনজা তরেৎ, ইরোই মচি তরেৎ য়াওনা

ৱা অসি হায়দুনা তাঙ্খুল-নুরাবী অনীনা খূরু লৈতানা লম্বুদা খুরুমগনি।

ইপা ইবুংঙো, হৌজিক্তি নপারী-নমোম ঐখোয় অনীগী লাংহৈ কুমশিং শুরবনিনা নপারী-নমোম ঐখোয় অনীগী লৈফম তাকপিরম্মুদো।

লম্বু - ফরে, ফরে, হৌজিক্তি নখোয় অনীনা লৈগদবা মফমদু ইপা হায়গে তারো। হৌজিক্তি লাই তিনকোন্দা হঞ্জিল্লো অদুগা পারি-ইমোম অনিনা লংমাইচিংদা ফম্বাল লাংদুনা লৈরগা তাইবঙ কুম্মৈ শান্নরুরো। তাইবঙপানগী অপাম-নুংশি, কল্লক-মীহৌ, অওক-ওক্তা, চাদা-নাওদা, লৌউ-শিংউ, য়ুমলিং-খুনলিংবা পুম্নমক পারি ইমোম নখোয় অনীনা শান্নরুও। ইপাসু চৎলগে, পারি ইমোম অনীসু তাইবঙ শিন্থা পাঙহৌরে।

লম্বুসু ৱা অসি হায়রন্নগা চৎখ্রগনি হাওবগা নুরাবীগসু লৌ য়ানমিন্নহৌরগনি। পুন্না লৌ য়ামিন্নবা।

তরা লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে।
শৌগ্রি লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে।
ফদিগোম লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে।
থোয়দিং লৌনি য়াল্লোহে - হো য়ানসে।

তাঙ্খুল - হো ইচল, হো নুরাবী খোইনা চীকলে, খোইনা চীকলে, খোইনা চীকখ্রে।

নুরাবী - ও! ইপুং কতাইতা চীকপরা, ঐ শোনপিকে, সে নচল শোনপিকে। নুরাবীনা শোন্দুনা ফরে।

তাঙ্খুল - হো ইচল, খামপী মৈপা চিংতুনা নপুং খোই লোককেনে। মৈবা চিংদুনা মৈ লৌরগা মৈ থান্দুনা খোই লোক্লগা খোইরা খোইবাক অদু তাঙ্খুল নুরাবী অনীনা লাইরোল ঈশৈ শক্কুনা লাইদা কৎকনি।

তাঙ্খুল - ইপা, ঐকী ইচা মাঙপা য়ারোই, ঐ ঙসিতি ইচা থিরুকনি ইচা মাঙপা য়াতপনে, ইপা।

লম্বু - সে, সে ইপা ঙসিদি অরুবা ৱা হায়গে হাওবা নঙসু নুরাবী নঙসু তারো। নখোয় অনীনা অমনসু মরুম লৈখরে হায়রে, লৌফমসু নবান্নি তিন্নরে। অমনসু অমদা শাউরনু। নখোয় অনী শাউনরগনু। ঙসি হায়বা কোরৌ নুমিৎ অসিদগী নখোয় অনী তিন্নদুনা পি-পা ওইদুনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী খালৈ মরৌচা অসে খালৈ লমথুং তাল্লো, পুন্না লৌ য়ানমিন্নদুনা লোইমোম ফৌপাল চাউবা, মহৈ মরোংবু থাদুনা, মহৈ মরোং চুম্ববু ওইরসনু।

তাঙ্খুল - ইপা, ইপানা তাকপিপা অতু ঐতি য়াপিপা ওইয়ে নুরাপীকি পুক্লিংগী ৱাতি কিরি করম তৌপরা?

নুরাবী - ইপানা তাকপিপা য়াৱা অসে নমোমসু য়াপিপা ওইয়ে, ইপা।

তাঙ্খুল - অতুতি ইপা, নচানা খঙনিংপা অমা লৈয়ে খরা তাকপিয়ুনে ইপানা, ঐখোয় অনীনা পুন্না খালৈ লৌ য়ানমিন্নরো, অমত্তা ওইয়ো হায়নসু তাকপিপা, অতো ইপা নঙপু কনা ওইপরা, নচাতা হায়পিরোনে ইপা।

লম্বু - নুংশিদা! ইপাগী ইবুংঙো, পারি মদম মানবা, নপা ঐ হায়গে তারো, নখোয়বু শেম্বা-শাবীরকলিবা তেংবানবগী মপু নপল পন্থৌদো নপা ঐনিনে, নপাবু শক খঙদ্রবরনে, লাইবুংথৌ মাপলনা কাবা কৈথেলদগী পলেম নমানা নংঙোন্দা নপল পন্থৌনা ঙাইরম্লগনি চৎলো হায়রকপদো নপা ঐবুনিনে ইপাগী ইবুংঙো।

তাঙ্খুল - পন্থৌ নচানা খঙজদদুনা হায়রোইদবা কয়া হায়খিবা অয়োন-অরান কয়া য়াওখ্রবসু ইপানা ঙাকপিয়ু। নপারি নমোম অনীনা ফিজেৎ ওন্দুনা কুমহৈ কুমশিং কয়া ঙসিগী নুমিৎ অসিবু ঙাইরম্বনি। লৈপাক মরা তপ্পবা, নিংথৌ পুন্সিনবা, খুঞ্জাও লৈচাউনবা লৈতাই শুংদাই নাউথেম শাজবনি, লাইনা লাইপূংদা মীনা মীপূংদা লৈববু তাইজবনে, নপারি-নমোম অনীনা শোয়খি লানখিবা পূন্নমক ঙাকপিয়ুনে পন্থৌ।

খুনজাউই-লৈচাউই, অহল-লমন্না মরী ফৈয়ে হায়না তাকপিয়ে,
ঙসিনা কৌবা কোয়ৌ নুমিত্তি ইবুধৌ ইবেনধৌ অনীমক্কী
চীংখৈনা পাংবা লমদমদা
খোইবীনা খোইরামক্তবু শারমমে,
নদাইরেম হুইতোক হাওবা পাখং
নমোম লংমাই নুরাবী অনীনা
খোইবীনা খোইরা মাবু লোকলুরগা
ইবুধৌ ইবেনধৌ অনীমক্তনা,
খোইবীনা খোইরা মাবু কৎচরিয়েদা,
খোইবী খোইরানা মথোল-মথোলমক্তবু য়ানবগুম
কুমশিনা পোৎমা পোক নোংমৈনা পোৎনি পোক,
পোৎনিদগী পোৎহুমমক্তবু পোক্তুনা,
পারিনা-নমোম্মু মথং-মথং পোকহনবীরম্মু,
নপারিনা মশীংমক্তবু হেনগৎহনবীরম্মু
নমোমনা মশীংসু ৱাহনবীরমগনু,
নদাইরেম খুনবুকলেন অচংবগী
মোমনু য়ুমথোং খুদিংমক্তা খাম্বী মৈশা লাংহনবীরমগনু,
অসিথোং ১০৮ থিংবীরম্মু, অচংথোঙ ১০৮ হাংবীরম্মু,
চাদা নাওদা লৈতবদা -চাদা নাওদা পীনবীরম্মু,
কাওরেন্না শঙ্গোন থলহনবীরম্মু
লোইমোম ফৌবোম্না লোইবী চীংগুম পৈবীরম্মু,
তরেৎকী শেঞ্জানা শেনগাও থলহনবীরম্মু,
পলেম ইমানা নপারি নমোম কয়াবু
চিন্ন-চান্না কোনবীরম্মুনে চীংঙু খোইয়ুম অনীনা
পারি-নমোম কয়াদা থৱায় অচংবা মীরেন অচঙববু থম্বীরম্মুনে
খুনজাউ লৈচাউববু পীবিয়ুদনা
নপারি নমোম অনীনা খুবাক্লা চাংজৌ তরা লোন
ইদুই কাইদা লীশিংনা চীংঙুনা খোইয়ুম অনীদা
চাংজৌ চেপনা থৌনিজরকলেনে এ-এ-এ লাইনিংথৌ।

খোই লোকপগী লাইরোল

পারি ইমোম নখোয়না খোইপী খোইপা ওইনা শাইওন্দুনা খুনগী য়াইফবা পীবিরে, ইপানা মৈরা থানবীরে হন্দোকলো।

খোইরা কৎপগী লাইরোল ঈশৈ (শিকপলোন্দ শৈহেক্তা)

চীংঙু ইবুংঙো হা খোইয়ুম,
খোইয়ুমগী লাই ওইববু লাইনিংথৌ,
পলেম ইমা ইবেম্মা,
হা- য়োইবুনা খোইমোম লাইরেম্বী,
কুমসিনা নোংলেন কুমজা,
পলেম-পম্বৌ ইবুংঙো ইবেম্মা অনীনা,
হরাউ শকশেম তম থৌদোক্লা কূম্মে মক্তবু শান্নবা,
চীংঙু নঙগী কংলৈ নসুমাঙ,
নদাইরেম হুইতোক হাওবা পাখং,
নমোম লংমাই নুরাবী,
নপারী নমোম অনীনা,
চীংঙু কংলৈ নশুমাঙ,
খালৈ ঙমথুংমক্তবু তানজবা,
চীংঙু নরমখৈ চীংখৈনা পাংবা লমদমদা,
খোইবীনা খোইরা পান্দোং লৈনমক্তবু শারমমে,
ইপা ইবুংঙো- হা পলেম ইবেম্মা,
চীংখৈনা পাংবা মরমখৈদা,
খোইবী খোইরামক্তবু শাবদি,
চাক্কী লনগী মপুমক্তবু ওইয়ে,
তানথোংনা ময়ুং ফুই,
লেমথোংনা মফৈ পাকই, হায়নৈদো
খাগী লমদমদা শাবনা ইপা ইবুংঙো
অহল-লমন্না মরীবু শোকই হায়নসু তাকপিয়ে,
লমলেন্না মখা পাংনা শাবদি ফত্তে,
খোইয়ুমনা অৱাং পাংনা শাবদি

হে - হেয়িও,
চীংখোঙ ইবুং ওকনবা,
কৌচেং হারৌ ফাজেমসে,
হে - হেয়িও,
চীংখোঙ ইবুং ওকনবা
লীকলু লাংচেমসে।

লাইরোল ঈশৈ অসি শক্লবা মতুংদা মখাগী ঈশৈ অসি অমুক শক্কনি।

চীংঙু ইবুংঙো খোইয়ুম ইবেম্মা অনীগী
নদাইরেম খুঙ্গং অচৌবা অসিগী
খুঞ্জাউ লৈচাউনবা লোইমোম ফৌবাল চাউনবা
মহৈ মরোং চুম্লবা
খালৈ লৌ য়ানববু খালৈ ঙমথুং তাল্লে
লোইমোম মরু তাবদি
কুমসি চহী কুমজাগী
নদাইরেম খুঙ্গং অচৌবগী
খালৈ মরৌকোন্দা
মতীল মকাঙ তাদববু
লোইমোম ফৌবাল চাউববু
মহৈ-মরোং চুম্বমক্তবু
পীনবীরম্মুনে লাইনিংথৌও।

ঈশৈ অসি লোইবগা তাঞ্জুল নুরাবী লংমাই খূলং ৭ মক লাইমাঙদা খুরু খুদক কূন্দুনা খুরুম্লগা লংমাই লৌতারোলগী থৌরম অসি লোইশিনগনি।

খোইবী খোইরা কৎপা লোইরগা য়ুমথোং খুদিং চীৎথদনা য়েন্নবা খাক্লগা তাঙ্খুল নুরাবী, লোংমাই খূলং ৭ সু খোইরা খোইহি চুপকনি। খোইরা খোইহি চুপলগা তাঙ্খুল, নুরাবী, খূলং ৭ মক লৌ অমুক য়ানগনি। লৌ য়াল্লিবশিং অসিগী মতুংদা মাইবনা ফৌ মখল ১৪ হায়বদি তরা, তোংনু, লিকশি, খারৌ, য়াইফৌ, য়াইশেল, চজাক, চাহাও, পুমানবী, লাংমানবী, মোরসি, মাংদাং, ইচৌয়া, কেদেকপা অসিনচিংবা হুনগনি।

হো য়াল্লো - হো য়ানসে।
হো য়াল্লো - হো য়ানসে।

ফৌ অদু কোয়না হুল্লক্লগা লাইমাঙ য়ৌবদা লেপকনি। তাঙ্খুলনা লাইবৌলা থাফমদগী পায়রিবা য়োৎ অদুনা খূল্লংশিংগা লোয়ননা মরুশিং অদু ওমগনি।

ফৌ মরু ওম্বগী লাইরোল ঈশৈ

তাঙ্খুল - য়োইবু য়োইহৈ ওক্লবা
কৌখা খুঞ্জেমসে
য়োইবু য়োইহৈ থুংনবা
কাওথ্রুম খুঞ্জেমসে।

নুরাবী - হৈতৌনকেতা হৈতৌনকেতা।
হা - খোয়নৌ ইতাশা - ও!
চীংখোঙ ইবুং ওক্লবা,
ব্রাহি ফাজেমসে।

লাইমাঙ য়ৌরগা য়োৎ লেংবান্দা থোংলগা লৌকা ঈশৈ শকলগা লোইশিনগনি।

লৌ কাবগী লাইরোল ঈশৈ

হে - হে- হে য়িও,
য়াউকারে - হে - হিয়ো,
লাংপনকানে হে য়িয়ো,
হে - হে য়িয়ো,
খমজা খমলে হেয়িও,

লৌতারোলদা শীজিন্নগদবা ফিশেৎ লৈতেং অমসুং পোৎলমশিং

১। **তাঙ্খুল শাবগী ফিজেৎ লৈতেং ঃ** লৌতারোলগী থৌরমদা য়াওগদৌরিবা তাঙ্খুল শাবা অদুনা শেৎকদৌরিবা ফিজেৎ অমদি লোয়নগদৌরিবা পোৎলমশিং অসি লাইরিকশিংগী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না পীরি মদুদি,

"মশাপি লংমাই নিংথৌ য়োয়রেনপতি তাঙ্খুল হুয়তোক পাখংপাপু শানা চয়রৈ য়ুংচিংনা, মানলও শেংকমনা, শরুফৈথেৎনা, চুমপুল লাললৈ থেম হূয়রোং চুমফাচিল লোললৈ কোকহূপনা, কুরাউ ফালাং থাং য়াইরী খাংথোমনা, তাংখুল তোরো লৈখম থাঙ থাঙলেন চিনীলোঙপাপু নাকতা য়েপনা তেনতোং নমতা হুল লীরু শাপাইনানা তাঙ্খুল য়ায়রোঙ নামিপা ফিপু চয়রৈ খাওননা, খূৎখাঙ মিতমশিনা হেমপা খুললানপাপু শানা লাকলকয়ে।" - পানথোইপী খোংকুল

মবুংঙো নোংপোক নিংথৌ য়োয়রেনবা হূয়তোক তাংখুল পাখং শাদুনা ফি ময়ুং ইন্না শেৎলগা, ইনফি ফৈজৈ ইলদুনা, মকোকতা শরূ ফৈনা থেৎলগা, মতোনদা লৈ মপুল পয়ানা শাবা লোললৈ, চিনশিল্লগা কুরাউনা শাবা থাংখুমবু য়াইরীনা মরী ওইনা খ্বাঙদা পুল্লগা, তাঙ্খুলগী তোরথাঙ মচি নাইববু নাকন্দা য়ানদুনা মনমগনদা তেন্দোং পোরগা, লীরুং খূৎতা পায়দুনা, তাঙ্খুল ফি লৈরুম অৱাংববু খাওন্না ইল্লগা মখুৎতা খূৎথাঙ হাপতুনা খুল লালবা হাও শাদুনা লাকলে" হায়না পানথোইপী খোঙ্কুলদা ইরি।

"শাপি অঙৌপা নঙসুঙ পোইরৈ অমতা তানা তাংখুল মচীপাবু শালল্লোক-ও। চয়রৈ শেংখমনা মাললও য়ুংচিংনা, ৱাকতং নাশিনা,

লৌতারোলগী মরু ওইবা মফমশিং তাকপা



১. কৌব্রু চিথেক
২. থাংজিং চিথেক
৩. ৱাংবরেল চিথেক
৪. মারজিং চিথেক
৫. নাদয়াই-শিদয়াই পুং
৬. অচঙথোঙ
৭. অশিথোঙ
৮. খোংলম
৯. ঈরম
১০. পাম্রা খোং
১১. লুম্রা খোং
১২. কোনশাবীগী ফমফম
১৩. খোইরা লোকফম

তরাগী চাকঙলবু চারগা চরৈ লেংদোন য়াল
খুবোম হাইচৌ লোলশিল্লে
খুদাং য়াইশি লোলশিল্লে
নাদ চোমলাং য়ানশিল্লে ...
তিমেল খুত্তা পায়না ...।

"মৈতৈ লাই হরাউবা" ঙারিয়ানবম কুল্লচন্দ্র, লমায় -৭৫ দা নুরাবীনা ...।

মথক্কী ৱাফমশিং অসি নৈনরুরগা লৌতারোলগী থৌরমদা তাঙ্খুল শাবনা শেৎকদবা ফিজেৎ মওং মতৌ, মশক অমসুং লোয়নগদবা পোৎলম চৈরমশিং মখাগী অসুম্না ওই। মদুদি

১। তাঙ্খুল ফিনা ফৈনা খুকউ মথক ফাওবা নামৈ য়েপতনা শেৎপা (মনুংদা অমুবা খুদৈ অমা নামৈসু লাইখলসু তুংদা পুল্লপ য়েপলগা কৌনা শেৎকনি)।
২। ইন্নফি ফৈজৈ ইনবা, তাঙ্খুল ফি লৈরুম অৱাংববু খাওননা ইনবা।
৩। কোক্তা শরু ফৈনা থেৎলগা মতোন্দা পৈয়ানা শাবা লৈ লোনলৈ থেৎচিনবা।
৪। কুরাউনা শাবা থাঙখুম্লু য়াইরীনা মরী ওইরগা খ্বাঙদা য়ানবা অমসুং তাঙ্খুলগী তোরথাঙ মচী নাইবা কৌবা লাইথাঙ অসি হাপকনি।
৫। তেন্দোং নমদা পোবা (তেন্দোং অসি উতংৱানা ওইগনি।)
৬। তেন্দোংদা তেনজৈ ৭ হাপকনি (তেনজৈদি তেনৱানা ওইগনি)
৭। খুৎ ওয়দা লিরুং পায়বা (পোঙগন / ৱারক লাঙজন মরী লোংঙান লিরুং ওইগনি)
৮। লিনা লোনবা খুদাংয়াই, খুবোম য়াই খুৎ অনী খোঙ অনীমক্তা হাপ্পা।
৯। খুৎ য়েৎতা তাপাক পায়বা (পায়গদবা তাদি খংনিং তানি)।
১০। নাদা ৱাকতং নাশিন চিনবা (ৱা মচানা কক্তুনা শেম্বা নাদ চিন্নবা লৈতেং)।
১১। নাকন্দা পায় য়ানবা (পায় মণিপুরদদা নত্তনা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা শীজিন্নবা ৱানা শাবা খাউনি, পায়দা পান্নাউ শিংনাউ খরা হাপকনি)।

য়ুয়রোং লুফাচিল, চয়পুল লালয়ে থেৎককচাক শমখোমনা শরু ফৈথেৎনা, তাংখুল তোরো লৈখোম থাঙ থাঙলেন চিনী লোঙপাপু নামৈ য়েপ্পা খুৎমাঙ মিতম থোং লীরী থম্মোয়তিং লকা তেনমৈলাক কাঙকম য়াতা চীক্লা হাওরা মুয়ুম য়াংশঙ লীপু ময়ুম খোইপাকশা, কুরাউ ফালং থাং, য়াসরী খোমথোংনা কুমনা পোৎতমপু তাংখুল য়ায়রোঙ নামিপপু চয়রৈ লেংতোল য়াননা য়াংলৈ তাউপা হুয়হংপপু শারকও''- পাম্ভোইবী খোঙকুল।

''ইবুংঙো অঙৌব নঙন মচী তাংখুল শাদুনা লাকউ। ফৈজোম ফৈজৈ শেৎলগা ইন্নফি ময়ুং হৈন ইল্লগা ননাদ উতোং লিলকউ পয়া কারল কোক্তা পুল পজেং চরোং থেৎ, শমখোঙ কোয়ন কল্লগা শরু ফৈন থেৎতুনা লৈপাক হাইনব তাংখুল তোর্থাঙ চিনাইববু নামৈদ য়েপতুনা নখুৎতা খুৎথাঙ হাপ্লগ লীরী থম্মোয় ফাওবা চিংলো তেনমৈ চপ্প ফারো, নয়াদ লীরী চীক্লকউ। কুরাউ ফাল য়ানদুন য়াংলীন শাব হামৈ মপাক পুরকউ। য়াইরীন খোঙদ য়েৎলগ কুমনা মপোৎ পুদুন তাংখুল ফি মরাক পীকপা অদু মরেংবান্দ য়ানদুন হুয়হংব শান লাকউ।''

পাম্ভোইবী খোঙকুল লা: ৫৫

থাঙ কৎপগী ঈশৈদা ঃ

''নোংপোক মালং হুমোইবা
নোংপোক মালং হুমমোইবা
নকোক্তা চিরোংবু থেৎচিনলে,
ননাদা চোমলাং য়ানশিনলে
খুবোম য়াইশি লোনশিল্লে
খুদাংদা হায়চৌ শিজিল্লে''

- লাই হরাউবগী কাঙলোন ২ শুবা লা: ১২৩

খুবোম য়াইসিমক্তবু লোলশিনলে
খুদাং হায়জৌ শিজিল্লে
ননাদা কোম্থাঙ য়ান,
নাকলদা পাইবু য়ান
তেনদোং নমদা পোরদনা
তিমেল তাপাক নখূৎনা পায়, ...।

লাই হরাউবগী কাঙলোন ২ শুবা লা: ১৩০

লৈতেং অমসুং লোয়নফম থোকপা পোৎলমশিংগী ওইফম থোকপশিং।

১। কুমলং ফনেক (কুম পান্নীদগী লৌদুনা শংবা লংনা শাবা ফনেক) শেৎপা মতমদা খুবোম ফাওবা কৌনা খ্বাঙদা শেৎপা।

২। খাওন ফুরিৎ (অঙৌবা মচুগী ফিদা নাপু মচুনা মপান ওইবা ফিনা খাওন ওন্দুনা ফুরিৎ ওইনা লিৎপা) থাখুম ওইনা থবাক্তা শেৎপা।

৩। খ্বাঙচেৎ (হিগোক্তা লৈশিনবা)।

৪। কোকশেৎ (মুরৈনবা মচুগী ফিনা তুংদা মমৈ তাহন্দুনা শেৎপা)।

৫। নাদ-শিনৌ লশিংনা শাবা লৈতেং চিনবা।

৬। নাদ লিক্লাই শিবা।

৭। ঙক্তা লিক অঙৌবা শিবা।

৮। তুংদা শম য়ানবা (শম অদু মখোঙ হাপ্তবা, নমলি পুনশিন্না হাপচিনবা)।

৯। য়োৎপাক মচা অমা।

১০। শমদা চাকয়োম হাপ্পা (চাকয়োম অসিদা মৈ চংবা পোৎ য়াওবা য়াদে, উহৈ ৱাহৈতনা শেমগনি, লৈহৌলা অউপ্পা ৯ অরোংবা ৭ না য়োম্লগা, উতং ৱা মতাং অনীগী কনম পয়া ৯ অমসুং ৭ না পুনগনি)।

১১। য়ুখুম তূম্বা (তূম্বা অসি পুকয়ু ৱাইয়ু থকপদা শীজিন্নবনি, পুকয়ু ৱাইয়ু হায়বসি লাইগী য়ুনি, পংসি শীজিন্নরিবা য়ুমাঙ অসি নত্তে)।

৩। **কংলৈ লৈপাক মপু** ঃ লৌতারোলগী থৌরম অসিদা য়াওরিবা কংলৈ লৈপাক মপু - অসিগীসু ৱারীগা চান্নবা ফিশেৎ মথৌ তাই। অরিবা লাইরিক্তা কংলৈ লৈপাক মপুগী মরমদা য়াওবা থেংনদে। অদুবু কংলৈ লৈপাক মপুনা শেৎকদবা ফিশেৎকী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না নৈনদুনা য়ান্নরবা ওইফম থোকপা মওং অদুদি,

১। কোকয়েৎ ফৈয়েৎ

২। খুমিৎ মথক ফাওবা অঙৌবা ফিনা লাইখন (কুনজা) য়াওনা নামৈ তুংদা নমশিন্দুনা শেৎপা।

২। **নুরাবীগী ফিজেৎ লৈতেং ঃ-** লৌতারোলগী থৌরমদা য়াওগদৌরিবা নুরাবী শাগদৌরিবা অদুনা শেৎকদৌরিবা ফিজেৎ অমদি লোয়নগদৌরিবা পোৎলমশিং অসিসু তোঙান-তোঙানবা লাইরিকশিং অমদি অখঙ-অহৈশিংগী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না পীরি, মদুদি,

পাম্থোইপী খোঙ্কুল কৌবা অরিবা লাইরিক্কী মতুংইন্না ‘‘ তম্পা কোরও অৱাংপীতি... চিনফি খানীকনা, লাইফি খোয়থোমনা, ককচা শমথোমনা কোনঙৌ পনচলশি, লীক্লাই নাথংনা চিঙনা য়িনরুমথোৎ, লাওখোৎ মাঙয়িননা, হাওশম তুংথাংনা লংমাই চিঙঙুচা তাতরাপাপু চূপা লৈথেৎ ফানা খাললৈ লওতায়ে।’’

‘‘মদুদি চিনফি হায়বা ফি অদুনা থাখুম ওইরগা লাইফিনা ফনেক ওইনা খোয়দোম শেৎতুনা লূমাঙগী শম কক্তনা লৈশারগা তুংগী শমনা খোমজিননা তাহল্লগা, কোল অঙৌবনা ঙক্তশি, নাদ লীক্লাই শিরগা, তেংনাগী য়েম্পাক তুপ্তুন, লত্ত খোৎনা য়োৎনা মাঙদা, হাওশমনা তুংদা য়ান, লাইনা থাবা নোংমাইচিংগী লৈনা চুবাদা থেৎতুনা লাও তাবা চৎখি।’’

লৌতারোলগী থৌরমসিদা নুরাবীনা শেৎকদবা ফিশেৎ লৈতেং অমসুং লোয়নগদবা পোৎলমশিংগী পাম্থোইপী খোঙ্কুলগী মতুং ইন্না

১। চিনফিনা থাখুম ওইবা (লশিংনা শাবা অঙৌবা ফিদা নাপুনা মপান চনবা ফিনা খাউওন তৌদুনা ইনবা)

২। লাইফিনা ফনেক ওইরগা খোয়দোম শেৎপা। (কুমজিংবী)

৩। লুমাঙগী শম খোমগৎতনা কোয়না ককলগা লুতুংগী শম খোমজিন্দুনা তাহনবা।

৪। ঙক্তা লিক অঙৌবা শিবা।

৫। নাদা লীক্লাই শিবা।

৬। তেংনাগী য়েম্পাক তূপ্পা।

৭। লৌ খোৎনবা য়োৎপাক মচা অমা মাঙদা পায়বা।

৮। লাইনা থাবা নোংমাইচিংগী লৈনা চুবাদা থেৎপা, অসিনচিংবনি।

মথক্তা পীরিবা অসিদা লমদমসিগী অখঙ-অহৈ কয়ানা কুপ্না নৈনরগা অমদি হান্না চৎনরম্বগী মওংশিং য়েংলগা ওইফম থোকপা নুরাবীগী ফিশেৎ

৪।

৭। **নুরাবীগী খুল্লং৭ ঃ** (নুরাবীনা মশাদগী পুথোকপা লাইরেম্বীশিংনি)

১। কুমলাং ফনেক ফিদোল চিংখৎতনা শেৎকনি। (খ্বাঙদা শেৎপা)

২। খ্বাঙচেৎ (নাপু মচুদা লৈশিনবা)।

৩। লশিং ফি অঙৌবদা নাপুনা মপান চনবা ফিনা খাওন ফুরিৎ লিৎপা (থাখুম ওইনা)

৪। কোকশেৎ নাপু মচুনা তুংদা মমৈ তাহনবা।

৫। নাদ-শিনৌ লশিংগী লৈতেং চিনবা।

৬। খুত্তা য়েংদৌ মতাং ৭কী লম্মুক শাংবা অমমম পায়গনি।

৩। ফুরিৎ লিৎতবা ফিঙৌনা খাওন ইনবা।

৪। খ্বাঙদা ফিনা তুবা শেনখায় নৎত্রগা শেন হাপ্পবা অশাংবা মরীনা ফাজিনবা, খাউ অমা কিবা।

৫। খুৎতা চৈশু অমা পায়বা।

৬। তাঙ্খুলদা পীনবা য়োৎপাক অমা নাকন্দা থৌরাং তৌদুনা থম্বা।

৪। **লম্বু ঃ**

১। কোকয়েৎ ফৈয়েৎ য়েৎপা।

২। খুমিৎ মথক ফাওবা খুনবুনা শেৎপগী মওংদা ফিঙৌনা শেৎপা।

৩। ফুরিৎ অঙৌবা ঙক কোয়না কোৎথোকপা লিৎপা।

৪। লিক অঙৌবা ঙকশমদা শিবা।

৫। ফিঙৌনা খাউওন ইনবা।

৫। **কোনসবী ঃ**

১। কৌব্রু চীংদা লৈরিবা খোইরেন তম্পাক নৎত্রগা সাইতু তম্পাক হায়বা মফম অসিদা খুন্দারম্বা অরিবা মতমগী চীংমী অহল নুপী অমগী ফিজেৎ শেৎকনি।

২। ইন্নফি ইনবা।

৩। খুত্তা চৈসু পায়বা (য়েংথৌ লম্মুক শাংবা মতাং ৭ কী চৈশু)

৪। ফিঙৌনা খ্বাঙচেৎ শেৎপা।

৫। ফিঙৌনা কোকশেৎ শেৎপা।

৬। কোক্তা লুকমাই পুবা (কোনসবীগী লুকমাইদা মৈ চংবা পোৎ য়াওবা য়াদে। অনৌ অপেৎ, চক খুদোপ, কুহি কুমলংনচিংবা হাপকনি।)

৬। **নরাইকোকপী ঃ**

১। ফিশেৎতি ঙল্লিঙৈ মতমদা কৌব্রু চীংগী খোইরেন তম্পাক নৎত্রগা সাইতু তম্পাক হায়বা মফম অসিদা খুন্দারম্বা চীংমী ফুরুপকী নহা নুপীগী ফিশেৎ শেৎকনি।

২। খুত্তা ব্রাকতংনা শাবা মৈরা পায়গনি।

হোইরৌ অসিবু শক্তুনা হোইদোক্লে। অদুনোংগী হোইরৌও তৌনা কৌএ। অতিয়ানা হোইদোক্লকপা অদুবু কুরু শিদবনা তারদনা মপূক মনুংদা হঞ্জিন্না য়েংববু অতিয়া শিদবনা লৈবা অদু উরে। কুরুনা ঐগী ইপূক মনুংদা লৈবসিবু লৌগে তৌবা ওইরে, ঐনা য়াদ্রবদি ফররোইএ হায়দুনা কুরু মহাক্কুম্বা অমবু পুথোক্তুনা মায়য়োক্লনা মমাঙদা ফমহল্লবগা কুরুনা ময়া কাথোকলে। মপুক মনুংদা লৈবা খিবিক্তো কুরুগী মমাঙদা লৈবা অদুবু উরদুনা ঙম্না হাদোক্লক্লে। কুরু সিদবনা হাদোক্লকপা অদু খৈবিকপু - হৈয়া য়িহে

- হৈয়া হৈয়া হৈয়া

- হৈয়া নাগে

অসিবু শক্তুনা হৈয়াবু- ঙাইএ। অদুগীবু হৈয়া কৌএ।

অতিংকোক কুরুগী মমিংদি সহ হস কৌএ। অতিয়া শিদবগী মমিংদি হিংকারে হঙ হোই হে হে কৌএ। কুরুগী মপুক মনুংদা লৈবা খৈবিক্লা হাথোকলকঙৈগী শক্লবা শৈশক্তি -

হোই হোই হাহাহা,
হোই হোই হোই হা হা হা,
হেরিল লো হেরিল্লা হেরিল্লা,
হায়ুতে খুল লৈতে, হৈয়াহে য়াসে,
অদু থোইনা হরাউবা লৈবনে,
তাহাউ হৌ হে হৌ হয়ানকেদা।

অসুম্না কুরুগী মপুক মনুংদগী হাথোকলকপগী থৌদৌ অসিবু ঙসি ফাওবা লাই হোই লাউবা হায়দুনা চৎনরি। লাই হোই লাউবগী লৈশেমলোনগা লৈনরিবা অশেংবা শৈরোল অসিদা অতে খুঞ্জাও লৈচাওনবা শৈরোল কয়া অমা হাপচিন্দুনা হোইগী শৈরোল ওইনা লাউনরি।

অতিয়া সিদবনা লৈপাক শেম্ববু হরাবনা মহৌ মহৌ য়েখায়রে, অদুবু নঙনা অমুক্তা কাউহল্লো হায়না কুরু শিদবদা হায়জববু কুরু সিদবনা নোংথাং লৈমা পুথোক্তুনা ব্রাহংএ। নোংথাঙ লৈমা-ও নঙনা য়েংবদা নমিৎনা করি উরবগে। নোংথাঙ লৈমনা খুমজেয়ে, ঐনা মায়কৈ ৮ মকপু লাকশিন্দুনা য়েংবদা মপুক কনজাওবগী মশককুমপা আ-করিনো অমদুম উইয়ে হায়না খুমজরবদা কুরুনা অমুক হায়এ-হে খোয়নৌও অতিয়া সিদবনা লৈপাক শেম্ববু

লাই হরাউবগী পাউশা ঈশৈ

তাইবঙ মপু অতিংকোক সিদবনা মালেম লৈপাক শেমগে নীঙলদুনা মচা নিপা অতিয়াশিদববু কৌথোক্তুনা হায়, নহাক্কী নপাদি কনানো হংবদা অতিয়াশিদবনা ইপাদি নঙনি হায়না খুমএ। নঙনা ইপাবু খঙলবদি ইপা অরিবনে লৈরিবা অসি খৈবীকপু নঙগীনে হায়না শিন্নরবগা মচা অতিয়া সিদবদা অতোনবা নঙনা লৈপাক সেমলুও সীথরকলে। অসিবা হায়না কৌয়ে।

অতিয়াশিদবনা লৈপাক অসিবু করম্না শেমসিবনো হায়না নুংবংনা লৈরিঙৈদা মপুকনিংদা অমুক নীংশিংলক্লে। ঐনা তৌরিবসিদি ওইররোই হায়না নীংদুনা অতিংকোক সিদববু তান্নগে হায়না অতিংকোক সিদবগী মফম তান্না কারক্লে। অতিংকোক সিদবনা অতিয়া সিদবা নঙনা কারকপবু কমদৌরে হংলকলে। অতিংকোক সিদবা নঙনা লৈপাক সেমও হায়বিবদু ঐনদি করি খঙদবনা নুংবংলে। কুরুগী মশক উগদবসু কিজরে। কুরুগী নতিকপু খজিক্তা তাকপিয়ো হায়না খুরুমজৈ। কুরু সিদবনা হায়এ, ঐগী ইতিকপু খঙনিংলবদি য়েংও হায়দনা ময়া কাথোক্লবদা মপুক মনুংদা লৈরিবা খিবিকপু অতিয়া সিদবনা মমিৎনা উরবদা হুম সিদবও হাক্লা কিজরে খুমজিনবীরো হায়জবদগী কুরু সিদবনা খুমজিনলবদা অতিয়া শিদবনা মপুক মনুংদা নীংলে। কুরুগী মপুক মনুংদা লৈরিবা পুম্নমক অসি লৌরগে নীঙলদুনা কুরুগী মপুক মনুংদা হুনজিনখিরে চোংশিনখিয়ে।

কুরুগী মপুক মনুংদা লৈবা খৈবিক্তো অতিয়া শিদবনা হোইদোক্লগে নীংদুনা হোইবা হৌরকলে।

আ হৈয়িহে হোইরৌ,
হোইরৌ হোইরৌ
হোইরৌ নাকেতা - সে।

৫৫

নোংথাংলৈমা - হে ইবুং নহাবও,
য়ারৌদগী সঙাইনা,
মচি কেক্রু থোক্তরি,
লল্লানবুংগী কাকফৈনা,
মনা হুম্মাই শাদরি,
তোকফমদগী ঙমুনা,
খোইজু তোলোং চিন্দরি,
কোংবদগী ঙাখানা,
পোলাং কানক নক্তরি,
সুক্লা মহৈ য়ান্দরি,
য়াংকোক্লা মপান সাদরি
কুমসি মপান সারগা,
নোংমৈ মহৈ য়াল্লগা লৌজসে।

অসুম্না পাউশানরিঙৈদা অতিয়া সিদবনা লৈপাক শেন্বা লোইখরে। লৈশেম্বদা শক্লবা ঈশৈ মতেক অসিবু ঙসিসু ঐখোয়গী লাই হরাউবগী পাউশা ঈশৈ ওইনা মৈনা ব্রায় তাংন শম শক্লরি।

লৈপাক শেন্বা লোয়রবদা অতিয়া শিদবনা হায়এ। হে হরাবা-ও হৌজিক্তি অমরক নঙনা ঙম্বমখৈ তৌও হায়রবদা হরাবনা খুমএ। হৌজিক্তি ঐনা তৌবা ঙল্লরোইএ হায়না অসুম্না পাউরৌননা খুমএ।

ব্রাকথ্রুবী মৈ কামও
ইচিল তুমএ কামফদে।

অতিয়া শিদবনা থেংগুও লৈপাক অসিবু ময়ুং মঙাল চাউনবা লৈপাক অসি থম্লবা লৈরোল অমা শেমগে নঙবু লাউও পুমন-ও হায়থখিএ। থেংগুনা হায়এ ঐনা পুবদি মপুং ফাবা ঙমলোইএ। ঐখোয় তান্নদুনা পাফল তোক্লেন লীসিং অমা পানবদু থোকসে হায়না খুমএ। মসিদা অসুম্না পাউরৌনৈএ

থেংগুও নহাক পো-ও।
ইনম পোল্লে পোনফদে।

অসীবগা থেংগুগা অনীমক্লা ব্রা তান্নদুনা পাফল তোক্লেন লীসিং অমা পানবা পোক্লে। পাফল পোক্লবগা পাউরৌনবা ঈশৈদি -

হরাবা নঙনা উরিবা অদুনা লৈপাক অসিবু মহৌ-মহৌ চাইখাইরে। নঙবু খামহনগে হায়দনা মৈরীগী মশক্কুম্না নঙবু থাংতোকপনে।

কুরুগী ৱাসি তারবদা নোংথাঙলৈমনা মৈরিগী মশককুম্না ফিসেৎ ওইনদুনা কুরু শিদবগী খুৎনাউবীদগী চোংথোকখিয়ে। অতিংঙা তরংগী মথক্তা তগুপ-তগুপ তরং-তরং ঙালনা লৈরে। লৈপাক অদুবু হরাবনা অমুক চাইখাইগে হায়না য়েংলকপদা অতিংঙা তরংগী মথক্তা তগুপ তরেংনা ঙালনা সান্না লৈরিবসিবু কদাইদগী থোক্লকপনো। ঙালনা সান্না নীংথিবিসিবু মপাউদুম হংগে হায়না হরাবনা হংলকএ।

হরাবা - অহাংবা তরঙগী মথক্তা
মৈরাগী মশক্কুমনা লৈরারিবী নঙবু
পাইমা ঐগী পুক্লিংদা মিৎচুয়ে
থম্মোই পুক্লিং খোইদবা ওইরেদা
হা পেম্মা নঙবু কনানো

নোংথাংলৈমা - হোইদা, হে নহাবা অপিসক,
লৈকু মরুম খোইচোপ্পা,
লৈরাই মরুম খোইহায়বা,
লৈতুম হুলনা পাউশাবা
চেগাই লংনা পাউতোয়বা
ইপল পম্বৌগী পুল্লাং লুরোই কায়রেদো,
সিংবীরোইবু হায়বরা
ইপলনাবু করি হায়গনো

হরাবা - হে পেম্মা নঙবু হুনদেদা,
লৈপাক শঙদা লৈবিদো,
কোর্কনথক্তা ফল্লিবী,
মনম নোংসা য়াইরিবি,
চোম কোয়তোয় সিরিবী মাবু হুনবনে।
হে পেম্মা নীংথিবীও,
খিং খিং লৌজসে
পান্না লৌজসে
নোংদম ৱায়থুং ওইনসে।

খোইজু তোলোং চিন্দরি,
কোংবদগী ঙাখানা
পোল্লাং কানক নক্তরি,
সুক্লা মহৈ য়ান্দরি,
য়াংকোক্লা মপাল শাদরি,
নোংমৈ মহৈ য়াল্লগা লৌজরো,
ইতাখোয় য়ারাখোয়,
শগোলনা চেনসে লানচেনসে,
উরাল চীংদোল লোমলুসে,
খঙলা পোৎতম পুরুসে,
লাই থরোই চাক খাঙসে,
হৈতুপ পিতুপ পিদাইনু পান্না তপতাইনু,
শগোল তোংবা কাইরামবা,
নঙবু তোংবা য়াঙদেদা,
লম পান্না খোঙশাংবী,
নঙবু সায়বা ঙাঙদেদা,
ইনিং ইমাঙ হাইরৌনা,
খূবাক হাইরৌনা হংচে কোল্লো।

হংয়াং ঙানা অয়াংঙা,
কোক্কায় মোইতাং অয়াঙঙা,
হিতা থাংমৈ অচেংঙা,
চোংগোয় লীক্লাং ৱায়রংখু,
থেংগু নম্বোল নোয় নোয়,
হৱাই থাংপাক মথাংপাক,
চীংবি লোইয়া মরোয়য়া,
লম্লোই খারোয় খাচিকনা,
খাচিক খাবাংনা,
মোকসি মোসি নারেংঙা,
নুরা লেংখাঙ মসেমসে।

অথিং কোরে থিংকোরে,
থিংকো লাংমৈ থিংকোরে,
লাইরেল কোকপা থিংকোরে,
থিংকো লাংমৈ থিংকোরে।

অসুম্না পাউরৌনবা শৈরোল অসি ঙসিসু লাই হরাউবগী পাউশা ঈশৈ ওইনা অদুমমক শক্লরি।

লাই অয়াম্বনা চানা থক্লববু লাই কৈরুংবগা তানরে। লাই কৈরুংবনা স্নচীংদা কাখরে। লাই অয়াম্বনা চানবা খোইনিংনা তুথরকলে। লাই অয়াম্বনা হায়নৈএ, নঙগী ঐগী নকা ইকাদগী মচাসে হায়না পাউরৌ ঈশৈ অসি শকনৈএঃ-

খোইনিংও তুথরো,
নাৱা ঐনা খুঞ্জগে,
ইপুরোই চানিংলোই,
নকা ঈকা, খোঙথীনলোই,
খোইনিং-ও তুথরো,
নাৱা ঐনা খুঞ্জগে,
অথুম্বা অদু চারগে,
থোইদিং-ও মাকেরে,
কবোক-ও মকা লাম
হংগাম মুবা লী-ও-লী-ও।

পাউশা ঈশৈ মতেক অসিসু লাই হরাউবগী খেনচো ঈশৈদা কায়দনা শক্লরি।

লৈশেমঙৈদা লাই পাখং লাই নুরাশিংনা পাউরৌনবা ঈশৈদি

খিং খিং লৌজসে,
পানা লৌজসে,
য়ারৌদগী সঙাইনা,
মচি কেক্রু থোক্তরি,
ললহামবুংগী কাকফৈনা,
মনা হুমাই সাদরি,
তোকফমদগী ঙামুনা,

ঔকরিও কোলও,
মাল্লেম হৌনৈংগী কোলও,
লৈকা হৌনৈংগী কোলও,
কোরৌ হৌনৈংগী কোলও,
নোংকা হৌনৈংগী কোলও,
লৈকাই সেমনৈংগী কোলও,
লৈমায় সেমনৈংগী কোলও,
লৈমায় তেমনৈংগী কোলও,
পোংলৌতোলনা কোলও,
লৌথিবনা কোলও,
চাপোবিগা কোলও,
খোংজোম্বীগা কোলও,
পুনুং থায়েগা কোলও,
হৰাই থায়েগা কোলও,
মরী ৰায়েগা কোলও,
হৌনরকনৈ কোলও,
মখোয়ৰাগী হৌনরকনৈ কোলও,
সামুদোলনা কোলও,
অয়াঙবনা কোলও,
মরীৰাগী কোলও,
নেথেৎৰাগী কোলও,
হৌনরকনৈংগী কোলও,
পোংলৌতোলনা কোলও,
লৌথিবনা কোলও,
য়াইবি হৌরে কোলও,
মনুং হৌরে কোলও,
লৈপিংলাংবু সেম্নরে কোলও,
কংখুল্লাংবু লাংথাকলে কোলও,
সামুদোনবু কোলও,
অয়াঙববু কোলও,

আরে আরে লাইচুম্বা,
আরে আরে লাইচুম্বা পাংকি ঐনা,
হাইনরু সমতরু ৱারুলু,
চোমও চোমও চোমও,
সংতে করেংঙা চোমও চোম,
লাইও নাইসংতে,
কাতিকতা লাইও লাই চোমও চোম,
সংতে করেংঙা চোমও চোমও,
ইনীং ইমাঙ হাইরৌনা,
খুবাক হাইরৌনা হংচে কোল্লো।

কুম কুম সেক সেক,
কুম সেক সেক,
সেক কুম কুম কুম সেকসেক,
সনা নংথা নুংখারৈ,
নুংকা লৈতে নুং লৈতে,
নুংলৈ সললৈতে,
নুংলৈ সললৈতে,
নোংকা লৈতে নোং লৈতে,
নোংকা লৈতে নোংলৈ সললৈতে,
ফিৎতা লৈতে সন্না ননখা নুংকালৈ,
লাইরেম্মগী তীল্লিখোক,
লাইনিংথৌগী তীল্লিকক
ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা
খুবাক হাইরৌনা,
হংচে কোল্লো।

ঈশৈ অসি ঙসিসু লাই হরাউবগী পাউশা তীললুক ঈশৈ হায়না শক্লরি। ঈশৈ মতেক অসি লৈশেমঙৈদা লাই পাখঙ লাইনুরাশিংনা শক্লরম্বদুমক পাথাং-পুথাং য়ৈনা শক্লরি।

লাই পাখং লাইনুরা অয়াম্বনা চাক চানরে য়ু থক্লরে। অদুগা হংগেল কোল্লো সক্লরে। সামুদোন অয়াঙবা ফারে। অদুগী ঔকরি সক্লরে। শৈরোলদি,

হূলনা সেন্নে কোলও,
কোংগোই শেন্নে কোলও,
সামুদোনবু কোলও,
অয়াঙবনা কোলও,
হূলনা থুরে কোলও,
কোংগোই থুরে কোলও,
লাংচেল ৱায়রে কোলও,
লীতোল ৱায়রে কোলও,
ৱাইতোন লম্মহল থোন্নরমএ কোলও,
মসেক তারে কোলও,
সেক্তা-ও কৌএ কোলও,
মখোঙ মসা কক্লে কোলও,
হৈকক-ও থোন্নরমএ কোলও,
য়াচল চল্লে কোলও,
ঈকোপও থোন্নরমএ কোলও,
লাংগোই হৌগে কোলও,
খুরুপ হৌগে কোলও,
মানবল হৌগে কোলও,
লাংসঙ শঙলাংচান্দা ৱায়থুংলে কোলও,
হে হুম হা য়ে হুপ।

খেঞ্চো খেঞ্চো,
খেঞ্চো লাংমৈ খেঞ্চোরে,
অথিং কোরে থিংকোরে,
থিংকো লাংমৈ থিংকোরে,
লাইরেল কোকপা থিংকোরে,
থিংকো লাংমৈ থিংকোরে,
প্রুম হাহা লিখাও খাও,
কাকলেন খুজিন চু চু,
অচি চিরো চিচিরো,
হামেং খেঞ্চো মখেঞ্চো,

লৈপি লাংদা থুরে কোলও,
কাংখুল লাংদা থুরে কোলও,
পোংলৌতোলনা কোলও,
লৌথিবনা কোলও,
হাও মূক্লানরে কোলও,
লেংফাই চন্না কোলও,
মোংবা তাজিন খুরৌ নেৎনরে কোলও,
চাখানুবীনুনা কোলও,
খোম্বিনা কোলও।
ৱাকোললে কোলও,
মতু মমাল ফোয়না ৱাকোললে কোলও,
সৱা তুকেনবী চীংও কোলও,
মকোয় ফোয়না ৱাকোল্লে কোলও,
মরাং কোইফোয় চীংও থোন্নএ কোলও,
লাংচেং মরুথেৎপু সৎতোক্লে কোলও,
লাইসঙ চীংলাংমৈও থোলনএ কোলও,
নেৎথেৎপদি লৈচিল ওইখিএ,
অমরক হৌনখিবএ কোলও,
পূক্লুং থায়ে কোলও,
হৱাই থায়ে কোলও,
পূক্লুং অদুবু কোলও,
সামুদোলও কোলও,
অয়াঙবনা কোলও,
নেৎথেৎলে কোলও,
খাবা উনলেনবী ওইরে কোলও,
অমরক হৌনরকলে কোলও,
পুক্লুং থায়ে কোলও,
হৱাই থায়ে কোলও,
লোংলৌতোলনা কোলও,
লৌথিবনা কোলও,

পান্না তপ্তাইনু,
সগোল তোংবা কাইরামবা,
নঙবু তোংবা য়াঙদেদা,
লম পান্না খোঙসাংবি,
নঙবু সায়বা ঙাঙদেদা।

হে ইবুং,
চীংয়া চৎপা লাইকম মানবা,
লমলক চৎপা খোঙসাংবা,
অহেনবিদি উরক্কে,
অথোইবীসুং খঙলক্কে,
নতৈমা ফুংগানাক ফম্বিনা,
মীথি মীরুম্নঙমএ,
মনীং মমাঙ হাইরৌনা
খুবাক হাইরৌনা,
হংচে কোলও।
হায়াংঙা অরাংঙা,
কোক্কায় মোইতাং অয়াংঙা,
হিতা থাংমৈ অচোংঙা,
চেংগোয় লিক্লা ৱায়রংখু,
থেংগু নম্বোল নোয়নোয়,
হৱাই থাংপাক মথাংপাক,
চিংবি লোইয়া মরোয়য়া,
লম্লোই খারোয় খাচিক্লা,
খাচিক খাপাংনা।

খোকসি খোকসি নারেংঙা,
নুরা লেংখং মসেমসে,
আরেরে লৈচুম্বা,
পাংকি হায়না হায়নুরোরো,
সমতরু ৱাইরুরু,
অন্তোং অন্তোং,

খেঞ্জো লাংমৈ খেঞ্জোরে,
ইপুরোই চানিংখোয়
নকা ইকা খোঙথিল্লোয়,
খোইনিংও তুথরো,
নৌৰা ঐনা খুঞ্জগে,
থোয়দিংও মকেরে,
কবোকও মকারাম,
হংগাম মুবা লিও লিও,
মনীং মমাঙ হাইরৌনা,
খুবাক হাইরৌনা
হংগেল কোলও।
খিংখিং লৌজসে,
পান্না লৌজসে,
য়াউরৌদগী সংঙাইনা
মচি কেক্রু থোক্তরি,
ললহানবুংগী কাকফৈনা,
মনা হুম্মাই সাদরি,
তোকফমদগী ঙমুনা,
খোইজু তোলোং চিন্দরি,
কোংবদগী ঙাখানা,
পোনলাং কানক নক্তরি,
সূক্লা মহৈ য়ান্দরি,
য়াংকোক্লা মপান সাদরি,
নোংমৈ লৌজরোলাউ।

ইতাখোয় য়ারাখোয়,
সগোল চেনসে লানচেনসে,
উরাল চীংদোল লোমলুসে,
খাঙলা পোৎতম পুরুসে,
লাই থরোই চাকখাঙসে,
হৈতুপ পিতুপ পিদাইনু,

লাই হরাউবদা শক্লবা ঈশৈ খরা

ঈশৈ হায়বসি মরু অরেপ্পা নাইদে, মফম মতম অদুগী মতুং ইল্লি। পুক্লিংগী ঈথিল মতুং ইন্না ৱাখলগী পুক্লিংগী ৱাফম অদুবু ঈৱাই ঈনিল পান্দুনা ফোঙদোকপা অদুবু ঈশৈ কৌই। অদুবু মৈতৈগী লাই হরাউবগী অয়ুক ফম্মাং থৌগল মতমদা শকলিবা অমদি নুংথিল লাই পৌশানবা মতমদা শক্লরিবা ঈশৈশিং অসিদি মথক মখা য়েংনা শক্তবা য়াদে। শক্লিং শক্লিংবা মওংদা হেক্তা শকচিনবা তৌহেদে। লাই হরাউবগী ঈশৈ অসি মনিং মমাঙ মথক-মখা ওন্ননা শকচিল্লবদি খুনকাই লৈকাই ৱা ওই। লাইগী থৌরম অমদি লাই হরাউবগী ঈশৈশিং মথক-মখা ওন্নরবদি মীশি মীনা থোকই। মরম অদুনা লন্নাই ৱাখল খন্দুনা তৌরোইদবা কয়া পংতৌ তৌশিনহেদে।

খুঞ্জা জগোইগী মমতদা শক্লবা ঈশৈ অসিগী মথং মনাও নাইবা ঈশৈ পরিংদি,

১। স্নাপুল পুবী পামদে
চেকাইপুল পুবী পাম্মী
ফিগে শেৎপী পামদে
ফিমল শেৎপী পাম্মী
স্নাপুল পুবীগী ঈশিং থক্লিংদে
চেকাইপুল পুবীগী ঈশিং থকনিংই।

অহানবা ঈশৈ মতেকসিগী মরম, কুপত্রেং সেনত্রেং অনীনা পানবা মতমদা সেনত্রেংনা নিংথৌ ওইরগা কুপত্রেংনা নিংথৌ শেনবা ওইনা লৈঙাক্তুনা লৈবা মতমদা· কুপত্রেংনা মশানৌ সেনত্রেং নিংথৌদা হায়রকই - ইশানৌ তালোই য়াওদনা ফম্বাল তোংবা য়াদে। মরম অদুনা লৈকাই খুন কোয়দুনা অপাম্বা তালোই হোইথিয়ো। মশাবী য়াথং মতুং ইন্না সেনত্রেং নিংথৌনা শামু

